মণিপুর ইতিহাসকী তাঙ্কক অমদা

আর কে মাইপাকসনা



মণিপুর ইতিহাসকী তাঙ্কক অমদা

আর কে মাইপাকসনা

মণিপুর ইতিহাসকী তাঙ্কক অমদা

আর কে মাইপাকসনা

কাংঙুজম মধুমঙ্গল সিংহ

আর কে মাইপাকসনা মেমোরিয়েল ট্রষ্ট
শীংজমৈ মথক চোংথাম লৈকাই, ইম্ফাল।

Manipur Itihaski Tangkak Amada R K Maipaksana
(RK Maipaksana in an era of Manipur History written by Kangujam Madhumangol Singh)

মখুম অমসুং লে- আউট ঃ রাজকুমার দিলিপ

ফংফম থোকপা পুন্নমক অফোঙবগীনি

অহানবা ফোঙবা ঃ ২০০৯

অফোঙবা ঃ আর কে মাইপাকসনা মেমোরিয়েল ট্রষ্ট
শীংজমৈ মথক চোংথাম লৈকাই, ইম্ফাল।

মখুমগী ফোটো ঃ ইং ১৯৪৭ কী মণিপুরগী অহানবা সত্যগ্রহ অন্দোলনগী খোঙচৎ অমা

মমল ঃ লুপা ১৬০

নম্ফম ঃ ইবোয়াইমা প্রিন্টর্স, মোইরাংখোম লোক্লাওবুং, ইম্ফাল।

ইমা পোক্কফম মণিপুর
নহাক্কী মাইফনবগীদমক
রাজারিবাশিংগী মফমদা

রাজকুমার দিলিপ



আর কে মাইপাকসনা

তৌবিমল খঙবা উৎচবা

মণিপুর ইতিহাসকী তাঙ্কক অমদা আর কে মাইপাকসনা হায়বা অসি আর কে মাইপাকসনা মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা পুথোকচবা ইহান হানবা লাইরিকনি। ট্রষ্টকী মকুওইবা পান্দমদি মণিপুরগী রাজনীতিগী য়াওল অমদি মোদিয়াগী লমদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বা রাজকুমার মাইপাকসনানা পাঙ্থোক্লম্বা থবকশিং লাইরিক ওইনা ফোঙদোকপা অমদি জর্নেলিজমগী মাযকৈদা শাংথানীংঙাই ওইনা থবক তৌরিবা জর্নেলিষ্ট অমসুং কলমনিষ্টশিংদা এবার্দ, ফেলোসিফমচিংবা পীবনি। মণিপুরগী মশক নাইরবা জর্নেলিষ্ট, মতম অমগী **প্রজাতন্ত্র** পাউ-চেগী সম্পাদক কাংজুজম মধুমঙ্গল সিংহদা ইবিনবা হায়জক্লবদা হকাওনা য়াবিবক্লুনা লাইরিক অসি ইবিরকপগীদমক্তা ট্রষ্টকী মাযকৈদগী অইবা অসিগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎচরি। শক্লাইরবা সমাজ সেবক সনসম উমানন্দ সিংহনা মণিপুরদা জৱাহরলাল নেহরুনা লাকখিবগী তাংলবা ফোটো, নুংলেপ্পম শ্যামকন্নাই সিংহ, বিচর্হ স্কোলবনা এবিবা **প্রজাতন্ত্র** অমদি **জন্মভূমিগী** কোপি, অখাম লাঙ্গোলনা তাংলবা **জন্মভূমিগী** কোপি অমসুং ফিলম মেকর মাখোনমনি নোংসাবনা অাই এন এগী মশক নাইরবা লুচিংবা নাকি অহমদ চৌধুরীগী ফোটো পীবিরকপগীদমক্তা ট্রষ্টকী মাযকৈদগী অমদি মাইপাকসনাগী ইমুং মনুংগী মাযকৈদগী তৌবিমল খঙবা ফোঙদোকচরি। লাইরিক অসি নমবদা মরু ওইনা থৌদাং লৌখিবনা ইবোয়াইমা প্রিন্টস, ইম্ফালগী প্রোপ্রাইটর লৈমপোকপম ভুমেশ্বর সিংহদসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

রাজকুমার দিলিপ

ট্রষ্টি

আর কে মাইপাকসনা মেমোরিয়েল ট্রষ্ট।

ইম্ফাল

সেপ্টেম্বর ২৮, ২০০৯

ৱাহৌদোক

হৌজিক্কী মতমসিদা নহা-অহল খাক্তনা মীওই পুন্নমক নোংমতা ঈংনা চীক্লা লেনবা পুন্সি মহিং অমদা লৈবা হায়বদু ফংনদ্রি। মসি চীংদসুনি, তমদসুনি। চীংগী লমদমদা, 'নাগা মশেল পূনশিন্নগদবনি' হায়না হৌবকপা ঈবাং অসিনা চীংগী অচম্বা প্রজাশিংদসু অৱাবা পীরি অদুগা তম্পাক্কী প্রজাশিংদসু খোইশাওনহল্লি। হেন্না চরাঙনবা থোকহন্নবা মচাক অমা ওইহল্লি। নাগা লালহৌবশিংগী ঈবাং অসিনা ইম্ফাল য়ৌশিল্লক্লবা মতমদুদা মণিপুরদা হোম গার্দ লিংখৎলগা মক ওইবা থোংশিং ঙাক শেন্দুনা থমহনখিবা অদু ইতিহাসকী মক ওইরবা তাঙ্কক অমনি।

ইতিহাসকী তাঙ্কক অসিগী মমাঙদা লৈখিবা চহী ৫০/৬০ গী মণিপুরগী ইতিহাস অসি তঙ্গৎনা য়েংলুবা অমদি খন্ডনবা হোৎনলুবা হায়বা অসিসু যাম্না মক ওই। মণিপুরগী ইতিহাসনা ইং ৩৩ শুবা নোংদা লাইবেন পাখংবনা পানবা হৌবকপা মতম অদুদগী ইং ১৮৯০ ফাওবগী ইতিহাসকী ঈচেল অদু ইং ১৮৯১ দগীদি অতোপ্পা অহোংবা নাইবা মওংগী ঈচেল অমদা চেনবা হৌখি। হান্না লৈবম্না শাথেক-শাওং কা হেন্না হোংলকপা অসিসু মতাং অসিদগীনি। মতাং অসিদগী পোক্লকপা চাউবকপা মীওইশিং অদুনা হৌজিক্কী মণিপুর অসিগী ফিভম ওইহল্লকপা মতমদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকই। মণিপুরদা হৌজিক নোংচুপলোমগী শিক্ষা পবিংদা পীবা মহৈ তম্বগী থাক ৱাংলে হায়বিবা অসি মতমসিদগী হৌরক্লিবনি। মণিপুরদা হৌজিক য়ুনিভর্সিতি অনী লৈরিবা অসিগী মথক্তা অতোপ্পা খরগসু লৈহল্লক্কদৌবিবা অসিসু মতমদুদগী পীরকপা শিক্ষা পরিং অদুগী মহয়নি। ইং ১৮৯১ দা মণিপুরনা বৃটিশকী মখা পোনবা লৈবাক অমা ওইনা লৈখ্রবা মতুংদা ইং ১৯১০ দগী মণিপুরদা মেট্রিক পাস তৌবা মী থোরক্লবা মতুংদগীদি ইতিহাস অসি ফিভম অমদা লাকপা হৌবে।

মদুগী মতুংদা, খৃঃ ১৯৩৩ দা মণিপুরগী অনীশুবা হায়স্কুল ওইনা চুরাচান্দ হায়স্কুল (সি সি হায়স্কুল) থোবকপা হৌখ্রবা মতুংদগীদি, ইতিহাসকী ঈচেলদসু অহোংবা লাকপা হৌরে। মতম অসি হায়স্কুলগী থাক্তা মহৈ তম্না, চীং-তম পুনশিল্লগা মহৈরোই ৬০০ (চাক্রুক) লোম যৌবল্লবা মতমনি। মতমদুগী লাইরিক হৈরবশিংনা চীং-তমগী, নুপা-নুপী খাক্তনা মহৈ তৈহন্নবা কন্না হোৎনবল্লবা মতমনি। মসিগুম্না তাঙ্গা অসিদা মণিপুরগী ইতিহাসতা বাজনীতিগী মরু ওইরবা ঈহৌ অমা পুবকখিবা 'নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা' হায়বা অসি ইং ১৯৩৪ গী মে ৩০ দা শেমখি। ধর্ম্মগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনখিবা পান্দমগী মখাদা মহাসভা অসি লিংখৎখ্রবসু, চহী মরিবোম ফাবকপা হায়বদি ইং ১৯৩৮ লোইশিল্লকপা মতমদা ফমখিবা মহাসভাগী মীফম অদুনা বাজনীতিগা মরী লৈনবা বাবেপ লৌবগা লোয়ননা মহাসভা অসিগী মমিং 'নিখিল মণিপুর মহাসভা' হায়না মিং ওন্থোবকপা অদুদগীদি মহাসভা অসি পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরে হায়না মতমদুগী সবকাবনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা, সবকারগী থবক তৌবশিংনসু মহাসভা অসিদা য়াওবা য়াবোই হায়না অথিংবা পীরকখি। অসুম্না সবকাবনা লৌখৎলাক্লিবা থবক অমবোমদনা লৈবাক্কী ফিভম ফগৎনবা ৱাখল্লোন খরা মতমদুগী লাইরিক লাইশু হৈরক্লবশিংগী ৱাখলদা পোক্লক্লিবা কয়া অদুনা অকনবা শাফু ওইবদুনা, মতমদুগী নহাবোলশিংগী মবক্তা মরৈবাক্কী থবক খবদি তৌবগে হায়বগী অনীংবা অপাম্বা ৱাখল পোক্লকপা মীওই যাওবকখি। মখোয়গী মবক্তা শাংজমৈ মথক চোংথাম লৈকাইদা পোকখিবা রাজ কুমাব মাইপাকসনা (আব কে মাইপাকসনা) সু অমা ওইখি। মতমদুদা মহাক মশাগী চহী ১৪ বোমতা ডাইবিবনি। মীওইবগী ৱাখলনবু লাক্লবদি চহীনা চৎনদে। ৱাখলদুনা লমজিংঙি অদুগা থবক তৌই। মণিপুবদা নিংথৌগী শাসনগী মহুৎতা মীয়ামগী শাসন লৈহনগদবনি হায়বা অদোমদা মহাকসু চঙশিনখি। মহাক্কা নহা ওইবিঙৈ মতমদুদা চঙশিল্লম্না ৱাখল অমদি পাঙথোক্লম্না থবক অদুনা ''মণিপুব ইতিহাসকী তাঙ্কক অমদা আব কে মাইপাকসনা'' হায়বা লাইবিক অসিবু ওইহন্নবা অমদি ফোঙদোকহন্নবগী মচাক ওইহনখি।

লাইরিক অসিবু এদিট তৌজরিবা ঐহাক্লা আর কে মাইপাকসনাগা খঙনজবকপা অদুগা ৱাবী-ৱাতাই শানবা ফংজরকপা অসিদি ঐহাক্লা নহা ওইনা জর্নেলিজমদা থৱায় য়াওনা **'প্রজাতন্ত্র'** হায়বা নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা চেফোঙ অদুগী রিপোর্টর ওইনা থবক তৌববা মতুংদনি। মতমদুদা আর কে মাইপাকসনানা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী নিউজ য়ুনিটতা সব এদিটর ওইনা থবক তৌরে। ঐহাক্লা মহাকপু 'সনখ্যা' হায়না কৌজদুনা ইকাই খুম্নজে। জর্নেলিজমগী শিনফমদা লৈমিন্নববা মশেল ওইবগী হৌনবা পাউগা মরী লৈনবা থবক লাকপদা খবা তোইরপ থেংনবগী তাঞ্জাসু লৈখি। অশাংবা প্রেস টুবস্ চৎমিন্নখি। চৎমিন্নখিবশিংগী মরক্তা কাউবা ঙমদবা টুর অনিখক লৈখি। অমনা চান্দেল জিলাগী মনুংদা লৈবা সিতা হায়বা স্কুল অমগী হেডমাস্টর ওইরম্লবা বি এস এফনা শিনবা টুবনি। মতমদুদা সিতা তাবা লম্বীদু য়াম্না ফৎলমদে। নোং থিৎলি থিৎলি চুই। গাড়ী থৌবগী এক্সপিরিয়েন্স খরা বাৎনা উবা মণিপুর মপানগী মীওই ওইনা তৌবা নত্তা অমনা ঐখোয়না তোংবা জিপ অদু থৌই। সনখ্যাগা ঐগা মমাঙগী ফম্ফমদুদা পুন্না ফম্মিন্নৈ। মতমদু চাংগী লমদমদা অন্দরগ্রাউন্দগী ঈরাং খরা লৈবা মতমনি। অপীবা মতম অমগী মনুংদা গাড়ীদু সিতাদা যৌরক্লবা থৌরকউ হায়না হুকুম তৌরকই। গাড়ী অদুদা কেপ্তেন অমসু তোংখি। মহাক্লা গাড়ীদু কন্না থৌনবা দ্রাইভরদুদা হুকুম পংতৌদা তৌই। ফৎখিদ্রবা লানখ্রবা, নুঙ ফাওবা থাদবা লম্বীদুদা দ্রাইভর অদু মাগী ওফিসারগী হুকুম মতুংইন্না গাড়ী থৌই। অমুক্তা খুনিংথেক শাবা গোলাই অমা থেকপদা নংতৌদবদগী চপ যুংবা লোকখা অমদা শ্-শ্ শিংগরনগদবা শম্নাদা লিৎলি। ঐদি নত্তা ওইবনবা করিনো শ্বাই লাওই। অদুবু সনখ্যাদি করিসু নাচুংদে। খজিক্তং নোকই অদুগা মাগী ৱাবা চৎথৈ।

অমুক্তা জিরিবামগী খোঙচৎনি। মণিপুর সরকারগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা জিরিবামদা লিংখৎপা 'চা বগান' অদু য়েংবা চৎপনি। বগান্দু লিংখৎপা য়াম্না নৌরিঙৈগী ৱানি। এগ্রিকলচরগী ডাইরেক্টর ওইরম্বা বি হরিদাস শর্ম্মনা মতম অদুদা জিরিবামগী চা বগান অদু য়েংশিনবগী থবক চৎথরি। খোঙচৎ অদুদা অহল ওইনা সনখ্যা মাইপাকসনা অমদি মতম অমগী 'খোল্লাও' খবরগী এদিটর থিয়াম মেঘচন্দ্রসু য়াওই। অহল অনীসিবু লোয়নজবা অদুগা মখোয়গী সেবা তৌজবা হায়বসিনা ঐগী পামজবনি।

হল্লকপগী লম্বীদা সনখ্যা মাইপাকসনাগা ঐহাক্কা ফম্ফম তিন্নরম্মী। বস থৌবা হেক হৌখিবদগী ইম্ফাল যৌরকপা ফাওবা মহাক্কা ৱাবী লী। মহাক্কী ৱা ঙাঙবগী থৌনা অদু অঙকপনি। করিসু চোকথবা উদে। অদুম লেপ্তুনা ঙাঙঙি। খোঞ্জেল শিথবা লৈতে। ঐহাক অঙকপা পোকই। ৱারীদু লোইবা খল্লা নাইদে। অমগী মথংদা অমা, অমগী মথংদা অমা, ঐগী ৱাহং হংনবগী তাঞ্জা ফাওবা ফংখিদে। অদুবু অঙকপদি, মহাক্কী শাংলবা ৱারী মরক অদুদা মহাক অমদি শগোলশেম ইন্দ্রমণি, য়াংমাসো সাইজা অমসুং ৱাহেংবম প্রলহাদনচিংবনা 'রিভোলুসনবি নেসনেলিষ্ট পার্টি' শেম্বা অদুগা মণিপুর অসি 'ইন্দিপেন্দেন্ট বফৱ ষ্টেট' ওইহল্লু হায়না দাবী তৌবা, মদুগীদমক জেলদা চণ্ডলুবগী ৱাবী অদুমদি শুংলি লিখিদে। মতমদুদা মণিপুবগী চিফ মিনিষ্টব ওইবিবা য়াংমাসো সাইজা অসি মহাক্কা নহা ওইবিঙৈদা তিন্নরকই। মহাক্কা (সনখ্যানা) মণিপুবী গ্রামাব অমা ফোঙনবা লাইবিক ইবি হায়। মহাক্কা হায়খি "ঐখোয়গী মণিপুবী লোল অসিগী গ্রামার অমা পুথোকপা মতমদা অতৈ লোলশিংগী নোমুনা যেংলগা পুথোকপা অসি য়াম্না চান্নদে। ঐখোযগী লোল অসি অতোপ্পদা তৈহনগে হায়ববদি নিংথিজবা নিযম চুম্বা গ্রামাব পুথোকপগী তঙাই ফদনা লৈ।"

প্রজাতন্ত্রদা লৈরিঙৈ মতম অদুদা সনখ্যা মাইপাকসনা অসিদা নত্তনা অতোপ্পা অহল খবগসু লোয়নজবা ফংজখি। মখোয়গী মিং পনবা তাবগদি, লোইতাম যাইমা, লাইশ্রম কহ্নাই (লাই কহ্নাই), লাইশ্রাম ইবোবী অসিনচিংবা। মীওইশিং অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা মণিপুবগী বাজনীতিদা অচৌবা থৌদাং লৌবম্না মীশক ঙাক্তনি। কবিগীনো খঙদে, অহলশিং অসিনা ঐবু যাম্না লুনা তৌবী। মণিপুরগী রাজনীতি হৌবকপগী অমদি চেফোঙ পুথোরকপগী ৱাবী কয়া লীখি। ৱারীশিং অদু তাখিবতনি। মদু নোট তৌদুনা খোমজিল্লগা ইথোকপা কান্নগনি হাযবা অদু খনখিদে। লোইতাম য়াইমানা সনখ্যা মাইপাকসনাগা লোযনবকপা **প্রজাতন্ত্র** ফোঙলকপা, মতমদুগী রাজনীতিগী ৱারী কযা লীখি। লাইশ্রম কহ্নাইনা মণিপুবগী নিংথৌ পাল্লিঙৈগী রাজনীতিগী ইতিহাস, মণিপুবদা সি পি আই লিংখৎলকপা অসিনচিংবদা য়াওরক্লবা মীওই ওইবগী মথক্তা আই এন এ য়াওবকপগী ৱারীসু লীখি। অদুবু ৱারী ওইনা তোকলি। কান্নবা লৌবা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্কী 'লাই কহ্নাই' হায়বা অসিগী

মিংদা লাকপা আর্টিকলশিংদি তোয়না লাকখি। মদু ফোঙখি। লাইখুরাম ইবোবীদি মহাক্না ইবা লাইরিকশিং অদু ফোঙলক্লবা মতমদা খবা নকশিন্না খঙনখি। অদুবু হেন্না কুপ্পা রারোলশিংগী রেকোর্দ লৌগে খল্লকপা মতমদদি মশা লৈখিদবনা হানখি। মণিপুরগী তাবুনুংদা লোত্তুনা লৈরিবা মনি-মুক্তা কয়া অসি মতম চানা হাংদোক্কুনা যেংহৌদ্রবদি, মদুগী কান্নবা অবেম্নদা মাঙগি হাযবসি হৌজিক্তা থেঙথরবা মতমসিদা খঙলকই। ক্রিএটিভ রাইতিংগীদমক সমাজবু মশক খঙনবা হোৎনবা অসিগী মথক্তা জর্নেলিজম ক্রিএটিভ রাইতিং অসিসু মমল যাম্মী হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতমদা ভাব তারম্লবদি ঐহাক্কী তোংজবা কযামুক ফংজবমগদবনি। জর্নেলিজমগী শিনফমদা চঙবা অসিনা লৈবাক্কী ইতিহাস মনুং থিৎনা খঙবদা মতেং যাম্না পাংহল্লি হায়বা অসিমদি অচুম্বনি। মণিপুর ইতিহাসকী লৈখিবা রারোলশিং, থৌদোকশিং মথং মথং অসুম হঙ্গৎনা যেংলুবদা ইং ১৯৫৩ গী এপ্রিলদা গান্ধী সেবক সভা অমদি নেসনেলিষ্ট যুমনিগন অনীনা পুনশিন্নদুনা 'বিভোলুসনরি নেসনেলিষ্ট পার্টি ওফ মণিপুর' শেম্লকপা অদুগা পার্টি অদুনা, নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা মণিপুরদা আইন সভা পীযু নত্রবদি পার্টি অসিনা মণিপুরসি 'ইন্দিপেন্দেন্ট রফর ষ্টেট' অমা ওইহন্নবা দাবী তৌগনি হায়না লৌখিবা রারেপ অদুগী অশেংবা মশক কয়া অদুনা পুন্সিগী অচৌবা পরা ওইহল্লি। মণিপুর অসি কদোমদা চৎলিবগে হাযবা অদু মশক খঙহল্লি।

মণিপুরগী মীওইশিংদা নোংচুপলোমগী শিক্ষা কংহল্লকখিবা অসিদা, মণিপুরদা পোস্তিং লৈরকপা বৃটিশ ওফিসারশিং অদুগা মণিপুরগী নিংথৌ ওইখিবা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি, মহারাজ চুড়াচান্দনচিংবগী থৌদাং যান্না চাউনা লৈ। মসিগীসু মথক্তা মণিপুরনা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা লৈবাক্কী মক ওইবা মীশক ওইখিবা জেনরেল অনী হায়রদি, থঙ্গাল জেনরেল অমদি জেনরেল লোংজম রোমা সিংহ অনীগী থৌদাংসু চাউনা লৈ। অসিগুম্বা নিংথৌশিং অমদি ফম্নাইবশিং অসিগী মপান্দগী লাকখিবা শিক্ষা অসিনু ফংলবশিংনা, মণিপুরদা নিংথৌগী শাসনগী মহুত্তা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী যুম্ফম থোলকখিবনি। মণিপুরবু দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইহন্নীংবা মীওইশিংনা, মতম অদুগী ভারতকা মণিপুরগা লৈনরিবা মরী অদু যেংলুরগা মণিপুর অসি ভারত্তা পুন্দুনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক

অমা ওইববদি প্রজাগী অনীংবা পূম্নমক থুংগনি হায়না যাম্না কন্না থাজবম্মী। অদুবু মদুগুম্না থাজবা অদু থবক ওইনা লাক্রুবদা, মণিপুরনা ভাবত্তা পুল্লুবা চক্টী অন্তম খরা হেল্লকপা অদুরাইদা ভাবত্তগী তোকচরগে হায়বা দাবী অসি লাকপা হৌখিবনি। হীরমসিগীদি চাউনা নৈনবা য়াবা রাফম কয়া লৈরি।

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইবনা মণিপুবগী ফিভম হেন্না ফগৎকনি হায়বা অসি মণিপুবগী মপান্দা চৎতুনা মহৈ-মশিং তম্লুববা মীওইশিংনা, মপান্দা মহৈ তম্লিবেঁ মতমদা থেংনরকপা কয়া অদুনা মখোযগী রাখলবু লমজীংখিবনি। মদুগুম্না লমজীং অদুনা মবম ওইবদুনা মণিপুব অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইখিবগা লোযননা ভারতসু পুল্লকখিবনি। মণিপুববু দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবকপদা ইং ১৯৪৬ কী ওক্তোবর ৪ দা কংগ্রেস পার্টি শেম্নবা এরিয়ান থিয়েটব হোলদা পাওথোকপা মীফম অদুদা সনখ্যা মাইপাকসনাসু নহা ওইনা য়াম্না মক ওইবা অমসুং অঙৌবা হৌদাং লৌবে। জননেতা ইরাবতকী রাজনীতিগী মাইওন অসি কাবিনো হায়বসু মহাক মতম অদুদা মশক খঙবা হৌরে। নেতা ইবাবতনা মণিপুবগী মপান্দা লৈবগনা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ওইনা থবক তৌবা অদুগা মণিপুরদা লাক্লগনা কংগ্রেস ওইনা উহন্নবা হোৎনবা অদু য়ানীংখিদে। অদুনা সনখ্যা অসিনা খুৎই ওইনা ইদুনা থম্লম্বা "Dawn of political consciousness among the educated" হায়না মমিং থোনবা আর্টিকল অমদা নেতা ইবাবতকী মবমদা মহাক্কা শনবা অমসুং মহাক্কা থাজবা রাফম খরসু যাওরি। মহাক্কা হায, নেতা ইরাবত অসি 'মনুংদনা কম্ম্যুনিষ্টনি অদুগা মপান্দনা কংগ্রেসনি।' ইরাবতকী মতাংদা মহাক্কী ফোঙদ্রিবা রারেং অদুনা অসুম্নসু ইবিঃ

> "There were two great tasks before me – one was to overthow Irabot Singh from the previleged position of being a leader and to remove the wrong imperession in the mind of the general public that he was still the same Irabot, a follower of Gandhiji by revealing the fact that he was then a communist,...

another was to popularize the idea of non-violence and Gandhism and to organise a political party in the lines of the Indian National Congress so that a greater understanding and realization of the political consciousness might be achieved for the freedom struggle In these tremendous tasks I did not take the help of anyone but initiated them from my personal thinking all alone "

মহাক্না ইবল্লিবা ৱাফমসিনা তাক্লিবা অসি মতমদুগী মণিপুর প্রজাশিংনা হিংসাবুদি মহাত্মা গান্ধীগী 'অহিংসা' হায়বসিনা হেন্না থাজৈ হায়বসিনি। অদুনা মহাক মশাস্ অহিংসা অমসুং গান্ধী নীতিদা য়াম্না থাজবা মীশক অমনি হায়বা অদু উৎলি। অসিগুম্বা ৱাখল চেনবা মীশক অমনা খৃঃ ১৯৫২ গী মীখলদা 'গান্ধী সেবক সভা' হায়বা অমা শেম্নগা পার্টিসিগী মখাদা শীংজমৈ কেন্দ্রদগী মীখলদা মায় পাক্লকপদা থোইনা ডক্লিংঙাই মরমদি লৈতে। মতমদুগী প্রজাশিংগী মবক্না গান্ধী নীতিবু চেৎনা থাজদুনা লৈনৈ।

ইং ১৯৫২ গী ইলেক্টোরেল কলেজ অদুগী মীখল অদুদা মায় পাক্লবা মেম্বরশিং অদুনা তৌনবা থবক ভারত সরকারনা নত্রগা মণিপুর সরকারনা নীংখিনা পীদে। ইলেক্টোরেল কলেজগী মেম্বরশিং অদুনা তৌগদবা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক অসি ভারতকী রাজ্য সভাদা চৎনবা মেম্বর অমখক খন্নবগী ভোট থাদহনবা অদুনা ওইখি। ফিভম অসিনা কংগ্রেসকী নত্তবা অতৈ ইলেক্টোরেল কলেজগী মেম্বরশিং অদুবুদি য়াম্না নীংবা কায়হনখি। কারক্লিনা ইলেক্টোরেল কলেজ মেম্বরশিংদা তৌহনখিবা থবক খরা পনবা তারগদি - ইং ১৯৫২ হৌরকপদা ভারত সরকারনা থৌবালগীদমক দিভলপমেন্ট ব্লোক অমা শেমগৎনবা শরুক খুংবীখি। হায়রিবা ব্লোক অসি লিংখৎপগী মতাংদা সরকারগী মীহুৎশিংগা লুচিংবশিংগা পূনশিন্নদুনা ৱারী শাননবগী মীফম অমা থৌবালগী তোমজিং হায়স্কুলদা পাঙথোক্লবা থৌবাং তৌখি। মদুগুম্না মিটিং অদুদা ইলেক্টোরেল কলেজগী মেম্বরশিংসু য়াওবীয়ু হায়না মণিপুরগী দিপুতি কমিস্নারনা বার্তণ তৌই। মতমদুদা দিপুতি কমিস্নার অসি মণিপুর পূম্বগী ওইনা অমখক্তমক লৈরম্মী। দিপুটি কম্মিস্নারনা থারকখিবা চিঠি অদুগী কোপী অমা মথংগী লামায়দা হাপচরি ঃ

[illegible] (DEVELOPMENT) MANIPUR.

To

[illegible]

I am directed by the Deputy Commissioner, Manipur to forwarded the enclosed Notice No. 1 dated 7-5-52 and to request that you will very kindly attend the meeting on the date and at the time specified there in.

(R.S. Singh)
Survey Officer (Development)
MANIPUR.

থৌবাল তহছিলগী প্রজাশিংদা হংজনজবা।

নোটিশ নং ১।

ইম্ফাল তাং ৭।৫।৫২ ইং।

ভারত সরকারনা লৈপাকীদমক চাওখৎনবা হাইষ্ঠনা অকানবা চহি মঙাগী চাওখৎনবগী প্লান অসি পুখোরকপদা মণিপুরদসু ডিভেলোপমেন্ট ব্লোক অমা থুংলি। মণিপুর সরকারনা ভারত সরকারগা ওয়ানৈনা থৌবাল তহশিলবু মণিপুরগী ডিভেলোপমেন্ট ব্লোক ওইনা খল্লে। ডিভেলোপমেন্ট ব্লোক অসিদা তোগদবা থবকশিং অদু পাংথোক্লবা শাক্রবদা থৌবাল তহশিলগী এলাকদা লৈবা মীয়ামনা সরকারগা লোইননা পুক্নেং [illegible] থবক তৌবা অসি মরম অমাদা চাই। তোগদোরিব থবকশিং অদুগী মরোং অদু ফোংদোকপা [illegible], থবকসিং অদুদা প্রজাগা সরকারগা লৈনগদবা মরীসিং অদু ফাংদোকপদা [illegible] অমসুং মকম অদুগী প্রজাশিংনা কদাই ফাওবা সরকারদা [illegible] থাকপা হাইবা অদু প্রজাশিংদ চাওরাকনা ফোংদোকচনিংই মাঙগালমক [illegible] লৈবা হাইষ্কুলদা তাং [illegible] গী পু [illegible] কালদা থৌবাল তহশিলগী প্রজাশিং, [illegible] অসিগী [illegible] লৈবা, [illegible], রাজনিতি দলশিংগী নেতাশিং অমসুং [illegible] চৌকিদারশিং— [illegible] চানা [illegible]

এ, এন, ভুকান।
ডিপুটি কমিশনার, মণিপুর।

G.P.M.—1000.7-5-52.

সবকাবনা তৌবিবা থবকশিং অসিনা ইং ১৯৫৩ গী এপ্রিলদা **রিভোলুসনরী নেসনেলিষ্ট পার্টি ওফ মণিপুর** হায়বা অসি লিংখৎহনখিবনি। পার্টি অসি লিংখৎলমদাইদগী ফোঙবা হৌখিবা **মাদর মণিপুর** হায়বা ব্রাহেংবম প্রহলাদ সিংহনা এদিটর ওইবা নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা চেফোঙ অদগী তাং ২৪। ৩। ৫৩ ইংদা ফোঙখিবা ''অগ্নি পরীক্ষা হন্না হন্না

তৌবা য়ারোই'' হায়বা এদিটোবিয়েল অদুদা ভারত সরকারনা মণিপুরবু কবিসু থৌশাবীদ্রে, শ্রীরাম্না সীতা দেবীবু বন্দা হন্দোকলগা মতোমতা শিজহনখিবা অদুগুম, মণিপুরবু হন্না হন্না অরাবা পীরগা মতোমতা মাঙজহনখিনবা হোৎনবা থৌশীল লৌখৎলে হায়না ফোঙলি। এদিটোবিয়েল অদুদগী মতেক খজিক্কুং লৌখৎচবিঃ

''... ওবাংদা ঙাইখ্রবি চাক যণ তাংহনবীদুনা মণিপুবগী ইজ্জৎ অমসুং মর্য্যাদা পুন্নমক মাংহল্লম্লদগী স্বব হোন্দোবকপা, অদুবু হন্দকমুক চাক তাংবগী পাওনা অমুক মণিপুব শিন-থুঙনা নিল্লবে। নখোয়না হায়জরগদি থোইনা হেন্না তৌগে মতাগুম হিবম খুদিংমক্তা নোংমা নোংমগী মমা পোক্তবীগী চক্রিন্দা কুঞ্জমালানা কৈনা শোক্লনা শিবগুম মণিপুরবুসু শিনবা শিল্লি। ... মণিপুব গভর্ণমেন্টনা প্রজাবু সুক থৌওইবিদবসি মমাংদসু তৌখিদবি, তুংদসু অমুক থোক্লক্কনি হায়বা থাজদ্রে অমসুং থোক্তুনবা ঈশ্বরনা মণিপুর প্রজাবু থৌজানবিসনু। মণিপুর প্রজা চীং-তম পুন্নমক অমত্তা ওইনা পুকচেল খোইজেল তিন্নানা থবক পাইখৎব্রবদি মৈবানবিনা মৈনুংদা চোংশিন্দুনা মথরাই থাবগুম মণিপুবী চীং তম প্রজা পুন্নমক মৈবাম্বী তাদুনা লোইনা শিবা তাবে। ... লৈবাক প্রজানা মুন্না খংবিগদবদি অসিগুম্বা সবেন তাৎনা *(সবেন তাৎঃ সরকারনা মী ইনশিন্দুনা মী কিহন্নবা হোৎনহনবা তাৎশিংবু খংহন্নবা হোৎনবা রাহৈ।)* কৈদৌঙৈদসু তৌগে হায়না নিংথ্রবা পুক্নিংবু হক্তহনবা ঙম্মোই। মবমদি ঐখোয়না ঙসি হায়জরিবা লাওজরিবা অসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন এক্তকী মথক্তা ফাইট তৌবনি হায়বদি ষ্টেট অমগী রাইট পীয়ু, মাইনোবিটি রাইট পীয়ু। ... মণিপুরী ঐখোয়সু ভারত মচানি, নখোয়না তাইবং মীদৌনা উবিয়ু নত্রবদি জগৎনা নোংমা তারগা ভারত গভর্ণমেন্টপু জগৎনা থিনা ঙাংনখিগনি হায়দুনা লাওবনি। ... মণিপুর অসি নোংমা নোংমগী ফিভম ফৎচিল্লক্লিবা অসি কবিগীনো, কনানা তৌহল্লিবনো? অসিগুম্না ভাব তানবা মতম যৌরক্লবা অসিদা খন্নদুনা ভাব তানহৌদ্রবদি মণিপুরী ঐখোয়গী তুংগী ফিভমদি কয়া যান্না মমলিবা ঈশ্বরতনা খংই।''

মণিপুরনা ভারত্তা পুল্লুরবা মতুংদা ভারত সবকারনা মণিপুরগীদমক লৌখৎলিবা অসি পুক্নীং পেন্নিংঙাই ওইদে। মণিপুর অসি দেমোক্রেসি চৎলি হায়রগা মী অমগী শাসনগী মখাদা থম্মী। মসি দেমোক্রেসি চৎপা সভ্য জগৎতা চৎনদবা ৱাফমনি। প্রজাশিংনা ফংবা ওর্মাদ্রবা অধিকারশিং অসি ফংগে হায়রবদি প্রজাশিং থৌনা ফবা তাই হায়না মণিপুরনা ভারত্তা পূনশ্রবা মতুং খরা লৈবগা অকনবা ৱাফম ফোংদোকপা লুচিংবশিং লৈ। মখোয়গী মরক্তা ঝলজিৎ রাজকুমারসু অমনি। মহাক সনখ্যা মাইপাকসনাগা চহী অমত্তদা পোকমিন্নৈ। ঝলজিৎনা এদিটর ওইদুনা ইং ১৯৫১ গী সেপ্তেম্বরদগী ফোঙবা হৌখিবা **অনৌবা মতম** হায়বা চেফোং অসিগী সেপ্টেম্বর ২৩ গী ইসু অদুদা **মণিপুরগী সরকার** হায়বা এদিটোরিয়েল অমা ইখি। মণিপুর প্রজানা পামজবা ভারত্তা চৎনরিবা দেমোক্রেসি হায়বা অদু মণিপুরদা চৎনদ্রে। মসিবু চৎনহনগে অদুগা আইন সভা লৈহনগে হায়রবদি প্রজাশিংগী খুৎতা লৈ হায়না এদিটোরিয়েল অদুনা ফোঙলি। এদিটোয়েল অদুগী শরুক মতেক অমত্তং লৌখৎচরিঃ

> "... কন্সটিট্যুসন অমবু মহারাজনা ফাইল মরক্তা হাপ্চিন্দুনা আইন সভা পন্থবা তাখৎবদা সত্যাগ্রহ আন্দোলননা আইন সভা থুজিনহনখিবনি অমসুং প্রজাদা শক্তি খবা পীদুনা শাসন চলাইবা হৌখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মণিপুরগী রাজনৈতিক ইরাং অসি ইশি শিংথখিবগুম তৌরে অমসুং মদুগা লোয়ন-লোয়ননা প্রজাগী অধিকার অসি হন্থবকপগুম উরে। হৌজিক্কী রাজনৈতিক, অর্থনৈতিক অমসুং সামাজিক জীবন অসি অমুক হিংগৎহন্দুনা স্বাধীন ভারত্তা মণিপুরগী মতিক চাবা অধিকার তানগে অমসুং সভ্য সমাজদা মাইরোং হাইগৎনা তিনগে হায়রবদি ঐখোয় খুদিংমক থৌনা ফবা তাই। ঙসিগী মণিপুরগী (সমাজদা) কনজার্ভেটিজমগী মফম লৈতে, বিপ্লবী নেতাশিংনা ভাগ্য লেপ্পা তাই।"

এদিটোরিয়েল অসিনা নীংশিংলিবা অসি ইং ১৯৪৮ দা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী অহানবা বিধান সভা লৈহনখিবা অমদি মীখল পাঙথোকহনখিবা অদু ওইহল্লক্লবা মীয়ামগী সত্যাগ্রহ আন্দোলন অমা তৌখিবা অদুগুম, ভারত্তা পুল্লবা মণিপুর অসিদসু বিধান সভা লৈহন্নবা আন্দোলন মীয়াম্না থৌনা ফনা

পাংথোকপা দরকার লৈবে হায়বা অসিনি। মণিপুর ইতিহাসকী তাঙ্কক অদুদা সনখ্যা মাইপাকসনানা তৌখিবা থবকশিং অদু নীংশিংলুরগা চেফোঙশিং অসিগী এদিটোরিয়েলশিং অসিসু নিংশিংলকই।

চেফোঙশিং অসিবু যেংলুবা অমদি নীংশিংলুবগা অতোপ্পা নীংশিংবা অমসু অমুক লাকই। মদুদি খরা লীরবা. মণিপুবনা বৃটিশকী মখুৎতগী নীং-তম্বা ফংদ্রিঙৈ অদুবু নীং-তম্বদি ফংলমদাই অদুগী রানি। বৃটিশকী মখুৎতগী নীং-তম্বা ফংবা ইং ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৫ অদুগী মমাঙদা মণিপুবদা চেফোঙ কয়া ফোঙনবা হৌবকখি। চেফোঙশিং অদুগী মবক্তা. চহীদুগী মে ১১ দগী অহানবা ওইনা ফোঙবা হৌখিবা **চয়োলগী ভাগ্যবতী** হায়বা অদুগী মে ১৮ দা ফোঙবা ইসু অদুদা মাইপাকসনানা ইবা **জয় প্রকাশ নরায়ন অমসুং কংগ্রেস সোসিয়েলিষ্ট পার্টি** হাযবা রারেং অমা য়াওই। ভাবতকী রাজনীতিদা মিং লৈববা জয় প্রকাশ নাবায়নগী রাবীনি। জয় প্রকাশনা আমেবিকাদা চৎতুনা মহৈ তম্লবা, কংগ্রেস য়াওবকপা অদুদগী মাগা বাখল মান্নবা কযা পুনশিন্নদুনা কংগ্রেস সোসিয়েলিষ্ট পার্টি শেম্লকপা কয়া অদু মরিক চুম্না ইবি। মতম অদু মণিপুরদা ইনফোমেসন অমসুং কম্যুনিকেসনগী থবক খুমাঙ চাউশিন্দ্রিঙৈগী রানি। মদুগুম্না মতম অদুদা মহাক্না জয় প্রকাশ নবায়নগী অকুপ্পা রাবীশিং খঙনবা হোৎনরগা ইথোক্তুনা মীযামদা অমুক খঙহন্নবা হোৎনবা অসি যাম্না থাগৎনীংঙাই ওইবা রাফমনি।

জয প্রকাসকী মতাংদা মহাক্না হাযখিঃ

> "জয় প্রকাশ নরায়ন হায়বা অসিনা য়াম্না কন্না ফাওগৎলক্লিবা অসি শক ৪২ গী আগষ্ট বিপ্লবকী মতমদা অঙকপা হৌনা উত্তুনা ভারত জাতীয় কংগ্রেসপু য়োকখৎখিবা অদুতনা নত্তে। শক ৪২ গী মমাংদগী হৌনা শোক ১৯৩৩ দগী হৌনা ভাবত স্বাধীনতাগীদমক জেলদা চংবা হৌখিবা অমসুং নহাবোলগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না থবক কনবা অমা ওইরক্লি, হৌজিকসু ওইরিবা অসিননি মাগী মমিং ফাওগৎলক্লিবা। ..."

ভাবতকী লুচিংবা কযানা ভাবত অসি মনীং তমহনবগা লোযননা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবক্লিবা অসিগী মমি অমসুং

ৱাখল্লোন অদু মতম অদুগী নহাবোল লাইরিক লাইশু হৈরবশিংগী মফমদসু তারকপা অদুনা মরম ওইদুনা ভারতকী নেহরু, জয় প্রকাশ নরায়ননচিংবনা লৌখৎলিবা রাজনীতিগী খোঙথাংশিং অদুসু মতমদুগী মণিপুবগী নহাবোলশিংনা কুপ্না য়েংঙি। মতমদুদা ভারত্তা নেহরুনা কংগ্রেস, জয় প্রকাশনা সোসিয়েলিষ্টকী মায়কৈদা পুখৎনবা হোৎনৈ। ফিভম অদু উকরগা কংগ্রেসকা সোসিয়েলিষ্টকা কনানা ফবগে হায়বগী মতাংদা দি এম কলেজগী ছাত্র য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা ডিবেটিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্লবা শীনখি। ডিবেট অসিগী হীবমদি– "সভা অসিগী মত্তা সামাজিক লক্ষ্য মান্নরবসু হৌজিক্কী ভারতকী ফিভম অসিদা জয় প্রকাশনা পুরিবা লম্বী অসিদগী জৱাহরলাল নেহরুনা পুবিবা লম্বী অসিনা হেন্না ফৈ" হায়বা অসিনি।

দিবেট অসিগী তোপীক অসি ফজদে, খন্নিংঙাই ওইদে হায়না বাজকুমার মাইপাকসনানা অকনবা মত পী। মহাক্না পীবিবা মতশিং অদু মতমদুদা ফোঙবা 'চয়োলগী ভাগ্যবতী' গী চহীদুগী মে ১১ দা ফোঙখিবা অহানবা চেফোঙ অদুদা ফোঙদোকই। মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাবোলশিং অদু অমুক হন্না পুথোকচবিঃ

> "ডিবেটকী হিবম 'সভা অসিগী মত্তা সমাজিক লক্ষ্য মান্নরবসু হৌজিক্কী ভারতকী ফিভম অসিদা জয়প্রকাশনা পুরীবা লম্বী অসিদগী জৱাহরলাল নেহরুনা পুরীবা লম্বী অসিনা হেন্না ফৈ" অসিগী মবমদা থোইনা খননফম লৈতে। মরমদি জৱাহরলাল নেহরুনা পুরিবা লম্বী অসি মবননাইগীরা নত্রগা ভারত কংগ্রেসকী লম্বীবা অনি অসি ফোঙদোক্লে। হৌজিক ইন্টেরিম গভর্ণমেন্টতা নেহরুনা পুবিবা লম্বী অসিদি মবননাইগী মোৎনা অয়াম্বনি। অদুগা জয়প্রকাশকী লম্বীনা 'কেবিনেৎ মিসনগী প্লান' অদু শুকলৌ লৌদবনি, অদুন্নদি ওইরবদা কংগ্রেস মেজরিটিগী মতুংদি ইল্লি অদুগী মখক্তা জয়প্রকাশকী লম্বী অসিদি মাতনা মতোমতমক শেম্না নত্তে, সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী মত মতুং ইনবতনি। মবম অদুনা ডিবেটকী হিবম অসি য়েৎনফম লৈতবা হিবম অমা ওইনা তৌই। মবমদি পার্টি অমগা মী অমগা চাংদম্নবা লাল্লি। ভারত কংগ্রেসকী লম্বীগা সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী লম্বীগসু

ভারত স্বরাজ তানবা ফাওবদি তেকনিকতি খেন্নরগা থবাক্তি তৌমিননে। কংগ্রেসকী শক্তি হেনগৎহনবদি সোসিয়েলিষ্টকী কাংবুননি। সবজেক্ট মেটার অসি পুমহোং হোংদোক্লুনা 'গান্ধিজমগা সোসিয়েলিজমগা করম্বনা ফৈ' হায়বা অমা য়াই। মসিদগী হেন্না ফজবা ডিবেট অমা থোকহনগে হায়রগা 'ভারত রাজনৈতিক্তা পার্টি সিস্তেম লৈবা ফৈ নত্রগা ফত্তে' হায়বা অসিগী মবমদা খন্নবনা ওইগনি।

মাইপাকসনা

তাং ৮। ৫। ৪৭ ইং''

সনখ্যা মাইপাকসনা অসি মতম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকী মক ওইবা মীশক অমা ওইনসু থবক তৌই। ছাত্র ভোলুন্টিয়ারগী ইন-চার্জ ওইনসু থবক তৌই। অদুনা ছাত্র কংগ্রেসকী ডিবেট, রচনা ইবা, খুৎশা হৈবা তান্নবা লাইয়েকপা ফজবা তান্নবা অসিনচিংবা থবকশিং অসি মথং-মথং ওইনা পাঙথোক্লবা ছাত্র কংগ্রেসনা থৌরাং তৌই। হায়বিবা থবকশিং অসিদা য়াওনীংবা ছাত্র ছাত্রিশিংনা ছাত্র কংগ্রেসকী ভলুন্টিয়ার ইন-চার্জ ওইনা লৈরিবা মীওই অনী-- আর কে মাইপাকসনা অমসুং হবাইবম লালমুহোন সিংহ অনীগা ব্রা তান্নবীয়ু হায়না ছাত্র কংগ্রেস অসিনা লাউথোকই। মতমদুগী ছাত্র কংগ্রেস অসি য়াম্না শক্তি লৈবা ওর্গেনাইজেসন অমনি। হায়বিবা ছাত্র কংগ্রেস অসি শক্তি লৈহল্লক্লিবা অসিসু মাইপাকসনা অমসুং মহাক্কা চৎমিন্নবা মীওইশিং অসিনা অকনবা থবক লৌখৎলকপদগীনি। মতমদুগী মণিপুর ইতিহাসকী শক্তম অদু য়েংবা মতমদা মাইপাকসনা অমদি মহাক্কা চৎমিন্নবা মীওইশিং অদু কাউবা য়াদনা লৈ।

মণিপুরগী চহী লিশিং অনি ফাররা য়াম্না শাংলবা অইবা ইতিহাস লৈরিবা অসিগী মনুংদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসি তোঙান-তোঙানবা মশক কয়ানি। শাংলবা ইতিহাস অসিগী মনুংদা ইং ১৮৯১ দা মণিপুরনা বৃটিশকী মখা পোনবা লৈবাক অমা ওইখিবা, মদুগী মতুংদা বৃটিশকী মখা পোনবা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা ইং ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৫ ফাওবা লৈবকখিবা, মদুদগী দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইনা ইং ১৯৪৮ দা মীখল পাংথোক্লুনা আইন সভা লিংখৎপা, কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরস শেম্না মতুংদা ইং ১৯৪৯ গী

ওক্তোবর ১৫ দা মণিপুরনা ভারত্তা পূনখিবা, চহী লীশিং অনিগী মযাদা লৈরক্লবা নিংথৌগী শাসন অদু পূংমূৎ মূৎখিবা অসিনচিংবশিং অসি মণিপুর ইতিহাসকী তোপ-তোপ্পা মশক অমনি। ইতিহাসকী তোপ-তোপ্পা মশক অমা ওইবতা নত্তনা যাম্না পুক্নীং চঙনিংঙাই ওইবিবা মতমসিগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা পার্সনেলিটি লৈবা আর কে মাইপাকসনাগুম্না মীওইশিং লৈখ্রে। লৈবিবা মীওইশিং অসিগী মরক্তগী মমিং লৈবা মীশক অমা ওইবিবা মাইপাকসনানা, ইতিহাসকী মক ওইবা তাঙ্কক অদুদা কবি করি তৌখিবগে হায়বদু শম্লপ্না অখঙবা খবা পুথোক্লবা লাইরিক অসিনা হোৎনবনি। মসিদা অৱাৎপা কযামুক শোইদনা লৈগনি। পুথোক্লিবা খবা অসিনা অরোইবা নত্তে। অইবগী অৱাৎ-অপা কযা লৈখিবা অমদি অশোয-অঙাম কযা যাওখিবা পুন্নমক মথংগী খূৎনমদা হাপচিন্নবা অমদি চুমথোক্লবা হোৎনগর্জনি। লাইবিক অসিবু পাবিবিবশিংনা অইবা অমদি অফোঙববু পুক্লিং থৌগৎপিগনি হায়না নীংজৈ।

কাংঙুজম মধুমঙ্গল সিংহ

হীরম লামায়

অহানবা তাঙ্কক

রাজকুমার মাইপাকসনাগী হৌরকপা মতম

রাজকুমার মাইপাকসনা তোঙান-তোঙানবা শক্তম কয়ানা পুনবা মীশক্লি। মহাক্কা হৌমিন-কামিন্নবা মীশক নত্তবা, মতমগী মীওইদদি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী 'মতমগী রাফম ইবা আর কে মাইপাকসনা' হায়রগনা হেন্না খঙনগনি। মহাক্কা মীয়াই হাইফেৎ ওইরক্কদৌরবা অদুগা ইম্ফালদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ষ্টেসন ইহান হান্না হাংদোরকপা মতম অদুরাইদগী ষ্টেসনদুগী নিউজ য়ুনিটতা থবক তৌরকপা, লোইননা য়ুনিট অদুনা শন্দোকপা 'মতমগী রাফম' হায়রবদুদা মতম-মতমগী ওইবা রাফম কয়া ইখিবা অদুনা মরম ওইবদুনা মহাকপু মশক তাকপদা 'রেদিওগী মতমগী রাফম ইবা মাইপাকসনা' হায়রগসু খঙনখিবনি। হৌজিক মহাক মশা লৈখিদ্রে। অদুবু মহাক্কা চহী নৌবিভে অমদি মহাক্কী ইনখৎলকপগী তাঙ্গা অদুদা, মণিপুরগী ওইবাক্লিবা লৈঙাক্লোনগী অমদি রাজনীতিগী ইরম কয়াদা লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদু য়েংলুবগা, মহাক্কী ভুল্লিভে পুন্সিগী মরমদা খঙবা অমসুং থিজিনবদা মণিপুর ইতিহাসকী তাঙ্কক খরদি য়াম্না মথেক শেংনা লৈ। অদুনা লাইরিক অসিনা মহাক্কী থৌদাং খরদু শাংথানবা হোৎনরি।

পীক্লবা মণিপুরনা পাক-চাউরবা ভারতবর্ষগী শরুক অমা ওইহল্লভেগী অমদি মতুংদা ভারতবর্ষগী শরুক অমা ওইরকপা মণিপুর ইতিহাসকী লংদাই অমগী মতমদা, থৱায় যাওনা লৈবাক্কী থবক তৌরম্বা রাজকুমার মাইপাকসনা, ইং ১৯২৪ গী ওক্তোবর ১১ থাংজ নুমিৎতা শীংজমৈ মথক চোংথাম লৈকাইদা পোকখি। অপোকপগী মিং রাজকুমার সনাহল সিংহ ওর্ফে গুনেশ্বর ওর্ফে আমিনসনা কৌই। গুনেশ্বর গয়রসি কুঠিগী মিংনি। মহাক্কী কুঠিগী মিং অসিবুসু মাঙহনলিংদবদগী মহাক্কা ইবগা ফোঙলম্বা লাইরিক খরদদি রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বর সিংহ হায়না থারম্বসু থেংনৈ। অদুগা মহাক্কী অতোপ্পা মিং অমনা 'আমিনসনা' হায়রগসু খঙনৈ। মহাক মণিপুর সরকারগী রেভিনিউ

দিপার্টমেন্টতা আমিন (হৌজিক্কা সার্কল মণ্ডল কৌরবা) ওইনা মতম শাংনা থবক তৌরম্মী। মদুদগী মীযাম্না মহাকপু 'আমিনসনা' হায়নসু খঙনখি। মহাক্কী 'আমিনসনা' হায়বা মিং অসি মহাক্না ইবগা ফোঙলম্বা লাইরিক খরদসু শীজিন্নবা থেংনৈ।

সনাহল গুনেশ্বর সিংহগী লোইনবী নুপী মবি শুই। সনাহল গুনেশ্বর সিংহগী নুপী অহল হাওবম নিংঙোল বিধুমুখী শীজনা অমৃসনা দেবী, মাইপাকসনা অমসুং মধুসনা, আই এ এস (বিতযার্দ) পোকই।

অমোম অঙৌবীনা তোম্বীসনা অমসুং জিলাসনা পোকই। লোংজম নিঙোল লৈবেননা মনিসনা (**সৎজাল হাযবা ওর্গেনাইজেসন অসিবু লিংখৎলম্বা অমদি মসিগী মকোকথোংবা লুচিংবা ওইরম্বা**) অমসুং সনাযাইমা দেবী পোকই।

মোংজম নিঙোল গৌরাঙ্গনা তম্ফাসনা দেবী, রাধেসনা দেবী অমসুং ইন্দিবা দেবী পোকই। পূন্না মচিন মনাও নুপা মঙা, নুপী মঙানি। বাজকুমাব মাইপাকসনানা মচা নুপা অমা, নুপী মঙা পোকই।

বাজকুমার মাইপাকসনা অসি মণিপুব ইতিহাসতা যাম্না মশক নাইনা পাল্লম্বা মহাবাজ গবিবনিবাজগী চাদা-নাওদানি। মহাবাজ অসিগী মহাবানী ওইখিবী রাযেনবম চনু গোমতী মহাবানীনা পোকখিবা মচা নুপা তকক্কী মনুংদা খ্বাইদগী অতোম্বা শত্রুঘ্না শাই তোলেন তোম্বা যুববাজগী ধাবানি। মহাক্কী পাবী পূবাগী হৌবকফম মবী মখাদা পীজবিঃ

মৈদিঙু গরিবনিরাজ পামহৈবা মহারাজগী (খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮)
মহারানী রায়েনবম চনু গোমতীগী মচানুপাশিংঃ—



১। জীৎ শাই — নিংথৌ ওই

২। নন্দ শাই — সেনাপতি ওই

৩। অঙ্গ শাই — সেনাপতি ওই

৪। সব্যসাচি শাই — সেনাপতি ওই

৫। ভরত শাই — নিংথৌ ওই

৬। শত্রুঘ্না শাই – (তোলেন তোম্বা) যুবরাজ ওই।



শত্রুঘ্না শাইগী নুপী অহল শগোলশেম চনু সৌদামিনীনা মচা নুপা অহল ওইনা কৃষ্ণচন্দ্র খুবাইলাকপা পোকই।



কৃষ্ণচন্দ্রগী নুপী অহল অঙোম হঞ্জবীনা মচানুপা অহল ওইনা নবীনানন্দ পোকই।



নবীনানন্দগী নুপী অহল তখেল্লম্বম চনুনা মচা নুপা যাইমা ওইনা পার্থ সিংহ উরুং পূবেল পোকই।



পার্থ সিংহগী অনিশুবা নুপী চোংথাম চনুনা অনিশুবা মচানুপা ওইনা শকহেন সনাতোম্বা পোকই।



শকহেন সনাতোম্বগী নুপী অহল মোইবাংখেম চনু কবোক্লৈ দেবীনা মচানুপা অহল ওইনা সনাহল গুনেশ্বব পোকই। (১৯০১)



সনাহল গুনেশ্ববগী নুপী অহল হাওবম হঞ্জবী বিধুমুখীনা মচানুপা অহল ওইনা বাজকুমাব মাইপাকসনা পোকই।

উরুং পুবেল- বাজকুমাব মাইপাকসনাগী যুম্নাক অসি নিংথেম শাগৈদগী হৌবকই হায়দুন 'রাজকুমার' হায়বা যুম্নাক অসি ওইজববসু, মীয়াম্না পীবীবা অতোপ্পা যুম্নাক অনিগসু লৈরি। 'যুববাজ বংশ' নত্রগা 'উরুং পূরেলমযুম' হায়বা যুম্নাক অসিসু শীজিন্নৈ। রাজকুমাব অসিগী পারী-পুবীগী হৌবকফম ওইরিবা শত্রুঘ্না শাই অসি যুবরাজ ওইবস্মী হায়দুনা 'যুববাজবংশ' হায়বগসু খঙনৈ। মহাক্কী পাবী-পুবীগী মনুংদা য়াওখ্রিবা পার্থ সিংহ হায়বা অসি মহাবাজ গম্ভীব সিংহগী মতমদা লৈরম্বনি। মহারাজসিগী মতমদা মহাক 'উরুং পূরেল' হাযবা ফম অসি পায়খি। মদুদগী লৌদুনা মাগী যুম্নাক অসি 'উরুং পূরেলমযুম' হাযবগসু খঙনৈ। বাজকুমাব মাইপাকসনাগী যুম্নাক অসি 'উরুং পুরেলমযুম' হায়রগসু কবিগী খঙনরিবনো হাযবগী অচৌবা মবম লৈ। মমাঙঙৈ নিংথৌ

পাল্লিঙৈ মতমদা 'উরুং পুরেল' হায়বা ফম অসি য়াম্না শক্তি লৈবা অদুগা লেমজনফমসু ওইবা ফম অমা ওইরম্মী। মণিপুরদা লৈবা উমংশিং অসিবু যেংশিনবা, ডাক- শেনবা অসিনচিংবগী থবক পাঙথোক্লিবা মীয়াম পুম্নমক অদুগী মকোক অদুবু 'উরুং পুরেল' হায়না খঙনরম্মী। উরুং-পুরেল হায়বা ফমসিগী মতাংদা ডা: এন ইবোবী সিংহগী "মণিপুর এদমিনিষ্ট্রেসন (১৭০৯-১৯০৭)" হায়বা লাইবিক্তুদা অসুম্না ইবি:

> "Urungpurel Forest Revenue Administration. During the Native Rule the Department of Forest was supervised by the Urungpurel Achouba (Chief Forest Officer). He was assisted by three officials, the Umangloi Hanjaba, the Umangloi Hidang and the Khoirungba. The Umangloi Hanjaba controlled and fixed the qualities of trees and bamboos. He would keep a record of the places where valuable trees and bamboos grew in different forest of Manipur The Umangloi Hidang was an assistant to the Umangloi Hanjaba . The duty of Khoirungba was to prepare schemes for increasing revenue from honey and wax. He was assisted by a number of men whose main function was to search for bee hives" (P 183 184, Reprint 2003)

মতম অমদদি যুবরাজ বংশ নত্রগা উরুং পুরেলময়ুম হায়বসি মীয়াম্না য়াম্না কন্না হায়নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি হায়নখিদ্রে। শুপ্নতগী আর কে (রাজকুমার) হায়বগসু শম্না খঙনরে। মতম অমদা 'আর কে' শিং অসি 'নিংথেমচানযুম' হায়বগসু খঙনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি মদুসু অয়াম্বনা তোক্লখরে।

মহৈ তম্লকপাঃ

রাজকুমার মাইপাকসনা সিংহনা তাইবঙদা থোঙদারকপা ইং ১৯২৪ অসি, মতমদুগী নোংচুপলোমগী শিক্ষা পরিংদা শিক্ষা ফংলক্লবা মীওইশিংনা মণিপুরগী লোন, সাহিত্য চাওখৎনবা কন্না হোৎনবগা লোয়ননা লৈবাক্কী ওইরিবা ফিভম্বু মীয়ামদা খঙহন্নবা য়াম্না কন্না ৱাখল তৌনরক্লবা মতমনি। ভারতবর্ষদনা মহাত্মা গান্ধীনা লুচিংদুনা ভারতকী নীং-তম আন্দোলন য়াম্না খুমাঙ

চাওশিন্না চঙশিল্লক্লবা মতম্নি। অনৌবা মণিপুরবু হীরম, কয়াদা লমজিংনবা হোৎনরম্বা জননেতা ইরাবতনা মণিপুরগী অহানবা চেফোংঙনি হায়না শীংথানরিবা "মৈতৈ চনু" হায়বা চেফোঙ অদু যাম্না কন্না ফোঙলিঙৈ মতমনি। মতম অদুদা মণিপুরগী সাসনগী চুপ্পি পায়বিবা বৃটিশকি রাজনীতি অসি মালেমদা থাক যাম্না ৱাংনা লৈরে। মালেমগী মিং লৈববা লৈবাক কযানা বৃটেনগী পোলিসি করিনো হায়বা কুপ্পা য়েংলর্বনি। বৃটেনগী রাজনীতিদা হান্নগী কঞ্জার্বেটিব অমদি লিবরেল অনিগী মথক্তা লেবর পার্টিগী মপাঙ্গল ফনা নীংথিনা হাইগৎলবা মতমনি।

অদুবু মণিপুরদদি মহৈ-তম্বগী মওং অসি মতমদুদা যাম্না নৌরি। অদুনা আর কে মাইপাকসনানা পোল্লকপা মতম অদুদা মণিপুরগী লৈরম্বা মহৈ মশিং তম্বগী মওং অদু নৈনর্দ্রিঙৈগী মমাঙদা লমদর্মাসিদা এদুকেসনগী ফিভম কবম্না লৈবম্বগে হায়বা অদুমসু চাউবাক্লা য়েংথোকপা যাই। মণিপুরদা ইশাগী ইয়োল অমসুং ইয়েক লৈজরম্লবসু মদু ইবা পাবা ঙমহন্নবা মীযামগী মবক্তা পাক-শন্না শন্দোক্লবা হোৎনবগী ৱাখল্লোন্দি লৈনখিবা উদে। অদুনা লাইরিক ইবা অমসুং ময়েক চৎপা হাযবা অসি মীওই খবগী খৃৎতা লৈখি। মণিপুরদা ইশাগী ময়েক অমা লৈজবকপদি মতম কুইবে। অদুবু ময়েক অদুগী মতেংনা মীযাম পুম্নমক ইবা পাবা ঙম্লবা হোৎনখিদে হায়বসি ইং ১৮৬৮-৬৯ গী মণিপুর পোলিটিকেল এজেন্সিনা মতমদুগী ভারত সরকারদা পীখৎপা এনুয়েল রিপোর্ট অদুদগী খঙবা ঙম্মী। হীরমসিগা মরী লৈনবা মতেক অমত্তং রিপোর্ট অদুদগী লৌথোকচবিঃ

> "Written character of the Munnipore language The Munnipories possess a written character of their own, which seems a modification of the Nagari. This character is said to be very ancient, only a few can write it. Of late years the Bengalee character has been chiefly used, except in cases relating to Manipur itself."

ৱাফমসিদগী খঙবা ঙল্লিবসি, মণিপুরদা ইশাগী ইয়েক অসি পাক-শন্না মীয়ামদা হৈহন্নবা হোৎনবদা পুক্নীং থৌগৎখিদে। মী খবদংনা ময়েক অসি ইবা পাবা ঙম্মী। অমরোমদা লমদমসিদা বেঙ্গলী ময়েক শীজিন্নবা অসি ১৯ শুবা

চঠী চাদগী হৌরক্লে। ফনা নীংথিনা মতম শাংখ্রে। মণিপুরদা লৈরম্বা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইবা ওফিসারশিংনা লমদমসিগী মীওইশিংবু নোংচুপলোমগী পথাপ্তা মহৈ তমহন্নবা হোৎনবদা মীতৈ মযেক শীজিন্নহনবগী মহুত্তা বেঙ্গলী ময়েক শীজিন্নহনবা অসিনা মরম ওইরদুনা মীতৈ ময়েকপু কাউখিবা অমবোমদনা বেঙ্গলী ময়েক হৈনখিবা অসি মতম য়াম্না শাংখ্রে।

চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজগী মতমদদি মণিপুর অসি বৃটিশকা যাম্না নকশিন্নবা মরী লৈনবে। অদুবু নোংচুপলোমগী শিক্ষা পথাপ্তা মহৈ তম্বগী নিয়ম হৌদোকসি, স্কুল লিংখৎসি হায়না সার জেমস জোনস্তোনগী মমাঙদা লৈবম্বা পোলিটিকেল এজেন্টশিংনা হৌদোকপা ৱাফমশিং মণিপুরগী মহারাজ অমদি ফম্নাইবশিংনা যাখিদে। অদুবু সার জেমস জোনস্তোননা কন্না হোৎনবদগী, মতম অদুগী মণিপুরগী ফম্নাইবা অহুম হায়বদি, থঙ্গাল জেনরেল, বলরাম সিংহ অমদি লোংজম রোমা সিংহ অহুমগী মতেংদগী মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি সিংহগী অয়াবগা লোইননা ইং ১৮৮৫ দা জোনস্তোন স্কুল অসি লিংখৎখি। মদুদগীদি তপ্না তপ্না স্কুল মথং-মথং লিংখৎনখি। জোনস্তোন স্কুল লিংখৎত্রিবৈগী মমাঙদা মণিপুরদা স্কুল লিংখৎসি হায়বা যাদবগী মতাংদা জোনস্তোনগী মমাঙদা লৈবম্বা পোলিটিকেল এজেন্ট ডা: এল ব্রাউননা ইং ১৮৬৮-৬৯ দা ভারত সরকারদা পীখৎপা এনুয়েল রিপোর্টতা এদুকেসনগী মতাংদা পনবা ৱাফম মতেক অমা যেংবা য়াইঃ

> "Education The question of education may be dismissed in a very few words. There are no schools, or any wish for them on the part of the authorities About a year ago I had an offer of assistance in forming a school in Munnipore, but the offer was declined by the Munnipories; who said they preferred remaining ignorant. So illiterate are they that some of the highest officials can neither read nor write, and are not a whit ashamed of their want of knowledge."

সার জেমস জোনস্তোন্না ৱানা হোৎনদুনা মাগী মিংদা স্কুল অমা ইম্ফালদা লিংখৎথ্রবসু অনৌবা স্কুল লিংখৎপগী খোঙজেল য়াম্না থুনা-যাংনা লাকখিবদি নত্তে। অদুম ওইনমক ইং ১৮৯১ দা মণিপুরনা বৃটিশকি মখা পোনবা লৈবাক অমা ওইনা লৈথ্রবা অদুগী মতুংদগীদি খোঙজেল অসি খরা য়াঙখৎলকখি।

অদুনা ইং ১৮৯৪-৯৫ দদি মণিপুবদা জোনস্তোন স্কুল য়াওনা স্কুল ৬ লৈখি। মথংগী চহী ইং ১৮৯৫-৯৬ তা স্কুল অনিগা লিংখৎতুনা স্কুল ৮ য়ৌখি। হায়বিবা স্কুলশিং অসিগী মনুংদা, জোনস্তোন স্কুল অমদি অতোপ্পা প্রাইমারী স্কুল ৪ খক্তা পুন্না স্কুল ৫ না ইম্ফালদা লৈ। অদুগা অতোপ্পা স্কুল অহুম অদুনা মাও, মোইবাং অমসুং ফোইচিংদা লৈ।

ইং ১৮৯৫-৯৬ হৌগৎলকপদা জোনস্তোন স্কুল অসি মিদল ক্লাস ইংলিস স্কুল থাক্তা ওনখৎলে। মতমদুদা নুপীনা মহৈ-মশিং তম্বদা খুদোংচানবা নুপী স্কুল অমা লিংখৎনবগী রাফম এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়াম্না কন্না খন্নবা হৌরে। অদুমকপু নুপীগী ওজা ফংবা ঙমদবদগী স্কুল অদু লিংখৎপদা খুদোং চাদ্রে হায়না মেজর মেক্সরেলগী রিপোর্টতা পল্লি।

জোনস্তোনগী স্কুল লিংখৎপ্রবগী মতুংদগী তপ্না তপ্না লাকখিবা স্কুল লিংখৎপগী খোঙথাং অদুগা স্কুলশিংবু অপগ্রেদ তৌরকপা অদুনা মবম ওইবদুনা লমদমসিগী মীওইশিংগী মবক্তা মহৈ-মশিং তম্বগী চাং অসি হেনগৎলকখি। অদুনা ইং ১৯১০ দদি মণিপুবদা মেত্রিক পাস তৌবা মীওই অহানবা ওইনা লৈবা হৌরে। হৌজিক্তা বঙ্গলাদেশ হায়না খঙনরবা লমদমসিগী মনুংদা লৈবা সিলেট (শ্রীহট্ট) হায়বা মফমদুদা চৎলগা মহৈ তম্নকুবা মীওইশিংগী মবক্তা মেত্রিক পাস তৌবা যাওনবকখি। মতমদুদা মণিপুবদা মেত্রিক ফাওবা তম্বা য়াবা স্কুল লৈত্রি। মণিপুবদা মেত্রিক থাবা যাবা স্কুল লৈবকপসি ইং ১৯২১ দগীনি। জোনস্তোন স্কুলবু হায়স্কুলগী থাক ফাওবা পুখৎতুনা চহীদুদগী অহানবা ওইনা মেত্রিক থাবা যাখি। মদুগী মমাঙর্দদি সিলেট নত্রগা শিল্লোংনচিংবা মফমদা চৎতুনা মেত্রিক থানৈ। মেত্রিক পাস তৌরবা মতুংদা মখা মহৈ তমথগে হায়ববদি য়াম্না তঙাই ফদনা মপান্দা চৎপা তাই। মণিপুবদা কলেজ তম্নবগীদমক্তি য়াম্না থেঙনা মহাবাজ বোধচন্দ্রগী মতমদা ইং ১৯৪৬ তা ধনমঞ্জুরী কলেজ অসি লিংখৎখি। অদুবু মণিপুবদা অৱাংবা থাক য়ৌনবা মহৈ তম্বগী কলেজ লৈত্রবসু, মপান্দা চৎতুনা মহৈ তম্লকপশিংগী মনুংদা যাইস্কুলদা লৈবা সৌগাইজম সমবেন্দ্র (সনাজাউবা) সিংহদি ইং ১৯২০ দা বি এ পাস তৌখি। মহাকসি মণিপুরগী ইহান হানবা বি এ নি। মহাক্তা বি এ পাস তৌবা চহী অসিদা মণিপুরদা মেত্রিক থাবা য়াবা স্কুল লৈত্রি।

ওল্লিঙৈ মতমদা, মণিপুরগী লোন অমদি সাহিত্য চাওখৎহন্নবা হোৎনরম্বতা নত্তনা মালেমদা লৈবা চাওখৎলবা লৈবাক অমদি মালেমগী চাওখৎপা হায়বসি মসিনি হায়না লমদমসিগী মীওইশিংদা খৃৎনা থিন্দুনা তাক্লবা হোৎনরম্বা মীওই খবা লমদমসিদা লৈখি। মখোয়গী মতাংদা শম্লপ্পা রাফম খবা থমজরি।

মণিপুরগী মিং লৈববা অইবা খ্বাইবাকপম চাউবা সিংহ হায়বসিসু অদুগুম্বা মীওইশিং অদুগী মরক্তা অমনি। মহাক ইং ১৯১৮ দা শিল্লোং গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলদগী কলিকাতা য়ুনিভর্সিতিদগী মেট্রিক পাস তৌবকখি। মহাক্কি মতুংদা, মণিপুরী সাহিত্যগী মিং লৈববা কবি ডাঃ লমাবম কমলসু স্কুল অদুমক্তদগী ইং ১৯২২ দা মেট্রিক পাস তৌখি। মণিপুরগী জোনস্তোন স্কুল অসি ইং ১৯২১ দগী মেট্রিক থাবা যাবক্লসু মহৈবোইশিং অদু মণিপুরী লোল তম্না ফংদে। মদুগী মরমদি, স্কুল অসিনা এফিলিয়েট তৌবিবা কলিকাতা য়ুনিভর্সিটিনা মতম অদুদা মণিপুরী লোল অসি ভার্নাকুলর অমা ওইনা মশক খঙদ্রি। মণিপুরী লোলবু য়ুনিভর্সিটি অসিনা মশক খঙদবগী মরু ওইবা মরমদি তম্নবা লাইরিক (টেক্স বুক) শিং লৈতবদগীনি। অদুবু মতম অদুগী মণিপুরগী অখঙ অহৈশিং অমদি মণিপুর স্টেট দরবারনা যাম্না কন্না হোৎনবদগী ইং ১৯২৪ দগী মণিপুরী অসি ভার্নাকুলর সবজেক্ট অমা ওইনা মেট্রিক পরিক্ষা থাবা য়াখি। অদুনা রাজকুমার মাইপাকসনানা পোকপা চহী অসি মণিপুরী লোলগীসু কলিকাতা য়ুনিভর্সিটিদা ফিদা অমা ফংবা চহীনি। মণিপুরী লোল অমসুং সাহিত্যগী ইতিহাসতা মিং লৈবা চহী অমনি। লোল অসি য়ুনিভর্সীতিনা শকখঙলবসু মদুগী তম্নবা মতিক চাবা টেক্সবুক লৈতবদগী সবজেক্ট অসিগী রাহংশিং অদু অনসিন সোর্স (unseen source) তগী হংঙি। ফিভম অসি উবদা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবশিং -- কবি চাউবা, ডাঃ কমল, অবাম্নম দরেন্দ্রজিৎ, হরাইবম নবদ্বিপচন্দ্র অসিনচিংবশিংনা অরাৎপা মেনশিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মখোয়না ইবা লাইরিক কয়া ফোঙখি। সরকারনসু মখোয়বু পুক্নীং থৌগৎপা থবক কয়া লৌখৎখি।

মণিপুরদা স্কুল লিংখৎখ্রবা অদুগা মতুংদা বৃটিশকী শাসন লাকখ্রবা অদুদগীদি লমদমসিদা মহৈ তম্নগী খোঙচৎ অসি তপ্পী হায়বা যারক্তে। ইং ১৮৯৪-৯৫ তা মণিপুরদা স্কুল ৬ খক্তমক লৈখিবা অদুনা, মণিপুরদা লৈবা স্কুলদগী মেট্রিক থাবা য়াবা য়াওনা ইং ১৯২১ দদি স্কুল ৯৭ লৈরে।

বৃটিশনা পাল্লিগৈ মতমদা মণিপুরগী ইকোনোমি অসি য়াম্না ফত্তে। অদুবু লাযববা প্রজাশিং অদুনা মখোয়গী মচা মশুশিং অদুবু মহৈ তমহনবগী রাখল লৈবা মরম্না চহি ২৫ রোমগী মনুংদা স্কুল মশীঙ ৬ তগী ১০০ রোম য়ৌখিবনি। বৃটিশকি মতমদা প্রজাশিংগী ইকোনোমিবু নৈহৎতুনা থম্বী হায়বা অসিবু হকথেংননা থেংনহৌবা, মতম অমদা মণিপুবগী মহারাজ বোধচন্দ্রগী এ দি সি ওইবম্বা, মতুংদনা সেন্ত্রেল লাইব্রেরীগী চীফ লাইব্রেরীযান ওইরম্বা এম আনন্দমোহননা অসুম্না হায়বম্বা ৱা অমা লৈঃ

> "Manipuris became a subject race and their economy was exploited by the British and their henchmen coming from India" (A Dorendrajit Singh, Makers of Indian Literature, P.1)

রাজকুমাব মাইপাকসনা পোক্লকপা অমসুং মদুগী মমাঙ মতুং অদুৱাইদা মণিপুবগী ফিভম কবম্না লৈবম্বগে হাযবগী চাউরাকপা ফিভম অমা খঙবা ঙম্নবগীদমক, মতম অদুগী সমাজগী ফিভমগী মতাংদা ৱাফম খবা পঞ্জারিবনি। বৃটিশনা পানবা মতমদা মণিপুরগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমদ্রবসু য়ুমলোন্নবা লমদমশিংগা লল্লোন-ঈতিক তৌনবগী মরীদি খবা ফগৎহনবা ঙল্লে। লল্লোন-ঈতিক্কী ফিভম খবা ফগৎপা ঙল্লিবসি, ইম্ফাল-দিমাপুর অমসুং ইম্ফাল-জিবিবাম লম্বী অনীসিগী ফিভম খবা ফগৎহনবা ঙমখিবদগীনি। অচৌবা তুবেল খরা লৈবনা ইম্ফাল-জিবিবাম লম্বীদা যণগাড়ি চৎপা য়াদ্রগসু, ইম্ফাল মাও লম্বীদদি ইং ১৮৯৬ তগী যণগাড়ি চৎপা য়াখি। অদুগা ইম্ফাল দিমাপুব লম্বীনা ইং ১৯১৩ য়ৌবকপদদি হৱাগাড়ি (Motor Lorries) চেনবা য়াখি। মসিনা লল্লোন-ঈতিক্তা যাম্না খুদোং-চাবা পী। কারবাবগীদমক লম্বী অসিদা গাড়ী চেনবগী চাং অসি চহি খুদিংগী হেনগৎখি। ইং ১৯২৮ গী মার্চ ফাওবদা পুন্না গাড়ি মশীঙ ৭৯ লৈবম্বদুনা চহী অনিগী মনুংদা হায়রবদি ইং ১৯৩০ গী মার্চ লোইবকপদা গাড়ি মশীঙ ১৫৬ য়ৌখি। (Dr. Basanta, Socio-Economic Change in Manipur)

মতম অদুদা মণিপুরনা মপানগী লমদমগা লল্লোন-ঈতিক তৌনবা অসিদা মণিপুরগী মরুওইবা কারবাবগী পোৎলম হায়বদি মপান্দা পুথোকপদা শেন্দোং ফংলিবসি চেঙনি। ইং ১৯২৪ দা চেঙ মন লাক্ষ ২ গী ময়াদা মণিপুরদগী থাদোকই হায়।

অসুম্না মণিপুরগী চাকহোঙ-ঙাহোঙবা তাঞ্জা অমদা পোকখিবা রাজকুমার অসি মপাবুং সনাহল গুনেশ্বরগী মিৎযেং মখাদা মহৈ তম্লকখি। মহৈ তম্বা মতমদা খোঙনা শাংনা শাংনা চৎলি মহাক্না পীক্লিঙৈদগী হৌরগা হায়স্কুলগী থাক ফাওবা তম্লকপা অদুদা মণিপুবগী রাজনীতিদসু তোঙান-তোঙানবা থৌদোক কযা থোকখ্রে।

নীংশিংবা থোক্কবা মতমদগী হৌবগা মণিপুর অসি নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈবকপনিনা, লৈবাকসিগী ইতিহাসতি নিংথৌগা শাগোন্নবা ইতিহাস ঙাক্কনি। দেমোক্রেসিগী মরুমদা প্রজানা প্রজাগী সাসন তৌজবগী মহাও তংবা ফংলকপা অদুদি ঙসি ঙরাংতগী ৱানি। মণিপুবগী নিংথৌগী শাংলবা লৈঙাক শাসন অদু লোইশিন্দুনা দেমোক্রেসিগী মরেক-মহাও লৈবা শাসন অমা লৈবক্লবগী মরুহুনবা হৌখিবসি ইং ১৯৩৪ দা মণিপুবগী মহাবাজ চুড়াচান্দ সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা শেমখিবা ''নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা'' হায়বা অদু শেম্লকপদগীনি। বাজকুমাব মাইপাকসনানা মশাগী চহী ১০ রোম শুরকপা মতমদা লিংখৎখিবা 'মহাসভা' অসিনা ইং ১৯৪৬ তা 'মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেস পার্টি' হায়বা পোলিটিকেল পার্টি অসি ওলহন্নবা হোৎনবদা মাইপাকসনাগী অচৌবা বোল য়াওবে।

মহাক মশামক হকথেংননা বাজনীতিদা যাওদ্রগস্ ইং ১৯৩৮ যৌরকপা অদুৱাইদদি মতম অদুগী রাজনীতিদা খোঙদাববা হিজম ইবাবত, এলাংবম তোম্পোক্লচিংবগা শকখঙনদুনা মখোযগী তুং-ইনবা ওইনা থবক তৌবা হৌরক্লে। মতম অদু মহাক্না হায়স্কুল তম্লিঙৈগী ৱানি। বাজনীতি তৌরবশিংগা শম্নজরবসু মহাক্কী মহৈ তম্নগী খোঙচৎতি অকায়বা লৈহন্দে। অদুনা ইং ১৯৪২ দা মহাক কলিকাতা যুনিভর্সিটিগী মখাদা চুডাচান্দ হায় স্কুলদগী মেত্রিক পরিক্ষা পাস তৌখি।

রাজকুমার অসিনা মেত্রিক পাস তৌবা মতম অসি মালেমগী ওইনা যাম্না চবাংনবা মতমনি। মালেমগী ওইবা অনিশুবা লাঞ্জাউ অদু মণিপুরদসু যৌরকখি। মহাক্না মেত্রিক পাস তৌবা ইং ১৯৪২ অসিমক্কী মে ১০ দা জপান্না ইহান হান্না ইম্ফালদা বোম থাদখি। ইম্ফালদা লৈবা মীয়াম্না মাগী মাগী খুদোং চাগদবা য়েংদুনা লাঞ্জেন্নখি। লাঞ্জেন্নবা অদুদা মাইপাকসনা অমদি মাগী মচিন মনাওশিংসু য়াওখি। লাঞ্জাউ অদুনা মরম ওইরদুনা লমদম অসিগী নহারোলশিংগী মরক্তা

কন্না লাকপা হৌবিবা মহৈ তম্বগী খোঙচৎতা অকায়বা কয়া লৈখি। অদুবু লাঞ্জাউ মতুংদগীদি মহৈ তম্বগী খোঙজেল য়াংখৎপা হৌখ্রে।

বাজকুমাব মাইপাসনানা মেত্রিক পাস তৌবা চহি ইং ১৯৪২ অদুগী মমাঙ ইং ১৯৩৭ তা মণিপুরদা হায় স্কুল ৫ প্রাইমাবী স্কুল ২১৫ লৈরে। (Commemoration of 50th Anniversary of India's Independence, Manipur p. 33) মণিপুবদা হায স্কুল ৫ রোম লৈবক্লবা মতমদুদা কলেজ অমা লিংখৎনবা, মতম অদুগী লাইরিক লাইশু হৈবা নহারোলশিংনা য়াম্না কন্না হোৎনবম্মী। অদুবু লানগী মতম ওইবনিনা খোঙজেল যাঙখৎপদি ঙমখিদে। অদুবু মরক অদুদা মহাবাণী ধনমঞ্জুবীনা কলেজ অদু লিংনবা লুপা লিশিং তরা দান তৌরকপদগীদি লান লোইশিনখ্রবা মতুং ইং ১৯৪৬ কী আগষ্ট থাদা হৌজিক লৈবিবা ধনমঞ্জুবী কলেজ অসি লিংখৎখি। কলেজ অসি হেক লিংখৎখিবগা বাজকুমাব মাইপাকসনাসু মদুদা মিং চন্দুনা মহৈ তম্লগা ইং ১৯৪৮ দা আই এ অমদি ইং ১৯৫০ দা কলিকাতা যুনিভর্সিটিগী মখাদা বি এ পাস তৌখি। মহাক্না দি এম কলেজদা আই এ তম্বা মতমদা লৈখিবা মহৈবোই মশীঙ শুপ্পতগী ৬০ খক্তনি। মদুগী মনুংদা মহাক ইকোনোমিক্স অমসুং ফিলোসোফিগী মহৈরোই ওইনা বি এ পাস তৌখিবনি।

মাইপাকসনাগী অপোকপা সনাহল গুনেশ্বরঃ

মাইপাকসনানা অঙাং ওইরিঙৈ অমদি মহৈ তম্লিঙৈ মতম অসি, মণিপুবগী ইতিহাসতা য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্কক অমনি। মণিপুরনা চহী লিশিং অনিরোম নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইনা লৈকুরবা মতুংদা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইনা লৈরকপা অদুগী মওং-মতৌ অমদি ইতিহাসকী পবিং অদু য়েংগে হায়রবদি ইং ১৮৯১ দা মণিপুবনা বৃটিশকী মখা পোনবা লৈবাক অমা ওইনা লৈখিবদগী মণিপুরনা পাক-চাউরবা ভারতকী শকুক অমা ওইনা লৈখিবগী চহি ৬০ বোমগী বাজনীতি অমদি ইতিহাস অসি মশক খঙদবা যাদে। হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী অমাঙ-অতোং অসি হাযরিবা চহি ৬০ অসিগী মনুংদা শেমখিবা লৌবুক অমদি মদুদা থাখিবা মহৈ-মবোংশিং অদুগী পোৎথোক ঙাক্তনি।

মণিপুব ইতিহাসকি তাঙ্কক অসিদা য়াম্না কন্না নৈনবা য়াবা ৱাফম অমনা নিংথৌগী শাসনগা দেমোক্রেসিগী শাসনগা কনানা হেন্না ফবগে হাযবা

অসিমসুনি। লৈবাক অমগী অফবা শাসন হায়বা অসি শাসন অদুবু পায়রিবা অঙম-অথৌশিং অদু নুংঙাইবা নত্তে; লৈবাক অদুদা লৈরিবা প্রজা কাংলুপ পুম্নমক অদু নুংঙাই-য়াইফনা লৈহনবা হায়বা অসিনি। নিংথৌ পানবা অমদি দেমোক্রেসি চৎপা হায়বা অনিসিগী উনফম লাংদাই অমদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুদগী মণিপুরনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইখ্রবা হেক মতুংদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসি কুপ্না মচা খায়না নৈনবা মতমদা শাসন মখল অনিসিগী তোঙান-তোঙানবা মহাওশিং অদু ফংবা ঙমগনি।

মণিপুরনা বটিশকি মখুৎতগী ইং ১৯৪৭ কি আগষ্ট ১৫ দা মনীং-তম্না ফংলবা মতুংদা মশা মতোনদোম দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইনা লৈজবা যাগদ্রা হায়বা অসিসু নৈনবা যাবা রাফম অমনি। অমবোমদা অমুক ইং ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দা মণিপুরনা ভারতা পুনখিবা অদুগী মওং-মতৌ কিভম কয়া অদুমসু তৌজিক্কি অনৌবা মীবোলনা কুপ্না নৈনবিবা অদুগা হঙ্গৎনবা যেংনারিবা ইতিহাসকি পন্দুপ অমনি।

মণিপুরদা দেমোক্রেসি লাক্লবগী অহানবা খোঙতৌ অমা ওইখিবা ইং ১৯৩৪ গী নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী মীফম অদুদা, মীফমগী সভাপতি ওইখিবা মহারাজ চুড়াচান্দ সিংহগী অয়াবগা লোইননা সনাহল গুনেশ্বরনা মণিপুরগী অবিবা মতমদগী শীজিন্নবক্লবা থাঙ-তা, মুক্রা, কাঙজৈলাংবা কয়া অসিগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা “সৎজাল” হুয়েন লাংলোন হায়বা অসি কবিতো হায়নদু ফোঙদোকখি। হায়বিবা আর্ট ফোর্ম অসি মাঙ্গহন্দনা থম্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীননা মহারাজ চুড়াচান্দগী পুক্লীং চিংশিনখি। সনাহল গুনেশ্বরগী রাফমসিদা মহারাজনা পেনবীখি। মসিগুম্না মতৈ অসি অনৌবা মীবোলশিংদা শন্দোক্লবগী পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা লুপা ৭৫০/- সু মতেং পীখি। মহাসভাগী মীফম অদুনা লৌখিবা রারেপশিংগী মনুংদা ‘সৎজাল’ হায়বা মতৈ অসি চাওখৎনবা হোৎনবগী রারেপসু য়াওখি। রারেপ অদু মীফমদুদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা সৌগাইজম সমরেন্দ্র সিংহ বি এ মেম্বর মণিপুর ষ্টেট দরবার অমদি ফুরাইলাৎপম অতোম্বাপু শর্ম্মা রাজপণ্ডিত অনিনা পুখৎলগা লৌখিবনি। মহাসভাগী রারেপসিগী মতাংসি রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বরনা ইরগা ইং ১৯৭০ দা ফোঙখিবা ‘সৎজাল’ হায়বা লাইরিক অদুগী রাহৌদোক ইবদা অইবা মশানসু ফজনা ফোঙলি।



রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বর, ১৯৪৪ ইং

ইং ১৯৩৪ গী মহাসভাগী মীফমদা সনাহল গুনেশ্বরগী সৎজালগী আর্ট ফোর্ম অসি পুথোরকপদা মহারাজ চূড়াচান্দ সিংহ পেনবগী ঙমখৈ লৈবমদে। অদুনা 'হুয়েন লাঙ্গং ফবা' হাযরগসু খঙনবা মহারাজ অসিনা সনাহল গুনেশ্বরনা সৎজালগীদমক হোৎনবক্সিবা কয়া অদুসু মহারাজনা হান্নদগী খঙদুনা লাক্লবনি। অদুনা মহাক্লা হোৎনরিবা অসিগী মতাংদা মহারাজ অসিনা ইং ১৯৩৪ গী এপ্রিল ১০ দা ইখিবা রাবোল অমা সনাহল গুনেশ্বরনা মশাগী খুৎইদা রেকোর্দ তৌদুনা থম্লি। মহারাজগী রাবোল অদুদগী শরুক খরা লৌখৎচবিঃ

> "The ancient history of my country as well as personal protess of the art of Meitei Huyen Langlon. gives me very great pleasure to write a brief note to the art introduced by Rajkumar Sanahal Guneshwor Singh of Imphal, Manipur
>
> This art has been generally acquainted only with the Royal Dynasty and is very rare among the general people of this country So, it has generally been inherited to the ruling Chiefs but during the early part of the 19th century when this country was in Burmese invasion, the records of this valuable art was lost but by chance it was found out from a royal family by the Rajkumar, thus he is only the person who maintain this art and who is thus exceptionally well qualified for a commission of the art in the country
>
> Irrespective of consideration, I have no hasitation in recommending the publication of the art 'Langlon' as the most valuable contribution to my people as well as to the people of India"

রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বর অসি মহারাজ বোধচন্দ্রগসু য়াম্না নকশিন্নরম্মী। মহারাজ অসিগী প্রাইভেৎ পার্সোনেল এসিষ্টেন্ট ফাওবা ওইরম্মী। রাজকুমার অসিনা হুয়েন লাংলোনবু যোকখৎনবা হোৎনরিবা অসিগী থবকপুসু মহারাজনা পুক্নিং থৌগৎলম্মী। ইং ১৯৪১ গী সেপ্তেম্বর

থাদগী নিংথৌ ওইবা মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহনা ইং ১৯৪২ গী মার্চ ৫ দা রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বর সিংহ অমদি হুয়েন লাংলোনগী মতাংদা ইবা রারোল অমসু সনাহল গুনেশ্বরনা মশাগী খুৎইদা থনন্মী। মহারাজ অসিগী রারোলদু মখাগীসিনিঃ

"Rajkumar Sanahal Guneshwar Singh of Imphal is my private personal Assistant, being the only best expert in Meitei Huyen Langlon, the extraordinary art used in self-defence by our forefathers since the time immemorial.

I have known this Rajkumar intianitely and personal witness to his experience and experiment in the use of Langlon tricks. This Rajkumar is specially well qualified and competent for publication of this art if he wishes in the interest of the people

This gentle art Langlon can be easily practiced without a strong physical force. it may be practised lightly and softly It may be avoid stiff and heavy moment So this art can be practised, by both sexes without consideration of age

Bodhchandra Singh

Imphal
The 5th March, 1942

Huyen Keiren Lanthouba
His Highness
The Maharaja of Manipur

অসুম্না মণিপুরগী অবিবা আর্ট ফোর্ম অমা ওইবিবা হুয়েন লাংলোনগী মতৈ অসিবু নিংথিনা শন্দোক্লবা হোৎনরম্বা সনাহল গুনেশ্বরনা সৎজালগী মরমদা লাইবিক ইদুনা খরদি ফোঙলম্লে। অদুগা আর্ট ফোর্মশিগী মতাংদা খুৎয়েক কয়া য়েক্নুনা তাকপা লাইরিক ইদুনা থনম্লে। লাইরিকশিংদু খবদি মহাক্কী সেবকশিংগী খুৎতা হৌজিক লৈরি।

মহাক্না থনম্বা খুৎই লাইরিক অদুদগী লৌথোকপা খরা পুথোকচরিঃ

সাংখ্যন অহানবা

অহানবা খোজম   অসুনবা খেতখোন

খোজম ৩।   ১দা খোঙ (ওই+থে), ওই কোন্না মিয়ৈবা
খাংখোন ৩।   ২   থে টিংনা মারবা।
১   (ওই+থে) থে কোন্না মিয়ৈবা
৩   ওই টিংনা মারবা।
১   (ওই+থে) ওই অমুম্না ১দা খোঙ
অনিদি মন্নবা ... মুং ...
মন্না মন্না টিংনা মাকচুনা মাক্তেম
তৌগনি।

মমগী খোঙখোনদি মন্না মন্না থম্না মুনা চমুনা
মাক্তেম তৌগনি, অমুম্না মাক্তেম তৌরবাদা খোঙ
অমি চেংদ্রবা থাদে।
খোঙবী অনিগী মখাতনা নিবাই তাহুনা মাক্তেম
তৌগনি। মখা অমুম্না নিবাবা চাবা থাদে, অমদি
মুনা মাক্তেম তৌবা থাদে।
ফীরমদি মখাবা খোংখোক্না, মুংখাবা চানা, খোংখোম
ওইখোম নিবম নিবম নিমনি। খোঙজম ২৩দা
মারবা খোঙদি টিংনা মাকচুনি। ... নমৈবা
কোন্না মাথনি।
মমগী খোংখোনদি মাংখোম চঙশিনবা অমমু,
মুংখোম ইন্দোবাসা মাক্তেনসু তৌবা থাদে।

রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বরগী মরুওইবা শীনফমদি, সরকারগী রেভিনিউ দিপার্টমেন্টতা অমিন ওইনা থবক তৌবা অসিনি। মণিপুরদা লাইরিক তম্নবা স্কুল মরাং কাযনা লৈত্রিঙৈ, ইং ১৯২৪ হায়বদি মহাক্কি মচানুপা অহল মাইপাকসনা পোকপা চহীদুদা মহাক মেত্রিক পাস তৌখি। অদুনা মণিপুরগী অরিবা মেত্রিক পাস তৌবা মীওইশিংগী মরক্তা মহাকসু অমনি।



শগোল কাংজৈ অহিংবদা তোংবা রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বর সিংহগা লোয়ননা মানিঙ্গা যাইমা মধুসনা অমসুং য়ুম্লাম হুইদ্রোমদগী শগোল শেন্নবা য়ুম্লাম তুল সিংহ ১৯৪৫ ইং

মণিপুরগী লৌকাংশঙ হায়বা ওফিস লৈখিবা অসি ইং ১৮৯২ দগীনি। ইং ১৮৯১ দা মণিপুরনা ব্রিতিশকি মখা পোনবা লৈবাক ওইনা লৈখ্রবা মতুংগী মথং চহিদা মতম অদুদা, মণিপুরদা পোলিতিকেল এজেন্ট ওইনা লৈরম্লা মেজর মেক্সরেলনা, মণিপুরগী মমাংথৈদগী চৎনরক্লবা 'লালুপ' হায়বা চৎনবী অদু মুথৎলগা য়ুমথোং খুদিংদগী চহীগী টেক্স (হাউস টেক্স) হায়বদু লৌবা হৌখি। হাউস টেক্সনা চহীদা য়ুম অমদা লুপা ২/- অদুগা লৌ উনবা লৌবুক্কীনা পরিদা চহীদা লুপা ৫/- লৌবা হৌখি। হাযরিবা টেক্স খোমগৎপগী থবক অসি নীংথিনা চৎথবা য়ানবা, লৌমপুগী লৌফমশিং অদু নাখৈ শেংনা থম্নবা অদুগা লম খোপচিল্লগা লৌ উশিনবনচিংবা তৌবা যাওবল্লবদি মদু থিংবা ঙম্নবা থবক লৌখৎনবগী 'আমিন' হাযবা ফম অসি অহানবা ওইনা ইং ১৮৯৪-৯৫ দগী শেমখি। হৌজিক ফাওবদা চৎনরিবা, মী অমগী পাট্টাদা লৈরিবা লম অদু ওন্থোক্লগা লমগী ঙমখৈ অদু মফম খঙনা মপু অদুদা পীবগী থবক অসি মতম অদুদগী তৌবা হৌখি। অদুনা আমিনগী থবক অসি য়াম্না মক ওইবা থবক ওইবকখি। লৌকাংশঙ হায়বা অসিনা সরকারগী লনগৈদা টেক্স কাহনবা লোইশঙ অমা ওইবকপনিনা লোইশঙ অসিসু য়াম্না মরূ ওইবা লোইশঙ অমা ওইনা লৈরকখি।

যুম-ইংখোল ওইনরিবা লমগী মপু নত্রগা লৌ উনরিবা লৌবুক্কী মপুদা লম নত্রগ লৌফম অদু নিংথিনা ফংহনবা য়ানবা, অদুগা লৌরাংশঙগী থবকসু হেন্না মপাঙ্গল কন্না তৌবা ঙম্লবা, মণিপুব তম্পাক্কী লম পুন্নমক অসি সার্ভে তৌথোক্লগা রেকোর্দ অমা থম্বা চুম্মী হায়বসি মতমদুগী সরকারনা ৱাখল খল্লম্মী। ৱাখল অদু থবক ওইনা পাংথোকপা ঙম্লব ইং ১৮৯৬-৯৭ তা ষ্টেট সরকারনা সব ৰুদিপুতি কল্লেক্টব (এস দি সি) গী ওফিস অমা হাংদোক্লবা ৱারেপ লৌরম্মী। হায়বিবা ৱারেপ অসি ভারত সবকারনসু য়ারদুনা, ফম অসি পায়নবা বাবু বাজকুমার রাই কৌবা মীওই অমবু হাপ্লম্মী। হায়রিবা বাজকুমার রাই অসি ইং ১৮৯৭ কি আগষ্ট ২ দা ইম্ফালদা থুংলখি। (মনিমোহনঃ নুপীলাল) লাক্লিবা এস দি সি অসিনা অমুক পঙ্ভবা তৌদনা মণিপুব তম্পাক্কি লমশিং মথং মথং ওইনা সার্ভে তৌবগী থবক লৌখৎপা হৌখি। মতুংদা লৌরাংশঙগী থবক হেন্না পাকথোক-চাউথোকহন্নবগী অনৌবা মী লৌরকপা মতমদা সনাহল গুনেশ্বরসু 'আমিন' ওইনা সরকারগী থবক্তা চঙখির্বনি। মদুদগী মহাক্কী মমিং অসি মীয়ান্না 'আমিনসনা' হায়রগসু খঙনখি।

সনাহল গুনেশ্ববনা মেট্রিক পাস তৌবা চহী ইং ১৯২৪ অসিদা পূন্না মীওই ১৩ মেট্রিক পবিক্ষা থাখি। মখোযগী মনুংদা ১০ না ফার্ষ্ট দিভিজন্দ পাস তৌবগা লোইননা সেকেন্দ দির্ভিজন্দা ১, থার্দ দির্ভিজন্দা ১ পাস তৌখি। ফেল ওইবা ছাত্র শুপ্নতগী অমখক্তনি। মতমদুদা মেট্রিক ফাওবা তম্লক্তুনা মেট্রিক ফাইনেল ফম্লক্লবা হায়বসি লোইনা মচং ঙাক্তনি। খরা হেন্না হোৎনবা কনখিবা কাঙবু অদুনা ফার্ষ্ট দিভিজন্দা পাস তৌখিবনি। অদুবু মতমদুগী সোসিয়েল সিস্তেম অদুদদি মেট্রিক্কি ফাইনেল পাবিক্ষা ফাওবা ফম্লক্লবা মহৈরোই হায়বা অসি লোইনমক, হোৎনবা কল্লবা অমদি অখাঙ কল্লবা ঙাক্তনি। নত্রগদি থাক অদু য়ৌবা ঙমদনা লমখাঙদা লৈহৌবনা অয়াম্বনি।

রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বরনা মণিপুরগী য়াম্না ঙল্লিবৈঙে মতমদা মেট্রিক পাস তৌবা মীওইশিংগী মবক্তা অমা ওইখিবনা অদুগা মহাক্না মেট্রিক পাস তৌবা চহী অদুমক্তদা পোকখিবা মচা নুপাসু ওইখিবা মরম্না, রাজকুমার মাইপাকসনাগী মহৈ তম্বদা মহাক থোইদোক্না পূক্নীং চঙখি। অদুনা মাইপাকসনাদি মশাগী চহী ১৮ শুরকপা ইং ১৯৪২ দা মেট্রিক পাস তৌখি।

সনাহল গুনেশ্বর সিংহনা থবক তৌরিবা লৌরূংশঙ অসি মণিপুরনা বৃটিশকি মখা পোনবা লৈবাক অমা ওইনা লৈখ্রবা হেক মতুং ইং ১৮৯২ দা লিংখৎখিবনি হায়বসি মথক্তসু পনখ্রে। মণিপুর ইতিহাসতা য়াম্না ঙল্লিঙৈ, নোংদা লাইরেন পাখংবনা নিংথৌ ওইরিঙৈ মতমদগী চৎনদুনা লাক্লবা 'লালুপ' হায়বা অদু মুথৎলগা লোইশঙশিং লিংখৎখিবনি। অদুনা লালুপকি মতাংদা ৱাফম খরা পল্লম্বা অসিসু মতাং চাই হায়না লৌবা য়াই।

লালুপঃ মণিপুরদা মথং মথং ওইনা পানখিবা নিংথৌশিংনা লৈবাক মীয়ামগী সাসন তৌনবা হোৎনবদা মীয়ামদগী য়াম্না চাউনা মতেং লৌদুনা লাকখি। লৈবাক্কি তঙাই ফদবা থবক তৌনবা, মণিপুব তম্পাক্কি য়ুমথোং খুদিংগী থবক শুবা ঙম্লবা মীওইনা নুমিৎ ৪০ নি খুদিংগী নুমিৎ ১০ নিদি লৈবাক্কি ওইবা শিঙ্গা অদু শুহনবগী চৎনবী লৈরম্মী। মদুগুম্বা চৎনবী অদুবু 'লালুপ' হায়রগা খঙনৈ। লালুপকি চৎনবী অসি ইং ৩৩ দগী পাল্লম্বা, মণিপুর ইতিহাসকি অহানবা নিংথৌনি হায়না খঙনবিবা মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবগী হাক্তক্তগী চৎনবক্লে হাযবগী মতাংদা ডাঃ এন ইবোবী সিংহগী 'দ মণিপুর এদমিনিষ্ট্রেসন (১৭০৯-১৯০৭) হায়বা অদুদা ইরম্বা মতেক অমত্তং লৌখৎচরিঃ

> "He (Nongda Lairen Pakhangba) introduced the institution of 'Lallup' (forced and unpaid labour) according to which every adult male had to attend to royal functions for ten days out of every forty" (P. 26, Reprint 2003).

চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজগী মতমদা পোলিতিকেল এজেন্ট ওইনা মণিপুরদা লৈরম্বা ডাঃ ব্রাউননা ভারত সরকারদা ইং ১৮৬৮-৬৯ দা পীখৎপা এনুয়েল রিপোর্ট অদুদা 'লালুপ' কি চৎনবী অসি মুথৎপা ফৈ হায়না মত পীবগা লোইননা লালুপকি মতাঙদা অসুম্না হায়ঃ

> "The system of 'Lalloop' or forced labour, which prevails, is acknowledged by the authorities themselves to be radically bad, not only for the people, but for the Raja and the State. While making this confession, however, they are still strongly against any change. I have had many conversations with them on the subject



আর কে মাইপাকসনানা নহা ওইরিঙৈ

of some reform in the system, but without effect. Allowing as they do that the labour thus forced is comparatively useless both to the workman and the State, and that by its evil influence 100 men are required to do the work of ten, I proposed to them that it should be optional with the people, subject to 'Lalloop', to escape it by payment of a moderate yearly sum, a poll-tax infact: ...'

লাল্লুপ হায়বসি obligatory feudal service নি হায়না নহা ওইরিবা হিস্তোরিয়ান হবেশ্বর গোস্বামীনা হায়। মাগী 'হিস্তোরি ওফ দ পিপল ওফ মণিপুর' হায়বদুদা লাল্লুপকী মতাংদা মসুম্না ইবিঃ

"Lallup is an obligatory feudal service to the state to be rendered by every able-bodied man between the ages of sixteen and sixty for ten days out of every forty days In some books it is recorded as seventeen to sixty Under this system, common people suffered much So rigid was the system of Lallup that even in sickness the person has to perform his duties or hire substitute to work for him. However women were exempted from performing Lallup." (P 4)

লালুপপু ফোর্স লেবরনি হায়না মণিপুরদা লৈরম্বা বৃটিশ ওফিসারশিংনা মত পীবম্বা অসি কূপ্না খন্তকুরগদি অচুম্বা নত্তে হায়না ডাঃ লৈশাংথেম চন্দ্রমনি সিংহনা মত পীবি। বৃটিসবশিংনা লালুপপু ফোর্স লেবরনি হায়রিবসি খণ্ডফাণ্ডনা হায়বনি হায়বা রাফম ফোংলদুনা ডাঃ চন্দ্রমনিনা মাগী "মণিপুর ইতিহাস" হায়বা লাইরিক অদুদা অসুম্না ইরিঃ

"মণিপুরীশিংদি শেল ওইনা খাজনা থীরমদে। মণিপুরগী লম পুম্নমক মহারাজগী ওইরম্মী। লম অসি শানবা মীওই খুদিংমক্না চহীগী ওইনা ফৌ খরা খবা তম্লম্মী। মরু ওইবা খাজনাদি মশানা নিংথৌগী থবক শুবা/শুবীবগী মওং অসিনি। অসুম্না থবক শুবা অসিগী মমিং 'লালুপ কাবা' কৌই। লালুপ অসি বৃটিসবশিংনা খণ্ডফাত্তনা হায়রম্বদি 'নমদুনা থবক শুবনি' অসিনি, অদুবু মওং অসিদি অহোম নিংথৌশিংগী মতমদা অসামদা চৎনরম্বা মওং অদুগা যাম্না মান্নে। চহি ১৬ তগীনা ৬০ ফাওবগী নুপা খুদিংমক নুমিৎ ৪০ নি খুদিংগী নুমিৎ ১০ নিদি 'লালুপ' কাগদবনি। 'লালুপ' অসি মণিপুরী খুদিংমক্না অচৌ-অপীশক অমদি লাইর-ইনাকখুনবা খায়দনা

কাদবা যাবমদে। অদু ওইরবসু পৈশা, পীরগদি 'লালুপ' কাদবা যারম্মী অদুবু ইনাক খুনবা খরদংতা নত্তনা প্রজা অয়াম্বদি পৈশা পীনবা লৈতবনা 'লালুপ' অদুম্মক কাবদা তারম্মী। নুপীদি 'লালুপ' কাবমদে। য়োৎ শুবা, সনা শাবা, অদুগা উ শুবা নত্তনা অতৈ প্রজা পুম্নমক্তি 'লালুপ' কাবা অসিদা লৌ উই, সিফাই ওই, লম্বী শেম্মী, লৌখোং তৌই অদুগা অতোপ্পা মণিপুরগী কান্নগদবা থবক তৌই।"

লালুপকী চৎনবী অসি লৈবাক ঙাক্লোনগী য়াঙলেন শরূনি হায়না নন্দলাল শর্ম্মনা ফোঙদোকই। লালুপ কাবগী অৱামল অদু নিপা অদুনা সরকাবদা পীবা খাজনানি। লালুপকী মতাংদা নন্দলাল শর্ম্মগী 'মৈত্রবাক' হায়বা লাইরিক অদুদা অসুম্না হায়ঃ

"চহি অমদা নুপা অমনা নুমিৎ ৮০ নি লালুপ কাই। চহি অমসি নুমিৎ ৪০ গী মতুপ ৮ থোক্লা খাই; নুমিৎ ৪০ নিগী মতুপ অসিগী মনুংদা নুপা অমনা নুমিৎ তৰানি লালুপ কাই; তৰানিগী লালুপ পালি লোইবগা য়ুমদা কুম্লক্লুনা থা অমা লৈনবগী খুদোংচাবা লৈ। অসুম্না থা অমা য়ুমদা কুম্লক্লুনা লৈরবা মতুংদা মথংগী মতুপকী নুমিৎ তরানিগী লালুপ কাই। 'লৈবাক নিংথৌগী তরানি; য়ুমগী থা অমা' না শাবা মতুপ নিপাল অসিবু নুপা অমনা ঙাকই; 'লালুপসু কাবা ৱাশাসু চাবা' হায়বসি থোক্তনবা হোৎনৈ।

লালুপ মনুংদা তৌগদবা থবকঃ কেন্দ্র সরকার, প্রান্তিয় সরকার অমসুং গ্রাম সরকারগী লোইশং অসুক য়ামলিবসি লালুপকি পথাপ কাংলোন কাইদনবা য়েংদুনা তৌবনি। লম অদুদা মরু ওইনা পায়নবা শিল পুম্নমক্কী চান্নবা সরকারগী লোইশং লৈ। শিল্পীশিংনা মাগী শিলগী মরি থোকপা লোইশংদা লালুপ কাই; পালিগী নুমিৎ তরানি অদু লোইশংদা লৈদুনা মাগী খুৎলোইজবা শিল অদু শিঙ্গাই। মশানা খুৎলোইজবা শিলদা শিঙ্গারুবগী অৱামল অসি নুপা খুদিংনা লৈবাক নিংথৌদা খাজনা ওইনা কথোকই। নুপা পুম্নমক লালুপ কাই; লোই ওইরগনা লোইশিংগী মরি থোকপা লোইশংদা, কৈ ওইরগনা কৈশিংগী থবক শুবা লোইশংদা লালুপ পালি পুই। বামোন (ব্রাহ্মন), পাঙল, য়াইথিবী অমসুং কাংলুপ খুদিংগী মৈতৈ পুম্নমক্লা লালুপকি পথাপ কাংলোল কাইবা ঙমদে; কাইনসু চৎনদে।" (লঃ ১০-১১)

লালুপ্পু ফোর্স লেবরনি হায়বা অসি লান্না হাযজিনবনি হায়না মণিপুরদা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা লৈবম্বা সার জেমস জোনস্তোননা অকনবা মোত পী। লালুপকী চৎনবী অসি, মীশিং য়ামজদবা, অপিকপা লাইরবা লৈবাক্তদি য়াম্না ফৈ হায়না মহাক্না মত পী। মহাক্না ইবম্বা 'মণিপুর এন্দ নাগা হিলস' হায়বা অদুদগী লালুপকি মতাংদা ইবা বাফম খবা লৌখৎচবিঃ

> "The system was a good one, and when not carried to excess, pressed heavily on nobody It was especially adapted to a poor state sparsely populated In such a state, under ordinary circumstances, where the amount of revenue is small, and the rate of wages often comparatively high, it is next door to impossible to carry out many much-needed public works by payment. On the other hand every man in India who lives by cultivation, has much spare time on his hands, and the 'Lalloop' system very profitably utilises this, and for the benefit of the community at large. I never heard of it being complained of as a hardship " (P 114, 1990)

মণিপুবদা এসিষ্টেন্ট পোলিতিকেল এজেন্ট ওইনা লৈরম্না টি সি হদসনসু লালুপ অসি ফোর্স লেববনি হায়। মহাক্কী, লাইবিক 'দ মৈতৈজ' হায়বদুদা লালুপপু ফোর্স লেবরনি হায়না ফোংবা মতেক অমা লৌখৎচবিঃ

> "About 300 persons are employed in the silk culture, and they pay for the privilage some 300 Rupees annually, they are for this payment excused from the operation of lalloop, or forced labour." (P. 31)

লালুপ কবিনো হাযবগী মতাংদা লাইরিক অদুনা অমুকসু হায়রিঃ

> "The definition of lalloop as given to me by an experienced authority is the duty of appearing at the Kings office (Loisang) ten days, and doing the proper work of the grade to which the person belonged. For the following thirty days he remained at home. If a man did not come to his Lallup, he forfieted one rupee, and for this sum a substitute was hire." (P. 61-62)

মসিগুম্না 'লালুপ' কী চৎনবী অসি মণিপুরনা বৃটিশকি মখা পোনবা লৈবাক অমা ওইনা ইং ১৮৯১ দা লৈখ্রবগী মতুং চহি অমবোম ফাবকপা, ইং ১৮৯২ গী এপ্রিল ২৯ দা মুথৎখি। 'লালুপ' কী চৎনবী মুথৎলে হায়না মতমদুগী পোলিটিকেল এজেন্ট মেজর মেক্সৱেলনা লাউথোকখিবা মতমদা মখাগী বাঙ্গমশিং অসি য়াওখি ঃ

> "...I have come to the conclusion that the system of Lallup must be abolished and it will cease from this date. To provide for necessary expenditure on public works as a substitute for Lallup, a uniform tax of Rs. 2/- a house per annum throughout the valley will be levied.
> (P. 25, Nupilan, Dr. K. Manimohon Singh)

হৌজিক চৎনবিবা লৌ ইংখোলগী খাজনা শীবা হায়বসি লালুপকী চৎনবী অদুগা মন্থৎ শিনবনি। যুম ইংখোলগীনা চহীদা লুপা ২/- অদুগা লৌ উবা যাবা লমগীনা লৌ পবি অমদা চহিদা লুপা ৫/- খাজনা শীহন্নখি। মতমদুদগী হৌদোকখিবা হাউস টেক্স অদুগী মহুৎতা তম্পাক্তদি ইংখোলগী টেক্স ওইনা হৌজিক শীনবে, অদুবু চীংদদি হৌজিক ফাওবা হাউস টেক্স শীবা অসি চৎনবি।

লালুপকী মহুৎতা খাজনা ওইনা শেল খোমগৎপা অসি মায পাকহন্নবগীদমক, মণিপুবগী অহানবা নিংথৌ মৈদিংঙু নোংদা লাইবেন পাখংবগী মতমদগী হৌনা খায়দোবক্লবা পানা মরি হায়বদি অহল্লুপ, নহারুপ, লাইফম অমদি খাবম হায়বা অসিগী 'লাকপা' হায়বা ফম অমমম হাপ্লী। হাযরিবা 'লাকপা' শিং অসিবু মতেং পাংহন্নবা 'আমিন' শিং অসি হাপখি। লাকপশিং অমদি আমিনশিং অসিনা তৌরিবা থবকশিং অদু অহানবদা ষ্টেট সুপরিন্টেন্দেন্টনা হকথেংননা যেংশিল্লম্মী। অদুবু খুদোং চাদবা কয়া থেংনরকপদগী, থবকশিং অদুবু হকথেংননা য়েংশিন্নবা ইং ১৮৯৭ তা সব দিপুতি কলেক্তর (এস দি সি) অসি হাপ্পনি। অহানবা এস দি সি ওইনা থবক পুখিবা বাবু বাজকুমার বাইগী থবক্কী মতাংদা ইং ১৮৯৯-১৯০০ দা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্টনা ভারত সরকারদা লানখৎপা এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিপোর্টতা মসুম্না পল্লিঃ

"Babu Rajkumar Ray, Sub-Deputy Collector, was in-charge of the Land Revenue Department throughout the year and was on tour for 110 days visiting all parts of the valley. The preparation of final papers of the settlement occupied much of the time of the Anins and Kangungos, and for this reason the supervision of the Sub-Deputy Collector was more required at headquarters than in the field."

মসিগুম্বা লৈবাক্কি যাম্না দায়িত্ব চাউনা থবক পুবিবা রেভিনিউ দিপার্টমেন্টকী আমিন অমা ওইনা থবক তৌনা তৌনা রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বরনা সংজালগী আর্ট অসিবু অনৌবা মীরোলগীদমক যোকখৎলম্মী অদুগা মচাশিংস্ শেন্নবা হোৎনরম্মী।



সনাহল গুনেশ্বর অমসুং সেবকশিং, ১৯৮৪ ইং

মাইপাকসনানা রাজনীতিগা শম্নরকপাঃ

রাজকুমার সনাহল গুনেশ্বরগী মচা নুপা অহল ওইরিবা রাজকুমার মাইপাকসনানা ঙাঙোম চনু নবনী লুহোংদুনা মচানুপা অমা নুপী মঙা পোকখি। পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাউ লোইশিল্লকপা মতম অদুরাইদা হায়ন-শীংনা তৌরগা হোংখিবনি। লুহোংবা মতমদা নবনী দেবীগী চহি ২০ লোমতা ঙাইবি। অদুবু যুমগী মৌ অমা ওইনা, মকুনা পামজনা লৌখৎলিবা থাঙ-তাগী, শগোলগী লাক্লিবা মীয়ামগী সেবা-লাঙবা, মনাওনুপা ময়ামগী থবক, মপুবোইবা, মাইপাকসনাগী রাজনীতি পুম্নমক অসিগী ঈহুল ঙাক্লা চৎপা ঙম্নবা হোৎনৈ। মপুরোইবা মাইপাকসনাদি মহাত্মা গান্ধীগী ফিদমদা ঙাওজবনি। অদুনা গান্ধী চবা হেল্লি, মদুগী মীতিং দবকাব লৈ হায়না চৎথ্রগা হল্লক্তবনা কোঙ্গাইনি। রাজনীতিগী ওইবা হীরমগীদমক কলিকাতা, দিল্লিনচিংবা মফমশিংদা তোয়না চৎলি, মদুগীদমক য়াম্না রাঙৈ হায়না অহল ওইরক্লবী নবনীনা মাগী পুন্সি নীংশিংনা হৌজিকসু পাওদম্লি।

সনাহল গুনেশ্বরনা থাঙ-তাদা ঙাওবগুম, মচানুপা অহল মাইপাকসনানা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মণিপুরগী রাজনীতিদা ঙাওবকই। মতমদুদা মণিপুরদা লৈরম্না মীরোলদগী হৌরগা তুংদা লাক্কদৌবা মীরোলশিংগী রাখল মাইপাকসনানা তৌই। লমদম অসিগী প্রজাশিং অসি বৃটিশকি সাসনগী মখাদসু থম্নীংদে অদুগা মমাঙঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমগী শাসন অদুগী মখাদসু থম্নীংদে। হায়রিবা শাসন মখল অনিসিগী মহুত্তা, ভারত্তা নীং-তম্বা তানবগা লোয়ননা দেমোক্রেসিগী শাসন অমা লাকহন্নবা মহাত্মা গান্ধী, নেহরু, সুভাষচন্দ্র বোসনচিংবা কয়ানা লুচিংদুনা চৎথরিবা আন্দোলন অদু মণিপুরগীসু দরকার লৈ হায়না খনখিবা মতম অদুগী নহারোল লুচিংবশিং অদুগী মরক্তা মাইপাকসনাসু য়াওখি। অদুনা মশাগী চহি ১৫ রোম শুরকপা মতমদগী হৌনা মীয়ামগী থবক্তা য়াওশিন্দুনা মণিপুরগী রাজনীতিগা শকখঙনবা হৌরকখি।

মণিপুরদা রাজনীতি হায়বা অসি লাক্লবগী অহানবা মক হুনফম ওইরিবা ইং ১৯৩৪ দা লিংখৎখিবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা হায়বসিগী মীফম মথং মথং ওইনা ফমদুনা ইং ১৯৩৮ দা চীংঙাদা ফমখিবা মীফম্না রাজনীতিগা মরী লৈনবা

ৱারেপ লৌরকপা অমদি মহাসভা অসিগী মিংদা য়াওরিবা 'হিন্দু' হায়বা ৱাহৈশিং লৌথোকখিবা মতম অদুদা মহাসভা অসি পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরক্লে। অদুনা মহাসভা অসিদা সরকারগী থবক তৌবা মীওই অমত্তনা য়াওবা য়ারোই হায়না মণিপুর সরকারনা লাউথোকখিবা মতাং অদুৱাইদগী রাজকুমার মাইপাকসনা অসি অঙাং ওইনা রাজনীতিগা শম্নবা হৌবে। লোয়ননা মীয়ামগী পুন্সিগসু শম্নবা হৌরক্লে। মতম অদু মহাক অঙাং ওইরি, মশাগী চহি ১৪ তা মঙাইবি।

নিখিল মণিপুর মহাসভাদা সরকারগী থবক তৌবা মীওইশিং য়াওবা য়ারোই হায়না মণিপুব ষ্টেট দরবারনা লাউথোকখিবা অদুগী নুমিৎ নীনি কোনবদা, দববাবগী ৱারোল অদু খন্ননবা হিজম ইরাবত অমদি কোইজম অমুবী সিংহগী লমজীং মখাদা অমুবী মশামক্কী ময়ুমদা মিতিং অমা পাঙথোকখি। মীফমদু মায পাকহন্নবা শীনবা-লাঙবগী কোযচেন চেনবদা বাজকুমাব মাইপাকসনা, লোইতাম যাইমা, লাইশ্রম কুলবিধু অদৃগা মোংজম ইবোতোন হায়রিবা মীওই মরি অসিনা মায়পূননা থবক তৌখি। মাইপাকসনানা মিটিং মফমদা মীযাম তিনবগী শীল-লাঙদুনা লৈহৌবগা, অতোপ্পা অহুমসিনা কোয়চেন চেন্দুনা অহল-লমন ময়াম কৌখি। মিটিংদুদা মতমদুগী মশক নাইবা মীওই কয়া তিনখি। মখোয়গী মবক্তা হিজম ইবাবত, এলাংবম তোম্পোকনচিংবা য়াওখি। (নিখিল হিন্দু মণিপুবী মহাসভা, লঃ ৫, য়াইমা-মাইপাকসনা)।

মথক্তা পনখিবা মিটিং অসিদা তিনখিবা শক্লাইরবা মীওইশিংগী মনুংদা অতোপ্পা মিং পনবা য়াবশিংদি, দ্রামাদা মিং লৈরবা সরকখাইবম ললিত সিংহ, হিজম অঙাংহল, কবিরত্ন, মণিপুরগী বাজ্য সভা মেম্বর ওইখিবা ললিতামাধব শর্ম্মা, এন জি কলেজগী ফাউন্দর নোংমৈকাপম গোপাল, মণিপুর কলেজগী প্রিন্সিপাল ওইখিবা চিংঙাখম পিশক, মতম অমদা মণিপুরগী মিনিষ্টর ওইরম্বা ডাঃ নিংথৌজম লৈরেন, নোংমাইথেম থানিল অসিনচিংবনি।

মীফমদুদা হিজম ইবাবত অমদি এলাংবম তোম্পোক অনিদি, মণিপুর প্রজাশিংগী য়েংদুনা লৈবাক্কী পোলিতিক্সতা পুন্সি কৎথোকচবগে হায়দুনা সরকাবগী থবক থাদোকপগী অচেৎপা ফিরেপ লৌখি। মতমদুদা ইরাবত অসি সদব

পঞ্চায়েত কোর্টকি সেকেন্দ ক্লাস মাজিষ্ট্রেৎনি। লৌ পরি ২৫ গা লোয়ননা থাদা লুপা ২৫ তলব চাবনি। এলাংবম তোম্পোক্না, ইং ১৯২৯ দা মেত্রিক পাস তৌখিবগা লোয়ননা লৌরুশঙগী কেরানি ওইরিবনি। মতুংদা ইং ১৯৪৭ তা. এলাংবম তোম্পোক্তা রেভিনিউ সুপরিন্টেন্দেন্টকি ফম সরকারনা পীখি। অদুবু মদু মহাক্না লৌখিদ্রে।

অসুম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী পোলিতিক্সতা ঙাওজরক্কবা মাইপাসনানা ইং ১৯৪৬ য়ৌরকপদদি, মহাক রাজনীতিদা য়াম্না নীংথিজনা য়াওরক্লে। মণিপুরদা কংগ্রেস লিংখৎনবা হোৎনবদা য়াম্না মরূ ওইববা থৌদাং কয়া লৌখ্রে। মদুগী ৱারীশিং অদু মথংগী তাঙ্ককশিংদা থেংনবীরক্কনি।

মাইপাকসনা অসি রাজনীতি অমদি জর্নেলিজম অসিদা পুক্নীং চঙশিনবতা নত্তনা সমাজগী হীরমদসু পুক্নিং চঙলকই। দ্রামা পুথোকপদা মণিপুরগী মিং লৈরবা ‘রূপমহল ঠিয়েটর’ অসি শেমগৎনবা, ইং ১৯৪৩ দগী মতমদুগী মশক নাইবা মীওই কয়ানা থবক লৌখৎপদা মাইপাকসনাসু মতুং ইল্লকখি। মতমদু, পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাউনা মণিপুর য়ৌশিল্লকপা মতমনি। ৱানা ৱানা লান মরক অদুদা দ্রামা অসি চাউখৎনবা হোৎনরকখিবনি। লাঞ্জাউ অসি লোইশিনগ্রবা খৃঃ ১৯৪৫ দদি রূপমহলগী আর্টিষ্ট মেম্বর পুন্নমক মশাগী ওইজবা থাদোক্লদুনা ঠিয়েটর অসি মতম কুইনা হিংহন্নবগী থবক লৌখৎশি ৱাশক্লখি। মদুম্না থবক অদু লৌখৎলকপনা খৃঃ ১৯৪৭ হৌবকপা মতমদদি মতমদুগী মণিপুরগী মহারাজ বোধচন্দ্র সিংহবু ঠিয়েটর অসিগী পেত্রোন-ইন-চীফ ওইহনবা ঙমখি। মহারাজ অসিনা রূপমহলগী পেত্রোন-ইন-চীফ ওইখিবদগীদি ঠিয়েটরগী খোঙচৎ অসি ফগৎলক্লুনা চহীদুগী এপ্রিল ২৭ তা, রূপমহল ঠিয়েটরগী হৌজিক বি টি রোদতা লৈরিবা প্লোট অসি ফংখি। ফুট ১০০ পাকপা অদুগা ফুট ২৩০ শাংবা মফমনি। ঠিয়েটর হোল শানবা মফম অসি হেক ফংবগা হোল শাগৎপগী থবক অদুম খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনখি। থা খরগী মনুংদা হোল শাবা লোইদুনা শঙ্গাখি। মদুগা লোয়ননা দ্রামা শান্নবগী খোঙচৎসু খরা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ঙমখি। মদুগুম্না খোঙচৎ কয়া অদুদা মতেং পাংবগীদমক রূপমহল ঠিয়েটরনা মাইপাকসনা সিংহবু থাগৎপা ফোঙবা চিঠি অমা ইং ১৯৪৭ কী সেপ্টেম্বর ১৯ দা ইবকখি।

হায়রিবা চিঠি অদু পুথোককচরিঃ

Manipur Road

Telegram: Rupmahal

THE RUPMAHAL THEATRES.

IMPHAL, (Manipur State.)

Ref. No. Dated 19. 9. '47

To

Sjt. R.K. Maipaksana Singh.

MANIPUR WOULD HAVE BEEN MORE FORTUNATE IF SHE HAD A FEW MORE SONS LIKE YOU. MAY GOD HELP YOU AND GUIDE YOU IN ALL TIMES TO COME.

Yours etc.

Secretary.
The Rupmahal Theatres.



অনীশুবা তাঙ্কক

মাইপাকসনানা নহা ওইরিঙৈ অমদি রাজনীতি

রাজকুমার মাইপাকসনাগী অপোকপা সনাহল গুনেশ্বর সিংহ অসি মাগী শিনফম আমিন ওইজরবসু লমদমসিগী মীওইশিংগী, পুন্সিগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা থাঙ-তাগী মহৈ অসি মুৎখিদনবা অমদি শন্দোক্লবা হোৎনবা মীশক অমসু ওইবা মরম্না, থাঙ-তাগী মহৈ অসিবু তম্নবা মীওই কয়া মহাক্লা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা তোঙান তোঙানবা মী মখল কয়াগা লোয়নবগী খুদোংচাবা অদু ফংখি। ইং ১৯৩৪ দা পাংথোকখিবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ইহান হানবা মীফম পাঙথোকখিবা মতমদুদা মাইপাকসনা চহী ১০ রোম শুরক্লে। মহাক অঙাং ওইজরক্লবসু জ্ঞান হাইফেৎ লাক্লবনিনা মহাসভা মীফম অদুগীদমক মহাক্কী অপোকপনা হোৎনরিবশিং অদু খবমখৈদি খঙবা ঙম্লে।

মণিপুরগী থাঙ-তানচিংবা মার্সিয়েল আর্ট অসি লৈবাকসিদা তোইনা থোকপা "নিংথৌ শেম্বা" হায়বা অসিদা যাম্না মতেং পাংঙি হায়না মহারাজ চন্দ্রকির্তিনা নিংথৌ ওইরবা মতুং ইং ১৮৫০ অদুরাইদগী নিংথৌগী হুকুম মতুংইন্না থিংলকই। (সৎজালঃ রাজকুমার সনাহলঃ ৱাহৌদোকঃ ১৯৭০) অথিংবসিনা মরম ওইরদুনা আর্ট অসি তম্নসি লোন্না লোন্না তম্নরম্মী। অদুবু ইং ১৯৩৪ গী মে ৩০ দা পাংথোকখিবা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা অদুগী মীফমদা মার্সিয়েল আর্ট অসি তম্নবা য়ানবগী ৱারেপ লৌখি। (**নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাঃ** য়াইমা, মাইপাকসনা; লাঃ ৫৩) মহাসভা মীফমদুগী ৱারেপ নম্বর ৮ শুবদা থাঙ-তা মুক্লা-কাঙজৈ য়োকখৎনবগী ৱারেপ য়াওরি। ৱারেপসি লৌনবা হোৎনবদা সনাহল গুনেশ্বরনা অচৌবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা শ্রীসৌগাইজম সমরেন্দ্র সিংহ বি এ অমদি শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মা বীদ্যারত্ন অনিগী মতেংসু লৌখি। ৮শুবা ৱারেপ অদুনা অসুম্না হায়রিঃ

"৮ মণিপুরী হাইবা জাৎ ঐখোয়গী থাঙ, তা, মুক্না-কাংজে হাইবা অসি হকচাং কন্ননবগী অমসুং হকচাং ফননবগী বৈজ্ঞানিক (Scientific) ওইবা পান্থে অমনি। মাসিগীদমক মণিপুরী হাইবা জাৎ অসি ফাওরম্মিবনি। হৌজিক্তি হাইরিবা বিদ্যা অসি মুথরক্লে, মুৎলকলে হাইবসু য়ারে। মসিনা মণিপুরী হাইবা জাৎ অসি নিস্তেজ ওইশিল্লক্লে, মথৌনা মরিলসু ৱাৎলক্লে। মৈতৈগী মথৌনা মরিল অমুক হাপকৎতুনা মৈতৈ হাইবা জাৎ ঐখোয়গী চাওখৎনবা মথক্কী হাইখ্রিবা বিদ্যাশিং অসি অমুক কন্না চর্চ্চা তৌখৎপনা ঐখোইগী য়াম্না কান্নগনি। মসি তৌননবাঃ–

(১) মফম মফমদা ক্লব হাইবদি ময়াম তিন্নদুনা মতিক চাবা ওঝা থমদুনা হাইরিবা বিদ্যাশিং অসি তম্বা।

(২) বভ্রুবাহনজয়ন্তী উৎসবতা হাইরিবা বিদ্যাশিং অসিগী চাং য়েংহনবা হাইনা লেপ্পবে।

প্রস্তাব তৌবাঃ শ্রীযুক্ত সমরেন্দ্র সিংহ, বি এ,

সমর্থন তৌবাঃ শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মা, বিদ্যারত্ন।"

রাজকুমাব অসিনা মশাগী চহি ১৫ বোম শুরকপা মতমদগী হৌনা মণিপুবদা ওইবক্লিবা সমাজগী অমদি বাজনিতিগী ফিবমশিংদা মহাক মশামক হকথেংননা যাওশিন্দুনা ওইরক্লিবা ফিভমশিং খঙননবা অমদি মশাগী ফিরেপ অমা লৌননবা হোৎনরক্লে। মহাক্না চহি ১০ বোম শুবকপা মতম অসিৱাইসি মণিপুবগী প্রজাশিংনা বৃটিশকী অমদি বৃটিশকী য়াকা মতুংইন্না থবক তৌবিবা নিংথৌগী সাসন অদুবু যানীংদবদগী, মীয়ামগী ৱাখল খনবশিংনা হান্না লোন্না-লোন্না থবক তৌরম্বদগী মপান থোক্না থবক তৌবা হৌরক্লবা মতমনি। মণিপুরদা বৃটিশ অমদি নিংথৌগী সাসনগী মায়োক্তা থবক তৌবা হৌবক্লিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি মহাত্মা গান্ধীনা সাউথ আফ্রিকাদগী হল্লক্লবা তুংদা ভারত নীং-তম্নবা হোৎনরকখিবা অমদি মদুদা লৌখৎখিবা অদুগী খোল্লাও অমদি থৌশীলশিং অদু উরুবা-তারুবা-খঙলুবদগীনি। মণিপুরদগী মপান্দা চৎতুনা মহৈ তম্লুবা মতম অদুগী মীওইশিংগী মরক্তা কাঙবু অমনা মণিপুরী লোন অমদি সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনখি। কাঙবু অমনা রাজনীতিগী পূক্লিং চঙখি। রাজনীতিদা পুক্নীং চঙখিবশিংগী

মরক্তা হিজম ইরাবত, এলাংবম তোম্পোক, পোৎশঙবম তোমাল অসিনচিংবা য়াওখি।

আর কে মাইপাকসনানা চহী ১০ রোম শুরকপা মতমদা মণিপুরগী য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইখ্রিবা অসি ইং ১৯৩৪ দা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা শেমখিবা অসিদগীনি। মণিপুরদা পোলিটিকেল পার্টি লিংনবা অদুগা দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট অমা লাক্লবগী অহানবা মরূ হুনখিবা অসি হায়রিবা চহী অসিদগীনি। মহাসভা লিংখৎখিবা অসিগা ইকান কান্নদনা মণিপুরী লোনবু চাওখৎহন্নীংবশিংনসু মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অসি লিংখৎতুনা লোন অসি চাওখৎনবা হোৎনখ্রে। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী হৌজিক ওইবিবা ফিভম অসি মতমদুগী মীবোলনা হোৎনরম্বশিং অদুগী মহয় চারকপনি। মণিপুরগী রাজনীতিদসু নিংথৌগী শাসনগী মহুৎতা দেমোক্রেসিগী মখাদা লাকপা ঙমখ্রিবসিসু মতমদুগী মৈতৈ অহল-লমনশিং অমদি মখোযগী মতুং ইল্লকপশিং অদুগী হোৎনজমননি।

মতমদুদা মণিপুরগী শেল-থুমগী ফিভম য়াম্না ফরমদে। অদুবু মীওইবগী হিংবদা চঙদবা যাদ্রবা খ্বাইদগী মরূ ওইবা চিঞ্জাক ওইবিবা চেঙ অসিদি য়াম্না মবাঙ কায়না থোক্লম্মী। মমলসু য়াম্না হোঙলম্মী। ইং ১৯৩১-৩২ অদুরাইদা মণিপুরদা ফৌ চেঙ য়াম্না হোঙলম্মী। পোইনুগী মতমদা খুঙ্গংদা লুপা অমগী ফৌ সংবায় ৪ তৌবম্মী অদুগা ইম্ফালদনা সংবায অহুম তৌরম্মী। ফৌ সংবায় অমগী মমলসি ইং ১৯৮৭ মতমদা লৈবা শেলগী ভেলুদা সংবাযদা পৈশা ৩০ গুম্বদনি। (লাইখুবাম ইবোবীঃ মণিপুর প্রজা সম্মেলনী অমসুং অনিশুবা নুপীলান, লঃ ১৪)। অদুবু মতমদুদা মণিপুরদা শেঙ্খোক লম্বী লৈবমদে। থবক শুগে হায়রবসু শুনীংঙাই লৈতে। নুপা অমনা লৈবাক তৌদুনা রানা থবক শুবদা নোংমদা পৈশা ৬ কী চাংদগী হেন্না ফংবা ঙমদে। মদুসু নুমিৎ খুদিংগী শুফম লৈতে। অদুনা লংফৈ চৎতুনা শেল তান্নে। (মথক্কী য়াওফমসিদা)

অসুম্না শেল-থুমগী ফিভম ফৎখিদ্রবা মতম অদুদা মহৈ মশীং তম্বা অদুগা লৈবাক্কী রাখল তৌদুনা লৈবাক্কীদমক করিগুম্বা খরা তৌগে হায়না চোংথোরকপা হায়বসি, মচিঞ্জাক খরা চাজবা মীওইগী ইমুং নত্রগদি উপাই লৈতবা মতমনি। অদুবু আর কে মাইপাসনাগীদি য়াম্না নুংঙাইবা হায়বদুমক

থোক্লগসু মহাক্কি অপোকপা অদুনা সবকারগী থবক অমা তৌবনিনা মহাক্কি মতৈ-মশীং তম্না অদুগা মহাক্না মীয়ামগীদমক কবিগুম্না খরা তৌজগে হায়না খনবা মতমদা মঙোন্দা কা হৈনবা অৱাবা পোৎলুমদি ওইখিদে। মবম অদুনা মহাক্না পুংকক চাউরক্লবা মশাগী চহি ১৪ বোম শুরক্লবা মতমদা মতম অদুগী সরকারগী থবক তৌবশিংনা 'নিখিল মণিপুর মহাসভা' দা যাওবা য়ারোই হায়বা সবকারগী ফিবেপ লাউথোরক্লবা মতুংদা ৱাবেপতুগী মতাংদা খন্ননবা কোইচেন চেনবদা মাইপাকসনা মশাসু যাওখ্রিবনি।

রাজকুমার মাইপাকসনাগা য়াম্না লুনা লোয়নজবকপা লোইতাম যাইমা সিংহ হায়বা মীশক অসিসু মণিপুরগী রাজনীতিদা থৱায় য়াওজবকপা মীওই অমনি। মহাক অসি মণিপুরী জর্নেলিজমদসু থৱায় যাওবমই। চেফোং পুথোকপদসু মাইপাকসনাগা পুন্না পুন্না থবক তৌমিন্নখিবা মতাং কয়া লৈখি।


লোইতাম য়াইমানা নহা ওইরিঙৈ

অদুনা শ্রী লোইতাম য়াইমা সিংহগী মবমদা খবদং ইথোকপা হায়বসিসু তওই ফদবনি হায়না লৌবগা মহাক্কী মবমদা খবদং পুথোক্লবা হোৎনজরি।

য়াইমা সিংহ কনানো হায়বগী মরমদা মণিপুর সবকারগী 'থাখাযগী চেফোঙ' গী তাং ৬। ২। ১৯৯৩ ইংগী ইসুদা ৱাফম খরা ফোঙখ্রে। ফোঙলিবা ৱাফম অদুদা মাইপাকসনাগা মহাক্না নকশিন্নবকপগী ৱারোলসু য়াওবি। অদুনা চেফোঙ অদুনা ফোঙখ্রিবা ৱাবোলশিং অদু অমুক হন্না পুথোকচরিঃ

''শ্রীলোইতাম য়াইমা সিংহ

শ্রীলোইতাম যাইমা সিংহ, খৃঃ ১৯১০ গী নবেম্বর ১৪ ইরাই নুমিত্তা পুলিসলেন য়াইস্কুল, যুম্নাম লৈকাইদা পোকই। অপোকপা- - লোইতাম গুলাপ সিংহ। অপোকপী খুম্বোংময়ুম নিঙোল তোম্বী দেবীনি। শ্রীয়াইমা জনষ্টোন হায়স্কুলদা ক্লাস সিক্স ফাওবা তমখি।

রাজ্য অসিগী ঈ-পাউ ফোঙবগী থবক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরকপশিংগী মনুংদা শ্রীযাইমসু অমনি। মহাক খৃঃ ১৯৪৮ দা

'প্রজা' কৌবা নুংতিগী ফোঙবা চেফোঙ অমগী ইডিটর ওইরমই। নম্ফমনা মোইরাংখোমদা লৈবা তরুন প্রেসতা। চহী অসিগী জুন ২ দা 'নিংথৌ যুগ লোইরে' হাযনা হেডিং ওইবা ইডিটরিয়েল অমা মহাক্না ফোঙখি অমসুং মদুদা নিংথৌগী অকাইবা ৱা য়াওরে হায়দুনা ডিপোজিৎ (লুপা ৫০) মৎখি লোয়ননা খবরসু থিংখি। মতম অদুদা খবর ফোঙনবগীদমক্তা সরকারদা শেল ডিপোজিৎ তৌবগী চৎনবী লৈরমই। হায়রিবা পাউ-চে অদু মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকী মুখ পত্রনি। পাউ-চে অদু থিংখ্রবা মতুংদা মণিপুর কংগ্রেসকী মুখ-পত্র ওইনা **প্রজাতন্ত্র** কৌবা নুংতিগী ফোঙবা চেফোঙ অমা ১৯৪৮ গী অরোইবা শরুক্তগী অমুক ফোঙবা হৌই। মদুদা শ্রীয়াইমানা খবর সেক্সনগী মেনেজর ওইখি। চেফোঙ অসিগী অহানবা ইডিটর শ্রীআরঃকেঃ মাইপাকসনানা ওইখি। শ্রীয়াইমা মেনেজর ওইবতা নত্তুনা ঈ-পাউ ইবগী থবকসু অদুমক চৎখি। ... চহী অনিরোম **প্রজাতন্ত্র**গী খবক তৌরবা মতুংদা কংগ্রেসকী মুখ পত্র **প্রজাতন্ত্র**দা শ্রীয়াইমা অমসুং শ্রীমাইপাকসনা য়াওখিদ্রে।

মতুংদা খৃঃ ১৯৫০ দা **জন্মভূমি** কৌবা লন্নাইগী ওইবা নুংতিগী চেফোঙ অমগী পব্লিসর ওইনা অমুক থবক চথরে। চেফোঙ অসি টাংঙা মথক্কী বিজয় প্রেসতা ফোঙই অমসুং ইডিটরনা শ্রীমাইপাকসনানা ওইবমই। শ্রীযাইমা পব্লিসর ওইজরবসু ইবগী থবক্তি ইরেপ লেপখিদে। মহাক্না 'ইকাইদা সাহেব অমুবা' হায়বসিনা হেডিং ওইবা পাউ অমা **জন্মভূমি**দা ইখি। পাউ অসিদা মিঃ এমঃ এনঃ ফুকন, ডিঃ সিঃ না মহাক্কী অপোকপগী অসামদা লৈবা চা-বাগানদা (মমিং বাহনিট বাগান) থবক শুবর্শিংগী চানবগীদমক ফৌ মন লিশিং অমা থাই হায়না মীয়ামদা ফোঙদোকখি। ডিঃ সিঃ অসিনা মাবু কৌরগা মতুংদা অমুক হন্না তৌররোই হায়খি। খৃঃ ১৯৫২ দগীদি শ্রীয়াইমা রাজনীতিগী অমদি থিয়েটরনচিংবগী লমদা খরা হেন্না মায় ওনশিনখিদুনা খবর ফোঙবগী থবক লেপখি। অদুমকপু মশাদা ঈ-পাউ ফোঙবগী হৈনবীনা শাগোন্নদুনা লৈবা শ্রীয়াইমদগী মরক-মরক্তা অইবা পোথোক হেক হেক পুথোক্লকখি। ...."

লোইতাম য়াইমা সিংহনা মাইপাকসনাদগী চহীদা অহল ওইববসু মণিপুরগী রাজনীতিদদি নকশিননা লোয়নরকই। হায়রিবা শাংথানববা মীশক অনি অসিনা যান্না অঙাং ওইবিবঁগেদগী মণিপুরগী পোলিতিক্সতা পুক্নীং চঙশিল্লক্লে হায়বা তাকপা ৱারোল খরা লোইতাম য়াইমা সিংহ অমদি রাজকুমার মাইপাকসনা সিংহ অনিনা খোমজিন্দুনা ইবা **নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা** হায়বা লাইরিক অদুগী লমাই ৫ দগী ৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ৱারোল খরা লৌখৎচবিঃ

"মণিপুর ষ্টেট সরকাবনা মহাসভাদা রাজকর্ম্মচারী অমত্তনা মেম্বর ওইনা য়াওবা য়াবোই থিংলকপগী নুমিৎ ২ কোনবদা শ্রীহিজম ইরাবত সিংহ অমসুং শ্রীঅকোইজম অমুবী সিংহ ১) শ্রীরাজকুমার মাইপাকসনা সিংহ, ২) শ্রীলোইতাম য়াইমা সিংহ, ৩) শ্রীলাইশ্রম কুলবিধু সিংহ অমসুং শ্রীমোংজম ইবোতোন সিংহ কৌদুনা শ্রীমাইপাকসনানা মিটিং মফমদা ময়াম তিনবগী শিল-লাংদুনা লৈহৌরগা উক্ত ভদ্রলোক ৩ (অহুম) না কোইচেন চেন্দুনা অহল-লমল ময়াম কৌদুনা শ্রীকোইজম অমুবী সিংহগী য়ুমদা ৱা তানৈ।

মিটিং অদুদা তিনখিবা মীওইশিংঃ— শ্রীচিংঙাখম অঙোবী সিংহ, শ্রীএলাংবম তোম্পোক সিংহ, শ্রীলৌবেশ্বম কামদেব সিংহ, শ্রীসরখাইবম ললিত সিংহ, শ্রীহিজম অঙাংহল সিংহ, শ্রীহিজম অঙোবা সিংহ, শ্রীমাইস্নাম অঙাংজাও সিংহ, শ্রীললিত মাধব শর্ম্ম, শ্রীবঙ্কো বিহারী শর্ম্ম, শ্রীনোংমৈকাপম গোপাল সিংহ মুহরী, শ্রীচিংঙাখম পিশক সিংহ, শ্রীনোংমাইথেম থানিল সিংহ, শ্রীনিংথৌজম ডাঃ লৈরেন সিংহ, ব্রহ্মপুর সরর্কাসকী লুচিংবা শ্রীগুরুময়ুম ইবোবী শর্ম্ম, থাংমৈবন্দ সরর্কাসকী শ্রীচিংশুবম ইবোমচা সিংহ, শ্রীমোংজম ইবোতোন সিংহ, শ্রীঅরিবম কুঞ্জবিহারী শর্ম্ম ককচীংৱাইবী, শ্রীবিরহরি সিংহ, শ্রীহিজম শামু সিংহ, শ্রীরাজকুমার মাইপাকসনা, শ্রীলম্ফেল সনা রাজকুমার, শ্রীলাইশ্রম কুলবিধু সিংহ, শ্রীমোংজম তিলোক, শ্রীসরখাইবম থম্বৌ সিংহ, শ্রীমাইস্নাম কুলো সিংহ।

ময়াম তিন্নবদা মী কৌনবদা খবা থেঙজিল্লক্কুনা পুং ৯ লোম তারকপদা শ্রীঅকোইজম অমুবী সিংহনা হৌজিক ময়াম্বু ঐখোয়না কৌজবদি অতৈগী নৎচদে। হৌজিক ঐখোয়গী মণিপুবেশ্বর মহারাজ

সার চূড়াচান্দ সিংহজীদা শ্রীশ্রীগোবিন্দজীউ অমসুং হনুমান ঠাকুরনা তোংশিনবিদুনা লোইননা ডেলিগেট মেম্বরশিংগী কৃপাদগী সনা য়াথং থাদুনা ভারতবর্ষগী মনুংদা মণিপুরী লৈবমখৈ তিন্নদুনা শকখং মাইখংনরে অমসুং নুংশিনবগী লংলানা চেৎনা পুন্নরে অদুনা রাজনীতি দল ওইবদা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। ঐখোয় খরা অমদি স্কুল লিংদুনা পংলিবা প্রজা শিংনবা হোৎনজরগে। ডাঃ লৈবেন বাবু সিংহ, শ্রী মহেন্দ্র সিংহ অমদি দাদাজী শ্রীগোপাল মুহবী ঐখোয়দি স্কুললোমদা অসুম ঙাওজরগে। হান্নসু স্কুল লিংবগী থবকলোমদা অসুম তৌজরগে।

শ্রীচিংঙাখম অঙৌবী সিংহ (চৈরাপ মেম্বব) না ঐখোয় বাজকর্ম্মচারী ওইববসু শ্রীললিত সিংহ, শ্রীয়াইস্কুল লাকপা (শ্যামকিশ্বর) দি লাক্তে অদুবু ঐখোয়না লুচিংদুনা ড্রামালোমদা ঙাওমিন্নবা তাবে। মবমদি রাজনীতিগী কাংজৈবুংদি ড্রামা, সিনেমা, শুমাং লীলা অমসুং মণিপুর শান্নপুং (স্পোর্ট) না খ্বাইগী মকনি। খববদা ইডিটরশিংনা ২/৩ লক ইববুদি ড্রামা সিনেমাদা অমুক্তং উৎপনা নুপী অঙাং শেংনা খংই। অদুনা ড্রামাগী পার্ট অসিমা ঐখোয়না তৌবগী তৌবা তৌজরগে। মতাং অসিদা শ্রীইবাবত সিংহনা হৌগৎতুনা ময়ামদা আপিল অমা তৌই। ঐ অমদি শ্রীএলাংবমগী ইবুংঙো তোম্পোক্কদি পোলিটিক্সতা অসুম লেঞ্জরগে অদুগা নুংঙাই পাও অমনা মণিপুরগী লাইবিক হৈবা নহারোল অয়াম্বসু স্কুলশিংদা ওঝা চংলগা ছাত্র ছাত্রি মহৈ হৈনবা হোৎনগনি। তঙাই ফদ্রবদি থবক তোকথোক্তুনা রাজনীতি যাওনি হাই।

শ্রীনোংমৈকাপম গোপাল সিংহ মুহবীনা চৎলমদাইসু ওইরে বিদায় মতম অসিদা ঐখোয়না হাইগদবদি শ্রীইরাবত সিংহ অমসুং শ্রীতোম্পোক সিংহ অনিনা মহাসভানা চুঙ্গোই থাং ওইদুনা সম্মিলানী কয়া প্রজা মণ্ডল কয়া প্রজা সঙ্ঘনচিংবা শেমদুনা লৌমী শিন্মি নখুত্তা লোইনা লৈবে। থবক কন্না তৌ হায়রগা মিটিন অদু কায়নখি।''

মহাসভা অসিদা সরকারগী থবক তৌবা মীওইশিং য়াওবা যাদে হায়না মণিপুর দরবারনা থিংলকখিবা অদুদা, মহাসভাগী থবক তৌগনি হায়রদুনা সরকারগী থবক্তগী ইহান হান্না তোকখিবা মীওই অসি এলাংবম তোম্পোক

সিংহনি। মহাক মতমদুদা লৌরুশঙগী কেবানি ওইরম্বনি। মীয়ামগী খন্দুনা সরকারগী থবক ফাওবা থাদোকখিবা তোম্পোক্কী থৌনা অদু যাম্না, নহা ওইরিবা মাইপাকসনানা ইকাই খুম্নখি। অসুম্না অঙাং ওইরিবঁদগী হৌনা মহাক মণিপুরগী রাজনীতিগী হীরমদা পুক্রিং চিংশিনবা হৌখি।

মণিপুরগী তুংগী রাজনীতিগা য়াম্না হকচিন্না মরী লৈনরবা থৌদোকশিং অসিদা আব কে মাইপাসনানা যাওশিল্লুবিবা অসি মহাক্না য়াম্না অঙাং ওইরিবঁ হায়বদি হায়স্কুল তম্লিবঁগী ৱানি। মতমদুদা মহাক ক্লাস সেবেন/আইট থক্তমক মতম্লমখিনি। ইং ১৯৪২ দা মেট্রিক পাস তৌরক্লবা মতম অদুগী মতুংদগীদি মহাক পোলিটিক্সতা কন্না খোঙদাবা হৌরক্লে।


নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভানা নিখিল মণিপুর মহাসভা হায়দুনা মিং ওল্লকপা অমদি রাজনিতিগা মরী লৈনবা ৱারেপ লৌবকপা অদুগা অমবোমদা লাইখুবাম খগেন্দ্রজিৎনা লুচিংবা মণিপুর প্রজা সম্মেলনীনা ইং ১৯৩৫ গী মমাঙদগী হৌদুনা রাজনীতিগা মরী লৈনবা থবক তৌরক্লবসু অনিশুবা লাঞ্জাউ মনুং অমদি মমাঙ অদুদদি রাজনিতিগী ওইবা থবক মপাঙ্গল কন্না লৌখৎপা ঙমখিদে। অদুবু মরক্তুদা অনিশুবা নুপী লান থোকখি। মতুংদা অনিশুবা লাঞ্জাওনা ইং ১৯৪৫ দা লোইশিনখ্রবদা মণিপুর যাওনা ভাবতনা বৃটিশকি মখূৎতগী নীং-তম্বা ফংবগী আশা লাক্লবদা মণিপুবদসু বাজনিতিগী অনৌবা ইনোৎ লাকপা হৌখি। নিংথৌগী শাসনগী মহুৎতা মীযাম্না মীয়ামগীদমক শাসন তৌজবা, দেমোক্রেতিক গভর্ণমেন্ট লৈহন্নবগী ৱাখল মতমদুগী লাইবিক লাইশু হৈববা নহাবোলশিংগী মরক্তা য়াম্না খনবা হৌবকই।

পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাউগী লানফম মণিপুর যৌবকপগা লোয়ননা লমদমসিগী বাজনীতি লুচিংবা কয়া নেতাজি সুভাষচন্দ্র বোসকী মখাদা লিংখৎখিবা আই এন এ অদুদা যাওশিনখি। আই এন এ ওইনা বর্মাদা চৎলগা লাম্হৈংনকবা নত্রগা মণিপুরদা লৈনা-লৈনা জপানিজ অমদি আই এন এ গী থবক তৌবসু য়াওখি। মখোযগী মরক্তা খবদি বৃটিশনা ফারগা জেলদা থম্নসু যাওখি।

অনিশুবা লাঞ্জাউ অদু কন্না চৎথবিবঁ মতমদা অমেবিকানা জপানগী সহর অনিদা হায়বদি হিরোসিমা অমদি নাগাশাকিদা এতোমবোম অমমম থাদদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা অদুগা মী লাক্ষ মঙাবোমগী পুন্সি মাঙহনখিবা অদুনা মবম ওইরদুনা জপানগী নিংথৌ হিরোহিতোনা লান তোক্লুনা বৃটিশ অমদি

অমেবিকাগী অপুনবা ফোর্সতা সরেন্দর তৌখি। লান লোইশিনখি। লাঞ্জাউ অদুদা আই এন এগী মীচঙ চঙদুনা লান য়াওরুবা মণিপুরগী আই এন এ মেম্বরশিং অদুবু ইকাই খুম্নবা উৎপা মীফম অমা রাজকুমার মাইপাকসনানা শিন্দুনা ইং ১৯৪৬ কী জুন থাদা মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকখি। রিসেপসনগী থৌরমদুনা "আই এন এ রিলিফ কম্মিটি" হায়বা অমা মণিপুরগী ওইনা শেমখি। কমিতি অসিগী সেক্রেটবি মহাক্না ওইখি। মতুংদা "আই এন এ ভোলুন্টিয়ব কোব" কৌবা অমসু শেমখি। মদুগী প্রসিদেন্টনা এক্স-আই এন এ থোকচোম অঙৌ সিংহনা ওইরগা মহাক্না সেক্রেটরি ওইখি।

মাইপাকসনাগীদা পাঙথোকখিবা মীফম অদু নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা মহাক্কী শীংজমৈ চীংঙামথক চোংথাম লৈকাই, ইম্ফালদা লৈবা ময়ুম অদুদনি। মীফমদুদা আই এন এগী মিং লৈরবা নাকি অহমদ চৌধুরিসু য়াওখি। মণিপুরগী আই. এন. এ. শিংবু ওকপগী মীফম অদুদা য়াওখিবা মণিপুরগী মীওইশিংগী মনুংদা ঐচ দ্বিজমনি দেব শর্ম্মা, চীংঙাখম পিশক সিংহ, সলাম তোম্বী


নাকি অহমদ চৌধুবি

সিংহনচিংবা য়াওখি। আই এন এ য়াওরুবা মীওইশিংনা মখোয়গী পুক্নিংগী ৱাফম কয়া ফোঙখ্রবা মতুংদা, থৌরমদুদা মশক নাইনা শরুক য়ারিবা নাকি অহমদ চৌধুবিনসু আই এন এনা লৌখৎপা থবক কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙখি। নাকি অহমদ অসি মণিপুবগী মুসলিম অমনি। আই এন এ গী মরীদা মহাক ফাদুনা দিল্লিগী বৃটিশ জেলনচিংবদা লৈবকখি। আই এন এগী ইৱাং লোইশিল্লক্লবা অদুগা বৃটিশনা ভারত থাদোক্নুনা চৎখিবা য়াবগী মতাং য়ৌরক্লবা মতমদুদা মহাক (অহমদ) ইং ১৯৪৬ গী মে ৮ দা বৃটিশকী জেলদগী থাদোরকখি। কালিকাতাগী আই এন এ রিলিফ কেম্প য়ৌরুরবা মতুংদা মণিপুর য়ৌরকখি। মাইপাকসনাগী যুমদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা ৱা ঙাঙবা মতমদা নাকি অহমদনা হায়খি,

> "মুসলমান অমবু মৈতৈগী য়ুম অমদা পাংথোকপা থৌরমদা য়াওহনবা অসি মহাক্কী ওইনদি মাগী পুক্নিংগী অহানবনি।"

আর কে মাইপাকসনানা হিংলিবঙ মতমদা ইরম্না অদুবু ফোঙদি ফোঙখিদ্রিবা "Dawn of political consciousness among the educated" হায়বা খরা শাংবা ৱারেং অদুদগী আই এন এ গী মতাংদা ইরম্না শরুক খরা লৌখৎচরিঃ

"... Soon the Second World War broke out in Europe when Hitler invaded Poland and occupied it. Subhash Chandra Bose escaped from India and reached Germany where he organized the first INA and met Hitler. He was ready for an armed attack against the British in India. Meanwhile in the Asiatic zone Japan captured Singapore and along with it a large number of Indian soldiers who served under the British were arrested by the Japanese army. Already Rash Bihari Bose had organized the South East Asia League among the Indians living in South East Asia. In collaboration with the Japanese Government the arrested Indian soldiers were organized as Indian National Army under the SE Asian League to fight against the British in India. But as the leadership was lacking to unite the captured Indian soldiers Subhash Bose was requested to come and take the leadership Subhash Bose (and Colonel Habibur Rahman) came to Tokyo from Berlin by a German submarine and took up the leadership of the Indian National Army. In fact he became the Spreme Commander of the INA and also established the Provisional Government which declared war against the Anglo-American ally. This was in 1943 But on May 10, 1942 Manipur was bombed by Japan for the first time. Imphal was evacuated by almost every people The Government of India then reinforced military personnel in Manipur and Manipur became a war zone, martial law was enforced

When Netaji and the INA reached Burma some Manipuris including Th. Angou, P. Tomal, L Kanhai, two ladies and some of their friends left Manipur to joined the INA. They reached Rangoon and were welcomed warmly by Netaji. A formal reception was held and their presence was duly appreciated and a great encouragement was given to the INA. Netaji himself was much pleased and

gave the title of 'Pradhanji' to Angou Singh The Manipuri contingent was used in the Intelligence Department of the INA though a few of them served in the army as well M. Koireng and some others joined the INA later on. Among the Indian soldiers captured by the Japanese was one Manipuri Muslim, Mr. Naki, brother of Md Ulhullah, who also served under the INA as captain.

With the surrender of Japan after the American bombing of Hiroshima and Nagasaki in 1945 the end of the Second World War was in sight. The British recaptured Burma and arrested the INA personnel. Then the trial of INA personnel and the passing of death sentence on Shah Nawaj, Dhillon and Shehgal followed. The whole of India demanded that they should not be hanged A defence Council with Sapru as Chairman and many prominent lawyers and jurists including Jawaharlal Nehru as members was set up and pleaded strongly to the Governor General against the death sentence passed by the Court Martial. The result was that they were released And along with them some of the arrested INA personnel were convicted but set free

With the close of the 2nd World War and the trial and release of the INA personnel, the whole of India was electrified with the zeal for independence and Manipur was no exception A strong sense of political consciousness was felt among the people Jai Hind became a popular slogan and the released INA personnel were given a warm reception. Infused by the spirit of Netaji a volunteer organization was started under the name of INA Volunteer Corps. Some 300 youths of Manipur joined it. It was organized by me with the help of Angou Singh The volunteers were given training for parade. Mr. Tomba Sarma and Mr. Rajen Singh were sent for training to Calcutta for this purpose. For the first time Hindi terms used by the INA for drill and Parade were used among the volunteers. The volunteers were given a special badge INAVC and they wore a uniform of Khaki. These volunteers did many social services during a short period and even helped flood affected people.

They were trained up with the ideal of "To do or die" for the freedom of India and Manipur...."

মাইপাকসনানা মণিপুরগী আই এন এ রিলিফ কম্মিটিগী সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌরিঙৈ মতমদুদা মহাক্কী থবক খুৎশু অমদি মহাক্না লৌখৎলিবা থবক কয়া অদু **বেঙ্গল আই এন এ ইনক্বারি এন্দ রিলিফ কম্মিটিনা** থাগৎপা ফোঙখি। বেঙ্গলগী কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা মাইপাকসনাদা ইবকপা চিঠি অমা হাপচরিঃ

BENGAL I. N. A. ENQUIRY & RELIEF COMMITTEE

PRESIDENT
SYED NAUSHERALI
VICE PRESIDENT
SURENDRA MOHAN GHOSH

SECRETARIES

TREASURERS

GUINEA HOUSE"—131 BOWBAZAR ST

Calcutta, 19th June/1946.

To
Mr. R.K. Maipak Sana,
Secretary, I.N.A. Relief Committee,
Singjamie Bazar,
P.O. Imphal,
Manipur State.

JAI HIND.

Your letter dated 3rd June, 1946, has been received by this office. I am glad to inform you that your ~~collection~~ for the I.N.A. Relief Fund has been approved and collection Coupons will be sent to you in due course. Please remit all collections direct to this office. We shall try to give your collection as much publicity as possible but we can not promise you for the same.

Jai Hind.

Genl. Secretary.

আই এন এ গীদমক মাইপাকসনানা তৌরিবা থবক অসি, রিলিফ কম্মিটি অসিগী মেম্বর খোমগৎপগা লোয়ননা রিলিফ ফন্দসু খোমগৎপনি। মহাক্না তৌরিবা থবকশিং অসিগীদমক্তা **বেঙ্গল আই এন এ ইনক্বারি এন্দ রিলিফ কম্মিটিদা** থাবা চিঠি অদুগী কোপী অমসু **ওল ইন্দিয়া আই এন এ ইনক্বারি এন্দ রিলিফ কম্মিটিগী** চেয়ারমেন সরদার বল্লবভাই পটেলদসু থাখি। মহাক্কী চিঠি অদুগী পাউখুম অমা চেয়ারমেন অসিনা ইং ১৯৪৬ কী জুন ২০ দা হল্লকখি। বল্লবভাইনা হল্লক্লিবা চিঠি অদু নিউ দিল্লিদগী থাবকপনি। চিঠিদুগী মরোলদু মখাদা ফোঙদোকচবিঃ

R. Rag ..
INA. R.C.

Tel { CONGRESS 46960

— ALL-INDIA —

I. N. A. INQUIRY AND RELIEF COMMITTEE

Chairman
Sardar Vallabhbhai Patel

Congress House.
Bombay 4.

Camp: Birla House,
Albuquerque Rd.,
New Delhi.
20th June 1946.

Dear [illegible],

[illegible] have received a copy of your letter [illegible] inst. addressed to the Secretary, [illegible] Relief Committee (B. & I.), Calcutta. [illegible] that you have organised a strong committee for the purpose of collecting funds for the relief of the I. N. A. personnel, many of them are in distress and are in need of immediate help. I hope the Calcutta Committee will have no hesitation in affiliating your Committee and that you will be able to satisfy them about the rules and conditions of affiliation.

Yours sincerely,
Vallabhbhai Patel

Sri [illegible] K.K.M[illegible]k Sana,
[illegible],
I. N. A. Relief Committee,
[illegible],
P.O. Imphal.
Manipur State.

মতম অদুদা জননেতা ইরাবততি ভারত কম্যুনিষ্ট পার্টিদা য়াওখ্রবনি। অদুম ওইনমক মহাক্না মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি শেম্বগী মহুৎতা প্রজা সঙ্ঘ কৌবা অমা শেম্লগা রাজনীতিগী থবক তৌখি। অনিশুবা লাঙ্গাউ মতুংদা মতমদুগী লাইবিক-লাইশু হৈবা মীওইশিংনা তোঙান-তোঙানবা বাজনীতি দল লিংখৎনবম্মী। মখোয়গী মনুংদা মিং পন্নবিবা অসি নিখিল মণিপুব মহাসভা, প্রজা সঙ্ঘ অদুগা কৃষক সভা হায়বসিনা মরু ওইবনি। মহাসভা অসি রাজনীতি দল ওন্থোকপদা জননেতা ইবাবোতনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্লবসু সিলেত জেলদা লৈরুববগী মতুংদগী মহাক্কী ৱাখল হোংখিদুনা মহাসভা থাদোক্লগা প্রজা সঙ্ঘ শেমখ্রে। এলাংবম তোম্পোক অমদি কৃষ্ণমোহননচিংবগী খুৎতা মহাসভা অসি লৈহৌরে। কৃষক সভা অসিদা ডাঃ নিংথৌজম লৈরেননচিংবনা লুচিংবা ওইদুনা শেম্বনি। মসিগুম্বা মপাঙ্গল কন্দবা দল মচা কয়া অসি লৈবগী মহুত্তা, পুন্নমকসি পুনশিন্দুনা মপাঙ্গল কনবা দল অমখক্তং লৈবনা লৈবাক প্রজাগী যাইফগনি হায়না খনবা নহারোল কাঙলুপ অমনা দলশিং অসি পুনশিল্লগা ইণ্ডিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী মতৌ অদুগুম মণিপুরদসু পার্টি ময়ামসি পুনশিল্লগা পার্টি অমখক্তং শেমসি মদুগী মমিং কংগ্রেস কৌসি হায়না কন্না খন্নখি। কংগ্রেস লিংনবা খন্নরিবা নহাবোলশিং অদুগী মবক্তা বাজকুমার মাইপাকসনাসু য়াওখি। মতমদু মণিপুরদা দি এম কলেজ লিংখৎলক্কুনা মহাক আই এ তম্না মতমনি। মতাং অসিদা "Dawn of political conciousness among the educated" হায়বা ৱারেং অদুদগী শরুক খরা লৌখৎচবি।

> " ..The need of a well organized political party was keenly felt Unfortunately, the Nikhil Manipur Mahasabha was dormant and inactive at that time as there was no influential leader After the release of Irabot Singh from Sylhet jail in 1945, he became a Communist and he did not at once come out to Manipur He was greatly influenced by one of the leading Communists who had already been inside the jail Though Irabot Singh was at first a follower of Gandhiji and worked in the line of Gandhian philosophy, he could not withstand the enchanting scientific principles of communism. When he came to

Manipur afterwards he showed to me the books – Max-Engel-Lenin-Stalin - and described them as the Gita of politics. From a wearer of Khadi he became a wearer of silk and all his former inclination towards Khadi disappeared. I requested him to become a Congressite for the interest of Manipur and offered myself with my 300 volunteers to be under his command if he agrred to become a Congressite. At first he said that he would consider my request But after some days when I again met him he said that it was not possible for him to become a Congressite – there was no help. So I was determined to overthrow him anyhow. Before this I thought him to be the only patriot of Manipur and also the only political leader who could bring the whole of Manipur under his leadership. But when he preferred the communist way of struggle . . I had to find out or create another person to take up the leadership for the political struggle in Manipur.

There were two great tasks before me - one was to overthrow Irabot Singh from the privileged position of being a leader and to remove the wrong impression in the mind of general public that he was still the same Irabot, a follower of Gandhiji by revealing the fact that he was then a Communist, . - another was to popularize the ideas of non-violence and Gandhism and to organize a political party in the lines of the Indian National Congress so that a greater understanding and realization of the political consciousness might be achieved for the freedom struggle. In these tremendous tasks, I did not take the help of anyone but initiated them from my personal thinking all alone. So I first wrote an article, "Antore Communist Bahire Congress"- on the role played by Irabot Singh to reveal his own activities. It

was published in the "Bhagyabati Patrika" which drew the attention of many people The rejoinder was given by Meghachandra Singh under the name of Gourmani Sarma in an article in Bhagyabati Patrika. My next article was "One step forward two steps backwards". This kind of charge and reply, countercharge and counter reply made the Paper very popular as it touched a vital point and its circulation increased. However many people began to realize Irabot Singh's true colours.

The constructive side – I was then quite young compared with the other persons in the field and my educational qualification was also only matriculate. Still enthused with the sense of freedom and political emancipation, I had to find out some means to establish a congress organization in Manipur. A group of elder people was also eager to do the same. So we met and dicussed about the ways and means We formed an organizing Committee and called a conference The members of the Committee were I myself, S. Indramani, Sudhir Singh, Lalmani, L. Yaima, and some others. The object of the conference was to organize a body with the Congress objective and to merge all the then political parties into a single and powerful body. Invitations were served to Nikhil Manipur Mahasabha, Praja Sangha and Krishak Sabha – the latter two bodies were under the leadership of Irabot Singh. A conference was held at the Aryan Theatre Hall with Shri Krishna Mohon Singh in the Chair. Four representatives from each party and members of the organizing Committee met This was during the latter half of 1946."

কংগ্রেস লিংখৎনবা মহাক্কা লোইননা কন্না পুক্রীং চঙনা হোৎনখিন্নবিবা অতোপ্পা নহারোলশিং অদুদি শগোলশেম ইন্দ্রমণি, যুম্নাম খোইমচা,

নোংমাইথেম সুধির, রাজকুমার প্রিয়োগোপালসনা, অরাম্বম লালমণি, লোইতাম য়াইমনচিংবা যাওখি। হায়রিবা নহাবোলশিং অসিনা বার্ত্তন তৌদুনা অমদি শীন-লাংদুনা ইং ১৯৪৬ কি ওক্তোবর ৪ দা মথক্তা মিং পনখিবা দল অহুমসিগী অপুনবা মীফম অমা এরিয়ান ঠিয়েটর হোলদা পাংথোকখি অমদি নুমিৎ অদুদা কংগ্রেস পার্টি শেমখি। অদুবু জননেতা ইরাবততি মীফমদু য়াওবমদনা মপান থোকখি। নৌনা শেমগদৌবিবা পার্টি অদুদা হান্না ভারতকী পোলিতিকেল পার্টি অমদা যাওববা মীওইদি য়াওবা য়াবোই হায়না খন্নরকপা মতাংদা ইরাবত অসি মপাল থোকখিবনি। মীফমসিগী মমাঙ ইং ১৯৪৫ দা আসামগী কছাড়দা পাংথোকখিবা অসাম বিধান সভাগী মীখলদা ইরাবোত অসি কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মীবেপ ওইখিবনি।

আর কে মাইপাকসনা অমসুং লোয়নবশিংনা কন্না হোৎনবদগী হায়রিবা চষ্টী ১৯৪৬ তা ইঙ্গান হানবা গান্ধী জয়ন্তিগী থৌবম ওক্টোবর তাং ২ দা টীঙা লম্পাক্তা পাঙথোকখি।

মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেস শেমখ্রবা মতুংদা মসিগী থবকশিংসু কনখৎলক্লম্মী। ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন ওফ মণিপুরবু মণিপুর ষ্টেট ষ্টুদেন্ট কংগ্রেস ওক্তোক্লবা থবকসু চখ্ররম্মী। মহিলা সমাজবু ইরাবতনা সি পি আই নুপীশিংগী ওইবা ওর্গেনাইজেসন অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মাইপাকসনানা মথাগী অসুম্না ইরম্মীঃ

> "I had to fight tooth and nail against his stratagem and to frustrate all his attempts to influence or dominate the fronts specially the student and women fronts This activity incurred the displeasure of some women (girls) of the Mahilla Samaj, Miss Thoibi Devi with the help of CPI themes brought out a brochure "Sak Khangbihou– Leibak Manghanba" The persons referred to as being detrimental to the interest of the country were I (myself) and Mr. Dwijamani Dev Sharma as we criticized some of the works taken up by the Mahilla Samaj (regarding the indifference to Khadi and spinning) in a meeting of the Samaj itself in which Comrade Irabot was also present. Anyhow some of the members of the Samaj were my intimate co-workers and the Mahilla Samaj could not be used as a powerful front of Irabot Singh, ..."

ইং ১৯৪৬ কী ওক্তোবর তাং ৪ গী মীফমদুদা য়াওখিবা মীহুৎশিংদি, মহাসভাগী মাইকৈদগী সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ, লাইশ্রম যোগেশ্বর অদুগা এলাংবম তোম্পোক, প্রজা সঙ্ঘগী মায়কৈদগী হিজম ইরাবোত, আর কে ভুবনসনা অমদি অয়েকপম অঙ্গো, কৃষক সভাগী মায়কৈদগী ডাঃ নিংথৌজম লৈরেন সিংহ, কহ্নাই অমদি মধুমঙ্গল অদুগা নহারোলগী মায়কৈদগী য়ুম্নাম খোইমচা, শগোলশেম ইন্দ্রমনি অমদি রাজকুমার মাইপাকসনা অসিনি।

মীফমদুনা মত অমত্তা ওইনা কংগ্রেস পার্টি শেম্নবা তুংদা মদুগী ৱার্কিং কমিতি মেম্বরশিংদিঃ

(১) রাজকুমার ভুবনসনা, প্রসিদেন্ট,
(২) য়ুম্নাম খোইমচা, জেনরেল সেক্রেটরি,
(৩) লাইময়ুম ললিতামাধব শর্ম্মা,
(৪) সিনাম কৃষ্ণমোহন,
(৫) হিদংময়ুম দ্বিজমনি শর্ম্মা,
(৬) নোংমৈকাপম গোপাল,
(৭) য়ুম্নাম মেঘ,
(৮) অয়েকপম অঙ্গো,
(৯) লাইশ্রম যোগেশ্বর,
(১০) করাম মাইপাকপী,
(১১) এলাংবম তোম্পোক,
(১২) হৈস্নাম নিত্যাই,
(১৩) ডাঃ নিংথৌজম লৈরেন,
(১৪) রাজকুমার মাইপাকসনা,
(১৫) লাইশ্রম অচৌ অদুগা
(১৬) চুংখাম বিজয়চন্দ্র অসিনি।



জুলাই ১৯৪৭ ফাওবদা লৈরম্বা মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকী ৱার্কীং কমিটীগী সদস্যাশিং (সদস্যাশিং লোয়নমক শুদে)

অহানবা পরেং ওইরোমদগী– ১। অয়েকপম অঙ্গো সিংহ, ২। হিদংময়ুম দ্বিজমনিদেব শর্ম্মা, ৩। বাঃ কুঃ ভুবনসনা সিংহ, ৪। লাইময়ুম ললিতামধব শর্ম্মা, ৫। নোংমৈকাপম গোপাল সিংহ, ৬। যুম্নাম মেঘ সিংহ, ৭। যুম্নাম খেত্রিমণি সিংহ,

অহুমশুবা পরেং ওইরোমদগী– ১। এলাংবম তোম্পোক সিংহ, ২। লাইশ্রম যোগেশ্বর সিংহ, ৩। করাম মাইপাকপী সিংহ, ৪। সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ, ৫। নম্বোলদগী মোহোন সিংহ (সদস্য নত্তে), ৬। হৈস্নাম নিত্যাই সিংহ।

মরিশুবা পরেং ওইরোমদগী– ১। রাজকুমার মাইপাকসনা সিংহ, ২। লাইশ্রম [illegible] সিংহ, ৩। পুখ্রাম বীজয়চন্দ্র সিংহ, ৪। মোধুমালি সিংহ (সদস্য নত্তে)।

অসুম্না শেমখ্রবা কংগ্রেস অসি ইং ১৯৪৭ কী আগষ্ট ১৫ দা মণিপুৰনা বৃতিশকী মখুৎতগী নীং-তম্বা ফঙলমদাই মমাঙদা লৈগদবা ইন্টৰিম গভর্ণমেন্ট অদুদা মন্ত্রী ওইনা যাওগদবা মীশক খনবগী হাত্তুংত্তা জুলাই থাদগী উংখৎনরকপদুনা আগষ্ট ৬ তদি ফোর্মেল ওইনা কায়নখি। মসিগী মতাঙদা মাইপাকসনানা হায়বম্মী ঃ

> "With the emergence of independence for India an Interim Ministry headed by Jawaharlal Nehru was formed at the Centre. The paramount power of the British over Manipur and other Native States lapsed. The Maharaja of Manipur, Sri Bodh Chandra, signed the Instrument of Accession to Indian Dominion and Manipur acceded to India on three subjects viz, Defence, Foreign Affairs and Communication Along with this the proposal for the formation of an Interim Council of Ministers was afoot. Mr. Pearson was the President, Manipur State Durbar He proposed an Interim Ministry . .
>
> ..Those who went to Mr Pearson included S Krishnamohon, L Jugeswar, Dwijamani, Lalitamadhov and Bhubhonsana in an unauspicious night and submitted the names of Krishnamohon and Dwijamani (most probably) as the Congress nominees without the prior approval of the Congress Working Committee. The submission of the names of Congress nominees was also kept as a close secret. But Leiren Doctor, who had been previously informed of the invitation but had been left out during the meeting between the Congressmen and PMSD overheard the conversation among them after their meeting and came to know the secrecy or rather the conspiracy. The next day Dr Leiren made the whole thing public and exposed the secret arrangement and agreement between some Congressmen and the PMSD
>
> So a requisition for an emergent meeting of the Congress Working Committee was made by some

members of the W.C. Since it was pre-arranged by the interested persons of the first group the Congress President nominated one of his puppets as a member of the Interim Council on the very day of the emergent meeting. The seat of one member was vacant at that time for some days past. The submission of Congress nominees to be included in the Interim ministry without prior consultation and approval of the W.C. was confirmed and approved by a bare majority of one or two members. This kind of conspiracy and lack of sacrifice and sense of democratic procedure on the part of some so-called leaders of the Congress led to the inevitable split of the Congress soon after its formation.

The Congressmen, who wanted a Congress majority Interim Ministry and even approved of its formation, therefore had to leave the Congress due to dictatorial procedures adopted by the Working Committee which arrogated the supreme power of final decision on this important public question. Soon they formed a rival Manipur State Congress with Sri Elangbam Tompok Singh as President. But the Government of Manipur did not recognize the new Manipur State Congress and went on with the proposal. However realizing the popularity of Tompok Singh and the good and rightful cause his party had taken up, Mr. Pearson invited Tompok Singh to be one of the Interim Ministers representing the people and made it known that only one nominee from the other M.S.C. would be nominated The other Congress was then known as Tomal Congress since Tomal was made its President whereas the party led by Tompok became to be known as Tompok Congress. Now after a close examination of the new proposal and the future position to be encountered by the public representatives in a body of six members, the Working Committee of Tompok Congress rejected

> Pearson's proposal but demanded a public representative majority Ministry instead of the envisaged set up. Anyhow the Interim Council was formed with 2 representatives from the Tomal Congress, 2 from officials and 2 from the hill representatives and Mr. M.K. Priyabarta became the Chief Minister. The members were Krishnamohon, Bhubhonsana (Congress),......"

কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইবম্বা ভুবনসনানা মন্ত্রী ওইনা কাউন্সিলদা য়াওখ্রবা মতুংদা পোৎশংবম তোমালনা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইনা জুলাই ২৭ তগী থবক পুবা হৌখি। অমরোমদা আগষ্ট ৬ তা এলাংবম তোম্পোক্না প্রসিদেন্ট ওইনা কংগ্রেস অমসু শেমখি। কংগ্রেস অনিসিবু মীয়াম্না "তোম্পোক কংগ্রেস" "তোমাল কংগ্রেস" হায়দুনা হৌজিক ফাওবা হায়নবি। অদুবু ইং ১৯৪৯ গী এপ্রিলদগী সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহনা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইখিবদগীদি কংগ্রেস অনি থোকপগী ৱাফমসি লৈখিদ্রে। তোম্পোক অমসুং তোমাল কংগ্রেস অনিমকসি হৌজিক লৈরিবা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি অসিনা কংগ্রেসনি হায়না অদুম শকখঙলি।

নিখিল মণিপুর মহাসভাদা সবকারগী থবক তৌবা মীওই য়াওবা য়াবোই হায়না মণিপুর দরবারনা ৱারেপ লৌরকপা অদুদা মহাসভা অসি কমদৌগদগে হায়না খন্নবা মীফমদা রাজকুমার মাইপাকসনানা চেন চোংখিবা, মতুংদা ইং ১৯৪৬ তা কংগ্রেস শেম্নবা হোৎনবদা কলেজ ছাত্র অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা, ইবা খোৎপা হৈবা, ঙাঙ-শকপা ফবা অসিনচিংবশিং অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী য়াইফনবা হোৎনবদা মশাগী ওইজবা থাদোকখ্রবা, সরকারগী থবক ফাওবা তোকখ্রবা এলাংবম তোম্পোক্না রাজকুমার অসিবু লুনা চান্না তৌখি। তোম্পোক অমদি মাইপাকসনা অনিমক অসি মহাত্মা গান্ধীগী নিয়ম নীতিশিংবু য়াম্না পামজবা গান্ধীয়ান ওইবা মীশকশিংনি। অদুনা শ্রীশ্রীগোবিন্দজী খুরুম্বা চঙবদা গান্ধী তুপি উপতুনা, ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল পুদুনা চঙলুবদা থিংলকপগীদমক তোম্পোক কংগ্রেসকী মীওইশিংনা সত্যগ্রহ আন্দোলন চঙনবা ৱাবেপ লৌখি।

ফিরাল সত্যাগ্রহগী লুচিংবশিং সত্যাগ্রহ চঙলি



আরঃ কেঃ সুরেন্দ্রসনা সিংহ, খাইবাকপম গিরি সিংহ, অমসুং অরিবম তোম্বা শর্মা

ৱারেপ অদু তোম্পোক অমদি মাইপাকসনা অনিনা পুখৎলকপদগী লৌখিবনি। ৱারেপ অদুগী ৱাবোনদু অসুম্না হায়খিঃ



ফিরাল সত্যাগ্রহদা সত্যাগ্রহিশিং পুলিসনা থিংবা

"তাং ১৫ । ৯ । ১৯৪৭ দগী সনা কোনুংদা গান্ধি কেপ অমসুং নেসনেল ফ্লেগপু অমান্য তৌরকপা অদুগী বিরুদ্ধদা অমসুং পোপুলব ইন্টরিম গেভর্ণমেন্ট (মীয়ামগী মীহুৎনা শাবা লাংদাই সরকার) অমদি মপুং ফাবা দায়িত্বশীল শাসন পুরক্লবা মণিপুব কংগ্রেসনা সতগ্রহ লৌখৎনবা প্রস্তার্ব তৌরি।" ৱারেপসি য়ানরদুনা সেপ্টেম্বর ১৯ দগী হৌনা ফিবান-তুপিগী আন্দোলন তৌখি। মণিপুর মহারাজ

বোধচন্দ্রগী মাইকৈদগী গান্ধি তুপি অমদি ভারত জাতিগী ফিরানবু থৌওইদবা লৈতে খঙহল্লকপদগী সেপ্তেম্বর ২৪ দদি আন্দোলন অদু লোইশিনখি।'' (মণিপুবদা ইহান হানবা সত্যগ্রহ আন্দোলন; মাইপাকসনাঃ লমাই ১৯-২০)

ফিরাল-তুপীগী আন্দোলন অসি লোযশিনখিনবগী মতাংদা মহারাজগী প্রাইভেট সেক্রেটরীনা সত্যগ্রহিশিংদা সেপ্টেম্বরগী তাং ২৪ দা পীরকখিবা চিঠি মখাদা ফোঙজরিঃ

MANIPUR STATE.

STATE OFFICE,
IMPHAL,
MANIPUR STATE,

24 . 9 . 1947.

STATION,
MANIPUR ROAD
B. A. R.

Satyagrahis,

I am directed by His Highness the Maharaja to say that His Highness will make an announcement on his week Birth-day i.e., Friday the 26th September, 1947 in the Palace Darbar Hall to which the Public will be invited.

Auspicious moment (time) will be announced later.

[signature]

Offg. Private Secretary
to H.H. the Maharaja of
Manipur.

ফিরাল-তুপীগী আন্দোলন অসিগী মতুংদা, মণিপুরদা পুর্নদায়িত্বশীল শাসন অমা লৈহল্লু হায়বসিগা মরী লৈননা তোম্পোক্লা লুচিংবা কংগ্রেসনা আন্দোলন অমা ইং ১৯৪৭ কী নভেম্বর ৬ তগী হৌনবা ব্রারেপ লৌখি। আন্দোলন অদু পার্টিসিগী ৱার্কিং কমিতিনা ইং ১৯৪৭ কি নবেম্বর ১ দা মপান কাঙজেবুংদা মীয়ামগা লোইননা মীতিন অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ব্রারেপ লৌরগা চৎথখিবনি। হায়রিবা আন্দোলন অদু মণিপুরদা ইহান হানবা সত্যগ্রহ আন্দোলননি হায়না রাজকুমার মাইপাকসনা মশামক্লা হায়। মহাক মশানা জেনরেল এদিটর ওইদুনা ইবা "মণিপুরদা ইহান হানবা সত্যগ্রহ আন্দোলন" হায়বা লাইরিক্তুগী ব্রাহৌদোক্তা রাজকুমার মাইপাকসনানা অসুম্না হায়ঃ

"খৃঃ ১৯৪৭ কী নভেম্বর তারিখ তরুক্তগী কুন্তরুক ফাওবা মণিপুরদা ইহান হানবা অমদি খ্বাইদগী চাউবা সতগ্রহ আন্দোলন তৌখি। মদুগী অকুপ্পা মরোল অমদি পন্থং হৌজিক্কী মতমদদি অয়াম্বা মীনা কাউনখ্রে অমদি নৌনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা খঙনদ্রে। থোইদোক্লসু মণিপুরগী রাজনীতিগী ইতিহাসতা য়াম্না মরু ওইবা তাংকক অমা ওইখিবা আন্দোলন অদুগী মরমদা লাইরিক ফোঙদোকপা হাযবসি য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমা ওইরে।

মরম অদুদগী লৈখিদ্রবা এলাংবম তোম্পোক সিংহ, শ্রীলোইতাম য়াইমা সিংহ অমদি লাইরিক অসিগী জেনরেল এদিটর ওইজরিবা অসিনা তান্নদুনা আন্দোলন অদুগী মরমদা লাইরিক অমা ফোঙনবা তাং ৯।২।৭৫ ইংদা ব্রারেপ অমা লৌখি অমদি মরী লৈনবা মচাক খোমগৎপা হৌখি।

মতুংদা তাং ১৬।৯।৭৯ ইংদা হীরম অসিদা থৱায় য়াওবা অমদি অতৈ আন্দোলন অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মীতিন অমা তৌদুনা "পব্লিশিং কমিতি ওন দি ফার্ষ্ট রসপোন্সিবল গভর্ণমেন্ট মুবমেন্ট, ১৯৪৭" কৌবা সংস্থান অমা শেমখি। মসিনা ১৯৪৭ কী আন্দোলনগী মরমদা ইগদৌরিবা লাইরিক অদুগী মচাক থিজিনবা অমদি ফোঙননবা থবক লৌখৎনবা ব্রারেপ তাখি। কমিতি অদুগী সদস্যশিংদিঃ—

(১) শ্রী এস সমরেন্দ্র সিংহ (সভাপতি),
(২) শ্রী জি চন্দ্রকুমার শর্ম্মা,
(৩) শ্রী রাঃ কুঃ সনাহল সিংহ, বি কোম,
(৪) শ্রী এল য়াইমা সিংহ,
(৫) শ্রী নোংমৈকাপম যদু সিংহ,
(৬) শ্রী রাঃ কুঃ মাইপাকসনা অমদি মথংগী মীতিন্দা হাপখিবা,
(৭) শ্রী ক্ষেত্রিময়ুম নান্নাং সিংহ অসিনি।

আন্দোলন অদুগী মরু ওইবা পন্থুংদি মণিপুরদা মপুং ফাবা দায়িত্ব শীল সাসন লৈহনবা অমদি মীয়ামগী ওইবা লাংদাই সরকাব লিংহনবা হায়বা অদুনা ওইখি। মদু মণিপুরগী মনুংদা খ্বাইদগী ইহান হানবা মীয়ামগী ওইবা রাজনৈতিক আন্দোলন ওইবতা নত্তনা মণিপুরদা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা, আন্দোলন অমসু ওইখি। মরম অদুনা মদু ইতিহাসকি ওইবা মচাক অমসু ওইববনি।''

লাইরিক অসি ইং ১৯৯৬ তা ফোঙখিবনি। আন্দোলন অদুদা রাজকুমারনা মাইপাকসনা অসি আন্দোলনগী লুচিংবা অমা ওইনা হকথেংননা য়াওখি। আন্দোলন অসিগী লুচিংবশিংগী পুনফম অসি শীংজমৈ মথক য়ুম্লাম লৈকাইগী লাইরেম্বী লম্পাক অসিদনি। ভলুন্টিয়ার মযাম পুনফমসু মফমদুদা ওই। আন্দোলন অসি মাই পাক্লা চৎথনবা হোৎনবদা ভলুন্টিয়ারশিংবু পুক্লীং থৌগৎপা ৱাফম কযা লুচিংবশিংনা তত্তনা ফোঙদোক্লে। বাজকুমার মাইপাকসনাসু ৱা ঙাঙবশিংগী মনুংদা যাওই। মহাক্তি মহাত্মা গান্ধীগী অহিংসাগী নীতি অসিবু য়াম্না পামজবা অদুগা মদুদা চেৎনা থাজজবা মীশক অমনি। অদুনা অহিংসাগী নীতিদা আন্দোলন অসি চৎথবা পামখি। অদুনা মহাক্লা আন্দোলনকারীশিংদা ঙাঙখিবা ৱাফমশিংদসু মহাক্তি অনীংবসি ফোঙদোকখি। মহাক্লা ঙাঙখিবগী ৱাফম খরা লৌখৎচরি ঃ

''সরকাবগী আন্দোলন ঙাকপশিংদি তলব ৱালানি মপুনা তৌ হায়বদুদা তৌরিবনি। ঐখোয় সত্যাগ্রহীশিংদি ইশা

ইশানা শিবা ফাওবা আন্দোলন তৌদুনা দাবী ফংনবা তানবনি। মিৎ নাকোং শিংনা গান্ধীযান নীতিগী লিক্লম অমফাওবা কায়দনা অহিংসা নীতিদা সত্যগ্রহ আন্দোলন চৎথসি, মদুদা ঐখোয়না মাইথিগদবা লৈতে'' (মাইপাকসনাঃ মণিপুরদা ইহান হানবা সত্যগ্রহ আন্দোলন, লঃ ২৩)

সত্যগ্রহ আন্দোলন অসি চৎথদুনা তাল্লিবসি মরু ওইবা দাবী অহুমখল্লি। দাবীশিং অদুদিঃ– (১) মণিপুরনা বৃটিশকি মখুৎতগী নিং-তম্বা ফংবা মতমদুদা শেমখিবা লৈবাক শাসন পুনবগী ইন্তরিম কাউন্সিল অদু থুগাইদুনা প্রজানা যাবা লাংদাই সবকাব অমা যাম্না থুনা শেম্বা (১) ইং ১৯৪৮ গী এপ্রিলদগী প্রজাদা পুর্নদায়িত্বশীল শাসন পীগনি হায়না শ্রীযুৎ মণিপুবেশ্বব মহারাজনা লাওথোকপা অদুগা (৩) পূর্ন দায়িত্বশীল শাসন তাননবা প্রজানা পামজবা কন্সটিট্যুসন (সংবিধান) অমা শেম্নবগীদমক সাবালক ওইববা প্রজাশিংনা খঞ্জবা প্রতিনিধিনা শাবা বিধান পরিষদ (কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লী) অমা যাম্না থুনা লিংখৎনবা মহারাজনা থৌরাং তৌবা হায়বসিনি।

মণিপুব তম্পাক্কী তোঙান-তোঙান্নবা মফম কযাদা কমিতি শেমদুনা আন্দোলন অদু পাক-চাউনা চৎথনবা শেম শাখি। আন্দোলন অদু এলাংবম তোম্পোক সিংহনা লুচিংলিবা মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেস হাযবদুগী মখাদা চঙশিনবনি। আন্দোলন অসিগী থবক-থৌবমশিংগী অবোইবা ৱারেপ লৌবা ঙম্নবগীদমক ''মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেস, সত্যগ্রহ কাউন্সিল ওফ এক্সন'' হাযবা অমা শেমখি। তোম্পোক সিংহনা কাউন্সিল ওফ এক্সন অসিগী ''ডিক্টেটর'' ওইখি।

আন্দোলন অদু চৎথরিঙৈ মরক্তা মণিপুর মহারাজগী মহুৎ শিন্দুনা চীফ মিনিষ্টর প্রিয়োবর্ত্তা সিংহনা নবেম্বব ২৩ দা মণিপুরদা পুর্ন দায়িত্বশীল সাসন লিংলগনি হায়না লাওথোকখি। চীফ মিনিষ্টরনা লাওথোরক্লিবা ৱাফম অদুদা সত্যাগ্রহ লুচিংবশিংনা অপেনবা ফোঙখি। মদুগা লোইননা আন্দোলন অদু নবেম্বর ২৬ কি অহিং পুং ৯ দগী লেপ্লে হায়না সত্যগ্রহ কাউন্সিল ওফ এক্সনগী দিক্তেটর তোম্পোক সিংহনা নবেম্বব ২৭ তা মীয়ামদা লাওথোকখি। দিরেক্টর তোম্পোক্কী ৱারোলদু মখাগীসিনিঃ

মনিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকী সত্যাগ্রহ কাউন্সিল ওফ এক্সন্না প্রজাদা লাউথোকচবাঃ--

প্রজাগী দাবী কংলে.

সত্যাগ্রহ অন্দোলন লেপ্লে

—:(*):—

তাং ২৩।১১।৪৭ ইংদা নোংমাইজিং নুমিত্তা মপান কাংজৈবুংদা মনিপুরেশ্বর মহারাজগী সনা মাথং ওইনা চীফ মিনিষ্টারনা ১৯৪৮ ইংগী এপ্রিলদগী পূর্ণ দায়িত্বশীল শাসন লিংলগনি হায়না লাওথোকপিখে। মসিগী মরিদা ডোমিনিয়ন এজেন্টগা উন্নদুনা মরম পুম্নমক শেংদোক্কদা প্রজাগী শাসন লিংখৎপদা অপনবা নৈররোই হায়না খংহনবিরে। মবম অসিনা তাং ২৬।১১।৪৭ ইংগী অহিং পুং ৯ দগী সত্যাগ্রহ লেপলে। তাং ২৮।১১।৪৭ ইং ইরাই নুমিত্তা নুংখিল পুং ২ তাবা মতমদা মপান কাংজৈবুংদা প্রজা শাসন ফংবগী মরমদা অগোবা সভা অমা ফমগনি। লৈবাক্কী ভদ্রলোক অমসুং ভদ্রমহিলা পুম্নমক লেংবিরকুবা নিংশিংজরি। ইতি।

লৈবাক্কী ননাই,
শ্রীতোম্পোকসিংহ
ডিক্টেটর, সত্যাগ্রহ কাউন্সিল
ওফ এক্সন।

ইম্ফাল
তাং ২৭।১১।৪৭ ইং

T.P-W.

মণিপুরগী ইহান হানবা সত্যগ্রহ আন্দোলন অসি হেক লোইশিনখিবগা, মহারাজনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না মণিপুর বিধান সভাগী ইহান হানবা মীখল অদু ইং ১৯৪৮গী মনুংদা পাওথোক্লবা থৌরাং তৌবা হৌই। চহীসিগী অওনবা শরুক্কগী মণিপুর ষ্টেট ইলেক্সন রুলস, ১৯৪৮ শেম্নগী থবক পায়খৎলি।



মমাং পারেংগী য়োংথংবদা রাজকুমার মাইপাকসনা
অমসুং মতমদুগী থবক তৌমিনরম্বা মী ওইশিং

ইলেক্সনগী থৌরাং তৌবকপা অসিদা নাকপাক তানরিবা কংগ্রেস অনি হায়বদি 'তোমাল কংগ্রেস'' অমদি ''তোম্পোক কংগ্রেস'' অনিসি পুনশিল্লগা মীখল থেংনবনা কংগ্রেসকী ফিভম হেন্না ফগনি হায়না খনবদগী কংগ্রেস অনিসি পুনশিন্নবা 'মণিপুর ছাত্র কংগ্রেস' হায়বা অসিনা যাম্না কন্না হোৎনৈ। ছাত্রশিং অসিনা হোৎনরিবা অদু মহৈ য়ান্নবগীদমক ''কংগ্রেস অনি পুনশিন্নদ্রবদি চবা হেন্দুনা শিরগনি'' হায়না লাইশ্রম ইবোবী সিংহ কৌবা অমনা হঙ্গর স্ত্রাইক চৎথখি। হঙ্গর স্ত্রাইক চৎথরকপা অসিদগী কংগ্রেস অনিসি পুনশিন্নবা কংগ্রেস ফেক্সন অনিগী লুচিংবা অহুম/অহুমগা অতৈ খবগা ইং ১৯৪৮ গী ফেব্রুৱারী ২৩ দা ভিক্তোরী সিনেমা হোলদা ৱারী শানবা মীফম পাওথোকখি। মদুদা ফেক্সন অনিসি পুনশিন্নবা হাযবসি ইন প্রিন্সিপালদা যানখি। অদুবু শ্রীইবোবীনা চবা হেল্লিবদু কংগ্রেস অনি পুনশিন্নদ্রিফাওবা তোক্লোই হায়রকপদগী ফেক্সন অনিসিগী লুচিংবশিং হাযবদি তোমাল কংগ্রেসতগী দ্বিজমনি শর্ম্মা, যোগেশ্বর সিংহ অদুগা রনবীর সিংহ; তোম্পোক কংগ্রেসতগী সমবেন্দ্র সিংহ, চন্দ্রহাস সিংহ অমদি গীরি সিংহ অহুম/ অহুমসিনা শরূক য়াদুনা নুমিৎতুগী নুংথিলদা মীফম অমমুক শ্রী মাঘো সিংহনা সভাপতি ওইদুনা চৎথখি। মীফমদুনা কংগ্রেস অনি অসি পুনশিন্নবা অমদি এদ-হোক কমিতি অমনা থবক পুহনবা হায়না য়ানখি। কমিতি অদুদা তোম্পোক কংগ্রেসতগী প্রসিদেন্ট, তোমাল কংগ্রেসতগী ভাইস প্রসিডেন্ট অমসুং জেনবেল সেক্রেটরী খনবা হায়না য়ানখি। অদুবু ৱাবেপ অদু থবক ওইনা পাওথোকপা ঙমখিদ্রবসু ইবোবীগী চবা হেনবা অদুমদি তোকখি। তোম্পোক কংগ্রেসকী লুচিংবা অয়াম্বা কংগ্রেসতা চঙখিদ্রে। তোম্পোক কংগ্রেসকী লুচিংবা অয়াম্বনা পুনশিন্নবা কংগ্রেস অদুদা চঙখিদবগী মবমদি তোম্পোক কংগ্রেসকী মীওই অমবু প্রসিদেন্ট হাপ্তুনা এদ-হোক কমিতি অদু শেম্বা ঙমখিদনা লৈরিঙৈদা তোমাল কংগ্রেস অসিনা অশেংবা মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেসনি হায়না ইং ১৯৪৮ গী জানুৱারীদা ফমখিবা মণিপুর ষ্টেট, কাউন্সিলগী মীফমনা ৱাবেপ লৌখিবা অসিদগীসুনি। (তেলহৈবাঃ মণিপুর পোলিতিক্স- ২৭.২৮ঃ মতমগী য়াকাইরোল)।

ইং ১৯৪৮ দা মীখল পাওথোক্লবা শেম্লিবা রুল অদুদা চহী ২৫ শুরবা মীবু ভোট লেপ্পা য়াহল্লি অদুগা চহী ২১ শুরবা মীওইবুনা ভোটর ওইবা য়াহল্লি। মীখল অদু চহীদুগী জুন ১১ দগী জুলাই ২৭ ফাওবগী মনুংদা চীং-তম

অনীমক্তা তাঙ্কক নাইনা মীখল চৎথৈ। ভোট মশীং থীবগী অহানবা ফল অদু ইং ১৯৪৮ গী আগষ্ট ১০ দগী ফংবা হৌখি। মীখলদুদা কংগ্রেস, ১৪, প্রজা শান্তি ১২, কৃষক সভা ৫, সোসিয়েলিষ্ট পার্টি ৩ চীংগী ১৮ কারককখি। চীংগী এম এল এ ১৮, কৃষক সভাগী ৫ অদুগা প্রজা শান্তিগী ১২ অসি পূনশিন্নদুনা প্রজা শান্তিনা লুচিংবা সবকার অমা শেম্মী।

মণিপুরদা পুর্ন দায়িত্যাশীল লৈবা সরকার অমা লৈহন্নবা মীখল পাঙথোক্কনি হায়না লাওথোকখ্রবা মতুংদা মহারাজ বোধচন্দ্রসু মহাক্কা য়ানগদবা, ৰাখল চুংশিন্নবা ঙমগদবা পার্টি অমবু সবকার পায়হন্নবা থৌরাং তৌরকই। থৌরাংসিগী মখাদা প্রজা শান্তি পার্টি থেংনখি। অমরোমদনা চীংগী লুচিংবশিংগসু নকশিন্নবা হৌখি। মীখল মমাঙদা নকশিন্নখিবা অদুনা মরম ওইবগা মহাবাজগা নকশিন্নবা পার্টিশিং অসিনা সরকার শেন্না ঙমখিবনি। প্রজা শান্তি হায়বা পার্টিসিগী লুচিংবশিং অসি অহানবদা কংগ্রেস ওইরম্লবসু তোমাল কংগ্রেস, তোম্পোক কংগ্রেস হায়না থোকখিবা অদুদগী নাকল অনিমক্তা য়াওদবা ময়াইদা লৈবা কাংবুনি। ইলেক্সনগী মতমদদি পার্টিসিনা কংগ্রেসপু য়াম্না চৈখি। মীখলদা কংগ্রেসনা মেজোরিতি ফংখিবা তারবদি মণিপুর অসি অসামদা পুনশিনখিনবা আইন ফাওবা শেল্লক্কনি হায়খি। (তেলহৈবাঃ মণিপুর পোলিতিক্সঃ (২৯)ঃ মতমগী য়াকাইরোল্)।

ইং ১৯৪৮ গী মীখলসিদা কংগ্রেস অসি ইন্টরিম কাউন্সিলদা য়াওদুনা সরকার পায়বদা য়াওরিবনি। মীখলগীদমক কংগ্রেসনা পোইন্ট ২০ য়াওবা ইলেক্সন মেনিফেস্তো অমা মীয়ামদা লাউথোকখি। হায়রিবা মেনিফেস্তো অদুগী অহানবা পোইন্ট অদুনা অসুম্না হায়ঃ

"(১) পোপুলর গভর্ণমেন্টঃ মণিপুরদা মীয়ামগী সাসন, অমা লাক্লবা মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকি ৰার্করশিংনা চৎখিবা চহি ১৫ সিদা, বাজনীতিগী ওইবা লড়াই অমদা চংশিল্লক্লি। নিংথৌগী সাসনগী মহুৎতা মীয়ামগী দায়িত্ব লৈবা সাসন লৈহনবা হায়বা অসি মণিপুব ষ্টেট কংগ্রেসকি মরু ওইবা পান্দমনি।" (মথক্কি য়াওফমসিদগী)

মেনিফেস্তো অসিগী অহানবা পোইন্টসিদা কংগ্রেসনা চৎখিবা চহি ১৫ সিদা নিংথৌগী সাসনগী মহুৎতা মীয়ামগী সাসন লিংনবা লড়াই চঙশিল্লক্লি


হায়রিবসি, ইং ১৯৩৪ দা 'নিখিল মণিপুরী হিন্দু মহাসভা' লিংখৎলকপা অদুদগী মথং মথং চৎথরকপা থবকশিং অদুবু নীংশিংদুনা হায়বা ওইগনি। মরমদি কংগ্রেস হায়বা পার্টিসি ফোর্মেল ওইনা লিংখৎখিবা অসি ইং ১৯৪৬ কি ওক্তোবর ৪ দনি। অদুনা ইং ১৯৪৮ গী মীখলগী মতমদুদা কংগ্রেস লিংখৎখিবা চহি ১৫ শুরে হায়বা য়াবোই।

ইং ১৯৪৮ গী মীখল অসি মণিপুরগী ইহান হানবা মীখল ওইখিবনিনা য়াম্না মক ওইবা মীখল ওইখি। মহারাজ বোধচন্দ্রনা মহাক্কা য়াননা চৎপা ঙমগদৌবা পার্টি অমদা সরকার পায়হন্নবা ৱাখল তৌবগা লোয়ননা থবকসু তৌরম্মী। চীংগী লমদমগী মীওইশিংগা মহাক্কা অফবা মরী থম্নবা হোৎনবম্মী। তম্পাক্কি পার্টিশিংগী মনুংদা তোমাল কংগ্রেস তোম্পোক কংগ্রেস অনিমকপু য়াদবা, ময়াইদা লৈবা কংগ্রেসমেনশিংনা শেম্বা মণিপুব প্রজা শান্তি" হায়বা পার্টিদুগা নকশিন্নরম্মী। মীখলগী ফল লাউথোক্লবা মতুংদা প্রজা শান্তিবু চীংগী এম এল এ ১৮ অদুগা কৃষক সভাগী এম এল এ ৫ গনা শৌগৎতুনা সরকার অদু লৈহনখি।

মীখল অদু মণিপুর কনস্তিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ কি মখাদা পাঙথোকখিবনি। এক্টসিগী মখাদা নিংথৌগী অয়াবগা লোয়ননা মহারাজ বোধচন্দ্রগী মনাওনুপা মহারাজকুমার প্রিয়ব্রত্ত সিংহনা চীফ মিনিষ্টর ওইখি। বিধান সভা স্পিকবনা থ্নার্নসিপ কেন্দ্রদগী কাবকপা টি সি তিয়ানখমনা ওইখি অদুগা দিপুতি স্পিকরনা পাঙ্গে কেন্দ্রদগী কাবকপা তখেল্লম্বম বোকুল সিংহনা ওইখি। অতৈ মন্ত্রীশিংদি— ডাক্তর নিংথৌজম লৈরেন সিংহ, অবাম্বম ইবুঙোতোমচা সিংহ, অযেকপম গৌরবীধু সিংহ, তেবা কিলোং, রালেঙনাও খথিং অদুগা মহম্মদ আলিমউদ্দিন অসিনি।

মতমগী অওনবা খোঙচৎ লাকপা অদুগা মণিপুবনা মতম শাংনা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইনা লাকপদগী মপুং ফানা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইনীংলকপা অসিনচিংবা মরমদগী ইং ১৯৪৮ গী মীখল মতুংদা লৈখিবা সরকার অমদি বিধান সভা অদু মতম শাংনা লৈবা ঙমখিদ্রে। মণিপুবদা মতম শাংনা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরম্বদগী দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইনীংলকপা হায়বা অসি মতম্না পুরকপা অহোংবা অমনি। হান্না নোংচুপলোমগী শিক্ষা

ফংলমদবদগী নৌনা ফংলকপা, শিক্ষা ফংলক্লিবা মীওইশিং অদু মণিপুরগী মপান্দা চৎতুনা মহৈ-তম্লবা মতমদা ভাবত্তা দেমোক্রেসি ফংনবগী আন্দোলন কয়া চঙশিন্নবকপা, লুচিংবশিং অদুগী ৱাখল্লোন অমদি মখোয়গী পুন্সি মশক খঙলকপা অসিনচিংবা অসিনা মণিপুরসু নিংথৌগী সাসনগী মহুত্তা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইনীংলকপনি। মদুগীদমক সত্যগ্রহ আন্দোলন হৌরকখিবনি। আন্দোলন অদুগী মতুংদা লাকখিবা বিধান সভা অদু য়াম্না মপূং ফাবা ভারতকী অতৈ ষ্টেটশিংদা ফংগদৌরিবা বিধান সভা অদুগী থাক য়ৌরক্তবদগী ভারত্তা পুল্লগনা হেন্না মপূং ফাবা আইন সভা অদু ফংগনি খনবদগী ইং ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দা মণিপুরনা ভারত্তা পুনশিনখিবা অদুদা প্রজাশিংগী মাইকৈদগী অয়েৎপা লাকখিদে। মসিগুম্না মণিপুব ইতিহাসকী শকক অসি শ্রী আর কে মাইপাকসনানা ইবা **মণিপুরদা ইহান হানবা সত্যাগ্রহ আন্দোলন** অমসুং শ্রী মাইপাকসনা অমদি শ্রী লোইতাম যাইমা সিংহ অনিনা ইবগা ফোঙবা **নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা** হায়বা লাইরিক অনিসিদগী অদুগা মণিপুবনা ভারত্তা পুনশিনখিবগী মতাং অসিনা শ্রীময়েংবম আনন্দমোহন সিংহনা ইবা অমদি শ্রীঅক্ষয়কুমাব সিংহনা ফোঙবা **শিলোং ১৯৪৯** হায়বা লাইরিকশিং অসিদগীসু মচাক কয়া ফংলি। ইং ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দা মণিপুরনা ভাবত্তা পুনশিনখিবগা লোয়ননা লৈরম্বা মন্ত্রী সভা অমদি বিধান সভা অনিমক্কু মুথৎখি। মদুগা ইরোযননা ভারত সরকারনা, থারকপা ওফিসারশিংগী মখূৎতা মণিপুরগী শাসন লৈখি।



অহুমশুবা তাঙ্কক

মণিপুরগী জর্নেলিজমদা আর কে মাইপাকসনা

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা রাজকুমার মাইপাকসনা অসি সোসিয়েল সিঙ্কর অমা ওইবকখি। মদু মতাক্না অঙাং ওইরিঙৈ অমদি ঈনাখৎলকপা মতমদা খেংনখিবা হৌদোক কয়া অদুনা ওইহল্লকখিবনি। মণিপুরনা ব্রিটিশকী মখা পোনবা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইনা লৈরিঙৈ মতমদদা, মতম অদুগী লাইবিক-লাইশু হৈরবা কযানা ভাবত মনীং তমহনবা অমদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা কযা মখোযনা দেমোক্রেসিগী ফজবা কয়া লাউরিবশিং অদু তারুবগা মণিপুরগী তুংগী পুন্সিসু দেমোক্রেসি চৎপা লমদম অমা ওইবনা মীয়ামগী যাইফবা ওইগনি হায়বা পান্দমদা পুক্নীং কন্না থিংজিন্নখি। মদুগুম্বা মযাম অদুগী মরক্তা মাইপাকসনাসু য়াওখি হায়রসি মথক্কী ৱারী কয়াদগী খঙবা ঙমখবে। অমরোমদা অমুক, মণিপুরগী সাধারণ প্রজাশিংগী মরক্তা মতম অদুগী মণিপুরগী ওইরিবা ফিভমশিংদুগী মরমদা মীয়াম্না মমৃৎ তানা খঙবা য়াম্না ৱাৎলম্মী। অদুনা লাইরিক লাইশু হৈরবশিংনা মখোয়গী মমা লৈপাক মরমদমগী ফিভম অসি মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবা তঙাইফদে হায়না নীংনরম্মী। মদুগী উপাই খিবদা পাউগী চেফোঙ ফোঙবগী থবক অসি চৎথনরম্মী। মণিপুরদা চেফোঙ ফোঙবা হৌনরকপা মতমদা অহানবদদি সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎনবা হায়রসিনা অথোইবা পান্দম ওইরম্মী। অদুবু নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভানা ইং ১৯৩৮ গী সেসন্দা রাজনীতিগী ওইবা ৱাবেপ লৌবকপা অমদি মদুনা মরম ওইরদুনা মহাসভা অসি রাজনীতি দল অমনা তৌগদবা থবকশিং তৌরকপা, অমরোমদসু সরকারনা, মহাসভা য়াওবশিংনা সরকারগী থবক তৌবা য়ারোই হায়না থিংলকলবা মতম অদুৱাইদগীদি, মণিপুরগী প্রোগ্রেমশিং চেফোঙশিংনা নৈনবা হৌরক্লে।

পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাউ মতুংদগীদি তোঙানবা মখল কয়াগী চেফোঙশিং পুথোক্লবা হৌরক্লে। মখোয়গী মবক্তা নিখিল মণিপুর মহাসভানা ওনখিবা মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকীসু মশাগী ওইবা চেফোঙ অমা **প্রজাতন্ত্র** হায়না মমিং থোন্দুনা ফোঙখিবা অদু ইং ১৯৪৮ দগীদি বাজকুমার মাইপাকসনা সিংহনা এদিটর ওইখি। মণিপুরদা চেফোঙ মশীং য়াম্লকপা, পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাউ মতুংদা লমদমসিগী লাইরিক হৈবা মীওই মশীংগী চাং য়াম্না নেম্না লৈরবসু, লাইরিক হৈরবা মীওইশিংগী মরক্তা নৈনবা অমদি খঙনবা হোৎনবা অদুগা মদুদগী ফংলকপা ফল অদু লাইরিক ময়েক চৎতবা মখোয়শিংদসু খঙহন্নবা হোৎনবদি লেপ্পা লৈনরমদে। নিংথৌগী শাসনগী মখুৎতগী নাম্বোক্লগা দেমোক্রেসিগীদমক মালেমদা অমদি ভারত্তা লাক্লিবা ঈহৌ অদুদা মণিপুবসু য়াওশিনগদবনি হায়বা অসি মতমদুগী ওল্লক্লিবা রাজনীতিগী মশকপু কৃপ্পা যেংলিবা মীওইশিংগী ৱাখলদা ফাওরম্মী। মদুগুম্বা ৱাখল ফাওরিবা মীওইশিংগী মরক্তা রাজকুমার মাইপাকসনাসু অমনি। পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও মতুংদগী মণিপুরদা রাজনীতিগী অনৌবা য়াওল অমা পাল্লক্লে হায়বগী মতাংদা রাজকুমার মশামক্তা জেনবেল এদিতর ওইদুনা ইবা অদুগা মতুংদা ফোঙখিবা, "মণিপুরদা ইহান হানবা সত্যগ্রহ আন্দোলন" হায়বা লাইবিক অদুগী লমাই ৯ দা অসুম্না ইরিঃ

> "খৃঃ ১৯৪৬ হৌরকপদগীদি মণিপুরদা রাজনীতিগী অনৌবা য়াকাই অমা লাকখি। থোইদোক্না মরুওইনা ছাত্র ছাত্রীশিংগী অমদি নহারোলশিংগী মরক্তা অকনবা রাজনীতিগী ভাব তারকপা ঈথক অমা কন্না লাকখি। ভারতকী নীংতম আন্দোলনগী ৱারী খঙলকপা অমদি আই এন এ গী **করেঙ্গ য়া মরেঙ্গ** (থবক পাঙথোকপা নত্রগা থৱায় থাদোকপা) খোল্লাউগা লোইননা অঙকপা ফংলবা বলিদানগী অকুপ্পা ৱারোল খঙনরকপদগী নীংতম্বা পাম্বগী অনৌবা ঈনোৎ অমনা মণিপুরগী মীয়ামগী পুক্লীংদা কন্না য়ৈখি। ঈনোৎ অদুনা মণিপুর ছাত্র ফেদেরেসন কৌবা ছাত্রশিংগী সংস্থানদসু য়ৈদুনা মণিপুরদা অনৌবা রাজনীতিগী ঈহৌ হৌহনখি। ঈহৌ অদুগী ঈপোমনা মীয়াই চল্লবা অমদি নহারোল কয়াগী ৱাখন্দসু চঙখিদুনা রাজনীতিগী য়াওন অমা লাকখি।"

মদুগুম্না ঈহৌ অদুগা ঈরোইননা ইং ১৯৪৬ কী ওক্তোবর ৪ দা এবিয়ান ঠিয়েটর হোলদা অপুনবা রাজনৈতিক দল শেম্নবা মীফম অদু পাঙথোক্লবা শিনখিবা মতমদুগী নহারোল ৬ কী মনুংদা রাজকুমাব মাইপাকসনাসু অমনি। অতৈ মঙাদুদি শ্রীবাজকুমার প্রিয়োগোপালসনা, শ্রীশগোলশেম ইন্দ্রমণি সিংহ, শ্রীনোংমাইথেম সুধীর সিংহ, শ্রীঅরাম্বম লালমণি সিংহ অমদি শ্রীলোইতাম য়াইমা সিংহ অসিনি। নুমিৎ অদুগী মীফমদুদা মণিপুরদা কংগ্রেস কৌবা বাজনৈতিক দল অমা শেম্নগী ৱাফম মত অমত্তা ওইনা য়ানখি। অমদি কংগ্রেস কৌবা সংস্থান অসি পোকখি। শ্রীরাজকুমাব ভুবনসনাবু প্রসিদেন্ট অদুগা শ্রীয়ুম্নাম খোইমচা সিংহবু জেনরেল সেক্রেটরি খনখি। নুমিৎ অদুদা শেমখিবা মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকি ৱার্কিং কমিতিদা রাজকুমাব মাইপাকসনাসু য়াওখি।

মতম অদুদা লিংখৎলিবা মণিপুব ষ্টেট কংগ্রেস অসি মমিংতবু ভাবতকী নেসনেল কংগ্রেস হায়বা অদুগী মতৌ তমদুনা কংগ্রেস হায়রুবগী ৱানি অদুবু ভাবতকী কংগ্রেস অদুগদি মবী লৈনবা নত্তে। পার্টি অসি লিংখৎশুবা মতুংদা পার্টিসিগী অনীংবা, অপাম্বা অমদি পার্টি অসিগী থবকশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবগা লোইননা মালেমদা থোক্লিবা থৌদোক কয়া লমদমসিগী মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবনচিংবগী পান্দমদা কংগ্রেসকী চেফোঙ অমা পুথোক্লবা ৱারেপ্লখি। চেফোঙ অদুগী মমিং **প্রজাতন্ত্র** হায়না থোনখি অদুগা মদুগী অহানবা এদিটর অদু কৈশাম কুঞ্জবিহারী সিংহনা ওইখি। কংগ্রেস লিংখৎখিবা চহী ইং ১৯৪৬ তগী ফোঙবা হৌখি। মতুংদা ইং ১৯৪৮ দা রাজকুমার মাইপাকসনা এদিটর ওইদুনা তরুন প্রেস, ইম্ফালদগী ফোঙখি। চেফোঙ অসিগী মমিংগী হেক মখাদা ***The voice of the people is the voice of God*** হায়না থাবা হৌখি। মতুংদা ইং ১৯৫০ দা মাইপাকসনানা সম্পাদক অদুগা লাইশ্রম জয়চন্দ্র সিংহনা উপ-সম্পাদক ওইদুনা মখা তানা ফোঙখি। মতুংদা ইং ১৯৫১ দগীদি **প্রজাতন্ত্র** অসি জয়চন্দ্রনা সম্পাদক ওইদুনা মতোমতনা ফোঙখ্রে। মহাক মতোমতনা ফোঙজরবসু মতম খরদি কংগ্রেসকা শম্নরম্মী অদুবু চহি ৩/৪ গী মতুংদগীদি কংগ্রেসকা শম্নখিদ্রে। জয়চন্দ্র মশাগী নীং-তম্বা পাউ-চে ওইখ্রে। ইং ১৯৪৮ গী ওক্তোবর তাং ১০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী **প্রজাতন্ত্র**গী কোপী এনেক্সর ১ দা হাপচরি।

মরক অদুদা ইং ১৯৫০ দগী ১৯৫১ ফাওবা মাইপাকসনানা এদিট তৌদুনা **জন্মভূমী** কৌবা নুংতিগী চেফোঙ অমসু পুথোক্লম্মী। **জন্মভূমী** চেফোঙ অসি ফোঙলিঙৈ মতমদা **গান্ধী সেবক সভা** হায়বা নৌনা শেম্বা পোলিটিকেল পার্টি অদুগী জেনরেল সেক্রেটরীসু ওইরম্মী। গান্ধী সেবক সভা হায়বসি কংগ্রেস প্রসিদেন্টস্সু ওইরম্বা চীংঙা মখাদগী এলাংবম তোম্পোক সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা শেম্বনি।

বাজকুমার মাইপাকসনানা মেত্রিক পাস তৌখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফিভম কয়াবু হকথেংননা মশক খঙলকপদা নত্তনা ভারতকী অমদি মালেমগী ওইরক্লিবা রাজনীতিগী খোঙচৎ কয়াবুসু মশক খঙলকই। মহাক্না খঙলকপা অমসুং থেংনবকপা ৱাফম কয়াদু মশাগী ওইবা মোতকা লোইননা মণিপুরগী মীয়ামদসু খঙহন্নবা হোৎনরকই। ইং ১৯৪৮, মণিপুরনা ভারত্তা পুন্দ্রিঙৈ মতমদা মহাক্না এদিটর ওইদুনা ফোঙলম্বা **প্রজাতন্ত্র** চেফোঙগী ওক্তোবব ১০, নিংথৌকাবা, (ইং ১৯৪৮) গী 'ভারত অমসুং বৃটিশ কমনৱেলথ' হায়না হেদিং থাবা এদিতোরিয়েল অমত্তং লৌখৎচরিঃ

> ''হন্দক ভারতকি প্রধান মন্ত্রি পণ্ডিত জৱাহরলাল নেহরুনা লণ্ডন্দা বৃটিশ কমনৱেলথকী কনফরেন্স যাওবা চৎখরে। বৃটিশ কমনৱেলথকী মখাদা লৈবা অসি অষ্ট্রেলিয়া, কানাদা, নিউজিলেন্দ, খা আফ্রিকা, আইয়রলেন্দ অসিনচিংবা দেশশিং অসি ওইরম্বনি অমসুং লমশিং অসিগী রাজনিতিক ফিভমদি দোমিনিয়ন ষ্টেটসতা লৈবা ঙাক্তনি। দোমিনিয়ন ষ্টেটস হায়বসিদা লৈবগা পুর্নস্বাধিনগা খেন্নবা হায়ববু দোমিনিয়নশিং অসিনা ইংলণ্ডগী নিংথৌদা এলিজেন্স (শ্রদ্ধা) লৈবা অদুতনি। দোমিনিয়নশিংদা অতোপ্পগা লান তৌবা সন্ধি তৌনবগী স্বাধিন্তা য়াউনা পুর্নস্বাধীন লৈরবসু ইনদবা অমদি চেৎনা ফাবদি য়াদবা মবী খরনা দোমিনিয়ন মশেল অমসুং দোমিনিয়নশিংগা বৃটিশ গোভর্ণমেন্টকা ফাদুনা লৈনবনি। মরু ওইবদি লল্লোনবা অমসুং মিলিটরীগী মতেং পাংথোক পাংশিন তৌনবা অদুনি। হান্নদি দোমিনিয়নশিং অদু 'অঙৌবর্শিংগী' জাৎতনা নম্না ওইরম্মী। অদুবু হন্দক্তা ভারত, পাকিস্তান অমসুং সিংহল (লঙ্কা) দেশ অহুম অসিসু দোমিনিয়ন ওইবগী ফিভম

ফংখরে। বর্মাদি চপ চানা কমনৱেলথতগী খইনখিবগুম তৌখরে। পূর্নস্বাধীন ওইখরে। ভারতসু হৌখিবা জুন্দগী হৌনা পূর্ন স্বাধীন ওইবগী ফিভমদা লৈরেদি হায়ববু শাসনগী নিয়মদি চৎপা হৌদ্রি অমসুং কমনৱেলথতগী তোকত্রি।

বৃটিশনা হৈশিংবনা কমনরেলথ ওফ ফ্রি ন্যাসন্স কৌগদৌরে। অদুনা হন্দক নেহেরুনা চৎখিবা অসিদা ভারতকা বৃটিশকা লৈনগদৌরিবা মরি অদু লেপলগদৌরি। সোসিয়েলিষ্ট পার্টি অমসুং ফোর্দৱার্দ ব্লোক্না কমনবেলথতগী তোক্নো হায়রি। অমবোমদা ভারতকী ফোরেন পোলিসি (মীরৈবাক্কা মরি লৈনগদৌবা ৱারম) অমসুং ভাবতকী অনৌবা কন্সটিট্যুসন অদু মুন্না য়েংলগা ভারতনা দোমিনিয়ন ষ্টেটসতা লৈদুনা বৃটিশ কমনৱেলথকী মনুংদা লৈবা অসি তোক্লবা য়ানা লৈরি। হন্দক্তসু পোটেলনা ৱার্নিং অমা পিখি। দোমিনিয়নশিংগী মনুংদা মরু ওইন আইয়ারলেন্দ অসিদি বৃটিশ কমনৱেলথগী মনুংদা লৈনিংদবগী অকনবা আন্দোলন তৌখ্রবনি।

পণ্ডিত নেহেরুনা ভাবতকী ফোবেন পোলিসিগী ঘোষনা তৌবা মতমদা হায়খি, 'ভারততি কনাগুম্বা ব্লোক অমৎতদসু য়াওবোই অদুগা এংগ্লো আমেরিকান ব্লোক্কা রূশিয়ান ব্লোক্কা লান তৌরকপা মতমদসু অমদসু য়াওরোই, অমবোমদা য়াওবসু তৌরোই, নিউট্রেল ওইদুনা পৃথীবীদা শান্তি পুরক্লবা তৌগনি।'

খৃঃ ১৯২৮ গী আগষ্ট তাং ২৯ দা পণ্ডিত নেহেরুনা লক্ষ্ণৌদা ফমখিবা অল পার্টিজ কনফরেন্সতসু য়াম্না নিংথিনা হায়খি, আই এম স্পীসিয়েল্লি অন্নেবল তু রিকোন্সাইল মিসেলফ তু দোমিনিয়ন ষ্টেটস এন্দ ইটস ইমপ্লিকেসন' হায়বদি দোমিনিয়ন ষ্টেটস অমসুং মাগী আর্থ ময়াম অদু ঐগোন্দা সুকপক পক্লদে। হৌজিক বৃটিশ কমনৱেলথ হায়রিবা অসিনা করি তৌরিবগে অতোপ্পা অমগী মথক্তা তোংদুনা ঈ চুপ্পা। ইংলণ্ড অমসুং স্বায়ত্ত সাসন লৈবা দোমিনিয়ন্না ভারত, আফ্রিকা, মালয় অমসুং পৃথিবীগী জাগা কয়াবু ওৎ-নৈরি। ঐখোয়সু দোমিনিয়ন ওইরগা ইংলণ্ড অমসুং দোমিনিয়নশিংনা মিশর অমসুং অফ্রিকাবু ওৎ-নৈবদা মতেং পাংশিরা ? ভারতনা দোমিনিয়ন ষ্টেটস ফংলবদি ইংলণ্ডনা ইজিপ্ট অমসুং খাগীদা চৎলিবা থবকশিং অসি

সমর্থন তৌদুনা ভারতকী ফোরেন পোলিসি শেম্না তাই। মরম অদুনা ভারতকী লক্ষ্যদি মতম খরগীদমক ওইরবা ফাওবদা দোমিনিয়ন ষ্টেটসতা লৈবা নত্তে পুর্ন স্বধীন্নি।

দোমিনিয়নশিংগা অমদি বৃটিশকা মরি লৈনবদি অমদি সহযোগ তৌমিন্নবা য়াবা মতাংদা তৌমিন্নবদি তোঙান্না সম্বীনচিংবা তৌরগা অদুম য়াবনিনা, ভারতকী গনপরিষদনা, স্বধীন সার্ব্বভৌম প্রজাতন্ত্রনা ভারতকী কন্সটিট্যুসন ওইগনি হায়খিবনা অমদি পৃথিবীগী ব্লোক অমত্তদা ভারতনা য়াওরোই হায়খিবনা হৌজিক এংগ্লো আমেরিকান ব্লোক্তা চংখিগদৌবা বৃটিশ কমনৱেলথতগী তোকত্তুনা স্বাধীন ওইবা ভারত অমা শেম্বনা ভারতকী অমসুং পৃথিবীগী মঙ্গল ওইগনি।”

ইং ১৯৪৮ অসি মণিপুরনা ভারত্তা পুন্দ্রিঙৈগী ৱানি। অদুবু ভারতকী ফোবেন পোলিসিগী মতাংদা রাজকুমার অসিনা মশাগী মত পীবগা লোয়নননা কৃপ্না নৈনরে। ভারতকী ফোরেন পোলিসি অসি মণিপুরগী প্রজাশিংনা খঙবগী মথৌ তাই হায়বগী ৱাখলগা ইরোয়নননা এদিতোরিয়েল অসি ইরকপনি। নিংথৌগী শাসনগী মহৎতা দেমোক্রেসিনা পীবা শক্তি অদু শীজিন্নদুনা লৈবাক শাসন তৌবনা হেন্না পান্নবা মীশক অমনা মসিগুম্না এদিতোরিয়েল ইবা অসি মতিক চায়।

রাজকুমার মাইপাকসনানা **প্রজাতন্ত্র**গী এদিটর ওইনা থবক তৌরিঙৈ মবক অসিদা **শিল্লোং টাইমস** হায়বা শিল্লোংদা ফোঙবা চয়োলগী চেফোঙ অদুগী ইম্ফাল করেস্পোন্দেন্ট ওইনা ইং ১৯৪৮ দগী ১৯৫০ ফাওবা ওইখি। হায়রিবা মতম অসিমক্তদা কলিকাতাগী দেলি ইংলিস পেপব **হিন্দুস্থান স্তেন্দর্দ** অমসুং গৌহাতিদা ফোঙবা **অসাম ত্রিব্যুন** গীসু করেস্পোন্দেন্ট ওইনা থবক তৌরম্মী। ইং ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দা মণিপুরনা ভারত্তা পূনশিনখিবা মতম অদুদা মাইপাকসনা অসি মথক্তা পনখ্রিবা চেফোঙশিং অসিগী ইম্ফাল কোরেস্পোন্দেন্ট ওইবা মরমনা মণিপুরগী মর্জবসিগী মতাংদা পাউ ফজ-ফজনা থাখি অমদি মদু চেফোঙশিং অদুনা নীংথিনা ফোঙনখি। মণিপুরনা ভারত্তা পুন্নবগী বোধচন্দ্র মহারাজনা শিল্লোংদা

চৎতুনা মর্জর এগ্রিমেন্ট সহি তৌখিবসি ইং ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দনি। মর্জর এগ্রিমেনকী পাউ অসি হেক ফংবগা মাইপাকসনানা পাউ অদু শিল্লোংদা থাখি অমদি পাউদু সেপ্টেম্বর ২৭ নৈপাপোকপগী শিল্লোং টাইমসতা বেনর হেদ লাইন তৌদুনা য়াম্না চাউনা ফোঙখি। পাউ অদুগী ওইথংবা নাকন্দা মহারাজ বোধচন্দ্রগী ফোটোসু হাপলি। মাইপাকসনাগী রিপোর্ট অদুগী শরূক খরা হেদ লাইনগী ৱাহৈশিংগা লোইননা লৌখৎচরিঃ

MANIPUR "ANNEXED" BY NEW DELHI
Maharaj Signs Agreement At Shillong
(From our correspondent)
Imphal, Sept. 26

Manipur has been annexed by the Centre and the administration is expected to be formally taken over in course of next month.

His Highness Sri Bodhchandra Singh, the Maharaj of Manipur, returned back to the state capital yesterday, excorted by an Assam Govt. plane with armed guard, from his 10-day stay in Shillong where after protracted negotiations between His Highness and His Excellency the Governor of Assam the former signed the Agreement

The Maharaja's Privy is likely to be fixed at three lakhs of rupees, it is further learnt.

INTENSIVE PATROLLING BY TROOPS

Meanwhile the Dewan of Manipur, Major-General Amar Singh his issued a statement to the Press in which he says that detachments of Assam Rifles and regular tropps now in Manipur are carrying on intensive patrolling on the eastern border and in the interior areas also. This measure has been resorted to in order to guard against disorder within the State with its strategically important position on the frontier of India, and requests the law-

abiding Manipur residents to look upon troop movement as an indispensable arrangement for maintenance of peace and order He warns individuals or groups ..."

১৯৪৯ গী সেপ্তেম্বর তাং ২৬ **শিল্লোং টাইমসকী** কোপী এনেক্সর ২ দা হাপচরি।

মণিপুরনা ভারত্তা মর্জ তৌখিবগী পাউ অসি গৌহাটিদা ফোঙবা **অসাম ত্রিব্যুন্দসু** য়াম্না চাউনা হেদ লাইন পীদুনা ইং ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৬ কি চেফোঙদা ফোঙখি। পাউ অদুগা ইরোয়ননা মতমদুগী মণিপুবগী দেৱান ওইরম্বা মেজর জেনরেল বৱাল অমর সিংহগী ফোতোসু হাপখি। মদুসু বাজকুমাব মাইপাকসনাগী পাউনি। **শিল্লোং টাইমসকী** পাউনা মর্জর এগ্রিমেন্ট তৌনরবা তুংদা মহারাজ ইম্ফালদা হেক থুংলরবা মতুংদা পীখিবা পাউনি। অদুগা অসাম ত্রিব্যুনগীনা ওক্তোবর ১৫ দা মণিপুরনা ভারত্তা তিনখিবা নুমিৎ অদুগী পাউনি। পাউ অদুগী শরুক খরা হেদ লাইন্দগা কোন্ননা মখাদা পীজরিঃ

MANIPUR & TRIPURA INTEGRATED WITH INDIA
Finale of a "Bloodless Revolution"
Colourful Ceremonies in Imphal and Agartala
(From Out Correspondent)
Imphal, October 15

THE INTEGRATION OF THE STATES OF MANIPUR AND TRIPURA WHICH TOOK PLACE TO-DAY MARKS THE FINALE OF FREE INDIA'S "BLOODLESS REVOLUTION", LAUNCHED UNDER THE DYNAMIC LEADERSHIP OF SARDAR VALLABHABHAI PATEL.

These states, lying on the north eastern frontier of India, are of supreme strategic importance in point of defence. They had been to this day acting as two ever vigilant and sleepless sentinels at the country's eastern gate and India's indebtedness to them dates far back as the prehistoric days.

At a brief but impressive ceremony held at the Parade Ground of the Fourth Assam Rifles at 9 a.m.

Manipur state was taken over by the India Government before a big gathering of the public *at a* the sentry of Manipur.

Major-General Rawal Amar Singh, who was the dewan of Manipur for the last six mouths and has been appointed the Chief Commissioners of the state by India Government, announced the taking over of the state. He arrived the Parade Ground accompanied by Captain Gunpati, A.D.C. of His Excellency Governor of Assam. After taking the salute presented by the Assam Rifles the new Chief Commissioner inspected the guard of honour presented by them.

CHIEF COMMISSIONER'S SPEECH

Addressing the gathering and announcing the taking over of the state the new Chief Commissioner said' "His Highness the Maharaja of Manipur, having duly signed the hand over of the Manipur state, I on behalf of the government of India take over the state and Manipur hence forth shall be a unit of the Dominion of India In token of the taking over I now unfurl the Indian National Flag."

To the playing of the "Jana Gana Mana" tune by the pipers of the Assam Rifles, Rawal Amar Singh unturled the National Flag The Chief Commissioner then read out the messages of Sardar Vallabhbhai Patel, Acting Prime Minister and Minister of States, Government of India and Sri Prakasa, Governor of Assam ..

১৯৪৯ গী ওক্তোবর তাং ১৬ **অসাম ত্রিব্যুনগী** কোপী এনেক্সব ৩ দা হাপচরি।

মণিপুরনা ভারত্তা পূনশিনখিবা মতম অদুদা মণিপুব সবকারগী ওইবা ইনফোর্মেসন ওফিস অমা তোপ্লা লৈরমদে। অদুমকপু ইং ১৯৪৭-৪৮ দা মণিপুরদা মীয়ামগী ওইবা আন্দোলনশিং তৌরকপা অদুদা সরকারগী মাইকৈদগী

ফোঙদোল্লিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপগী থবক তৌনবা ইং ১৯৪৭ তা গর্ভর্ণমেন্ট প্রেসকি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা হাপখিবা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম গোপাল সিংহ (মণিপুরগী মিং লৈরবা পুলিস ওফিসাব) দা পাব্লিসিটি ওফিসারগী ফম অসিসু পুহল্লম্মী। অদুবু গোপালনা পুলিসকী থবক অসিদা চঙনবগীদমক ইং ১৯৪৯ গী ফেব্রুয়ারী থাদা পব্লিসিটি ওফিসারগী থবক অদু থাদোকখি। মতুংদা পব্লিসিটি ওফিসরগী ফম অসি মতমদুদা মণিপুর সবকারগী তেক্সেসন ওফিসার ওইনা থবক তৌবা রাজকুমার সনাহল সিংহ বিঃ কমনা অহেনবা ফম ওইনা থাদা লুপা ৫০ গী এল্লাউৱেন্স ফংদুনা থবক পুখি। অদুবু মণিপুর সরকাবগী মাইকৈদগী তোঙানবা পব্লিসিটি ওফিসার অমা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়না খন্নরদুনা রাজকুমাব মাইপাকসনাবু পব্লিসিতি ওফিসার ওইনবা সরকাবনা এপোইন্টমেন্ট ওর্দব থোকখি। অদুনা ইং ১৯৪৯ গী নভেম্বর ১ দগী মহাক পব্লিসিটি ওফিসার ওইনা থবক চঙখি। অদুবু থা ১ খবা হেন্না থবক পুরবা মতুংদা ইং ১৯৪৯ গী দিসেম্বর ৩ তা ফম থাদোকখি।

আর কে মাইপাকসনা সিংহবু ইং ১৯৪৯ গী নবেম্বব ১ দগী মণিপুর সরকাবগী পব্লিসিটি ওফিসার ওইখিবা অসি মতমদুগী এসিষ্টেন্ট টু চীফ কমিস্নর ঐচ বি সিংহনা থোকখিবা হুকুম অদুননি। মণিপুরনা ভারত্তা পূনখিবগী মতাংদা **অসাম ত্রিব্যুন্দ, শিল্লোং টাইমস**নচিংবা চেফোঙশিংদা ফোংলিবা পাউশিং অদু উরুরগা মহাকসি পব্লিসিটি ওফিসার ওইহনবা কান্নগনি খনবদগী মহাকপু ফমসিদা হাপ্পা ওইরমগনি হায়বসি কন্না থাজনবা ৱাফমনি। রাজকুমাব মাইপাকসনাবু মণিপুর সরকারগী পব্লিসিটি ওফিসার ওইনা থবক হাপখিবা মতম অসিদা, মহাক মশামক মপানগী চেফোঙশিংগী থৌ পুবা মীশক ওইবতা নত্তনা ইম্ফালদা ফোঙবা চেফোঙগীসু এদিটর ওইরম্মী। পব্লিসিটি ওফিসারগী ফম অসি মহাক্লা যাম্না পামদুনা ওইখিবা নত্তে, সরকারনা হাপ্লকপদগী সরকারবু মতেং পাংনবা মহাক্লা ফম অসি মতম খরগী ওইনা পুরুবনি হাযবসি সরকারনা থোকখিবা হুকুম অনী হায়বদি থবক হাপ্পগী অমদি থবক্তগী টর্মিনেট তৌবগী হুকুম অনী অসি য়েংলগা খঙবা ঙমগনি। মহাক্লা সরকারগী পব্লিসিটি ওফিসার ওইরবসু মহাক্লা **প্রজাতন্ত্র**গী এদিটর ওইরিবা অদুদগী তোকপদি লৈতে। ফিভমশিং অসিনা মহাক্কী ফিরেপ করিনো হায়বদুসু মশক শেংনা তাকই।

মহাকপু পব্লিসিটি ওফিসার ওইহনবগী মতাংদা থোকখিবা হুকুমদু মখাগী অসিনিঃ

OFFICE OF THE CHIEF COMMISSIONER, MANIPUR.

ORDER NO.4.

Shri R.K. Maipak Sna Singh is appointed Publicity Officer of the Manipur Govt. with effect from the 1st November, 1949, at a salary of Rs.50/- p.m.

He shall take over charge from Shri R.K. Sanahal Singh on this date.

By order etc.,

Imphal,
The 1st Novr.,'49.

Sd/- H.B. Singh,

ASSTT: TO CHIEF COMMISSIONER.

....

Memo No.CC.100/49/11/132-6/054 Imphal, the 1st November,1949.

Copy to :-
1. Shri R.K. Maipak Sna Singh,
2. " " Sanahal Singh,
3. R.A.,
4. Acctt.,
5. Supdt. Govt. Press, Manipur for publication.

L.Sarmah.
1.11.49.

[signature] 1/11

ASSTT: TO CHIEF COMMISSIONER.

মহাকপু পব্লিসিটি ওফিসার ওইনা সরকারনা হাপখিবা মতম অসিদা মহাক মশামক মতমদুদা ফোঙখিবা **প্রজাতন্ত্র** চেফোঙগী ইডিটর ওইনসু থবক তৌরি। পার্টিগীনি হায়বা চেফোঙগী ইডিটর ওইরিবা মীশক অমনা সরকারগী পব্লিসিটি ওফিসার ওইনসু থবক তৌবা য়াবরা হায়বসি মতমদুগী মীওইশিংগী মরক্তা কন্না ঙাঙনখি। অদুদগী মহাক পব্লিসিটি ওফিসার ওইবগী ফমদুদগী

তোকচরগে হায়না থবক তৌবা থা অমা লৈরগা হায়বদি মথং থা দিসেম্বর ২দা ফম থাদোকচরগে হায়বা চিঠি অদু সরকারদা পীখি। মহাক্কী ফম থাদোকচরগে হায়বা অদুগী অযাবা হুকুম সবকারনা ১৯৪৯ দিসেম্বব ৫ দা থোকখিবনি। হায়রিবা সরকারগী হুকুম অদু মখাগী অসিনিঃ

OFFICE OF THE CHIEF COMMISSIONER, MANIPUR.

ORDER NO.26 OF 1949.

WHEREAS Shri R.K. Maipaksana Singh, Govt. Publicity Officer is still the editor of the Prajatantra besides being a Govt. servant; and

WHEREAS the said Shri R.K. Maipaksana submitted his resignation on 2.12.49,

Now, therefore, the Chief Commissioner of Manipur has been pleased to terminate the services of Shri R.K. Maipaksana as the Publicity Officer, Manipur Govt. with effect from the 3rd of December, 1949.

Sd/- H.B. Singh,

Imphal, the 5th Decr.,'49. ASSTT: TO CHIEF COMMISSIONER.

OFFICE OF THE CHIEF COMMISSIONER, MANIPUR.

Memo No.CC.100/49/8. Imphal, the ____ December, 1949.

Copy to :-

1) Shri R.K. Maipaksana Singh,
2) ACC-III,
3) R.A., &
4) Supdt. Govt. Press, Manipur.

By order etc.,

L.Sarmah.
5.12.49.

ASSTT: TO CHIEF COMMISSIONER.

মাইপাকসনানা মতমদুদা সরকাবগী থবক তৌবগী মহুত্তা মীয়ামগী থবক তৌবনা হেন্না ফৈ হায়না খনবদগী মাগী পব্লিসিটি ওফিসারগী ফম অদু থাদোকখিবনি।

বাজকুমার অসিবু পব্লিসিটি ওফিসাব ওইনবা সরকারনা খল্লিবসি মহাক্কী জর্নেলিষ্টিককি ওইবা গুনশিং অদু য়েংলগা খনবা ওইগনি হায়না থাজে। অদুবু মতম অদুদা মহাক্লা মণিপুরগী রাজনীতিদা লৌরিবা থৌদাং অদু য়েংলগা মহাক্কী ৱেল ৱুইসর খবনদি মহাক্লা সবকারগী থবক্তা চঙলিবদু চঙদবনা ফৈ হায়বা অকনবা পাওতাক পীবা য়াওনখি। রাজনীতিদা মহাক্কি লিডরনি হায়না কন্না থাজরিবা এলাংবম তোম্পোক্লা মহাসভাগী হাক্তক্তা লৌরুংশঙগী থবক থাদোকখিবা, জননেতা ইরাবতনা কোর্টকী থবক থাদোকখিবা পুন্নমক অদু নীংশিংলগা রাজকুমার মাইপাকসনাসু সরকারগী থবক অসি থাদোকখিবনি। মতুংদা মহাক্লা এদিটর ওইবা **জন্মভূমী** অসি ফোঙখিবনি। চেফোঙশিদা পাউগী মথক্তা মখল মথেল কয়াগী আর্টিকল হাপ্পী।

মণিপুরনা ভাবত্তা পূনবগী মতাংদা মপানগী ইংগ্রাজি পাউচেশিংদা মাইপাকসনানা ইখিবা মওংশিং অদু য়েংলগা মতমদুগী চীফ কমিশ্নর রৱাল অমর সিংহনা মণিপুরগীদমক পব্লিসিটিগী থবক পায়খৎনবা তোঙান্বা ওফিসার অমদি তঙায়ফদবা লৈ হায়বা ৱাখল অমা মঙোন্দা লাকখিবদগী মাইপাকসনাবু পব্লিসিটি ওফিসার ওইনা ইং ১৯৪৯ গী নবেম্বর ১দা হাপ্খি। মসিগী মমাঙদদি পব্লিসিটি ওফিসার তোঙান্না লৈবমদে অমসুং পব্লিসিটিগী থবক অসি অতোপ্পা ডিপার্টমেন্টকী ওফিসারশিংদা শিন্নদুনা থবক তৌহল্লমই।

অসুম্না মাইপাকসনানা পব্লিসিটি ওফিসার ওইনা ইহান হান্না থবক তৌবা হৌখিবা নুমিৎ নবেম্বর ১ অসিবু হান্না পব্লিসিটি ওফিস হায়না খঙনরম্বা হৌজিক্লা ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স ডিপার্টমেন্ট হায়না খঙনরিবা লোইশঙ অসিনা চহী খুদিংগী **ইনফোর্মেসন অমসুং পব্লিক রিলেসন্স নুমিৎ** হায়না থৌরম অমা ইং ১৯৯১ দগী হৌজিক ফাওবা চথরক্লি।

ইনফোর্মেসন অমসুং পব্লিক রিলেসন্স নুমিৎ, ১৯৯২ গী নবেম্বব ১ দা মাইপাকসনাগা লোয়ননা ঙসি পাউচেগী সম্পাদক ওইরম্বা কৈশাম কুঞ্জবিহারি সিংহ, অমসুং খোল্লাও পাউচেগী সম্পাদক ওইরম্বা থিযাম মেঘচন্দ্র সিংহ মীওই অহুম্বু ইকায় খুম্নবা উৎলদুনা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ পীখি। এৱার্দ অসি পীবগা লোয়ননা মাইপাকসনাগী অশম্বা পুন্সি ৱারী অমসু ইং ১৯৯২ গী নবেম্বর ১ গী থাখায়গী চেফোঙদা ফোঙখি। চেফোঙদুনা ফোঙখিবা অদু লৌখৎচরিঃ

"রাজকুমার মাইপাকসনা সিংহ

পোকপা– ১৯২৪ গী ওক্টোবর ১১ দা শীংজমৈ চোংথাম লৈকাইদা পোকখি। মহৈ-মশিং ১৯৪২ দা চুড়াচান্দ হায় স্কুলদগী মেত্রিক পাশ তৌরগা ১৯৪৬ তা ডি এম কোলেজ লিংখৎপগা লোয়ননা কলেজদা তম্লগা কলিকাতা য়ুনিবর্সিতিগী মখাদা ১৯৫০ দা বিঃ এঃ পাস তৌখি।

(১) ১৯৪৮-৪৯ দা মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেস কমিতিগী মুখপত্র "প্রজাতন্ত্র" গী সম্পাদক ওইরম্মী অমদি মদুগা লোয়ননা সংস্থান অদুগী পব্লিসিতি-ইন চার্জগী থবকসু পুরম্মী।

(২) ১৯৪৮ দগী ১৯৫০ ফাওবা **শিল্লোং টাইমস** কী ইম্ফাল করেসপোন্দন্ট ওইরম্মী।

(৩) ১৯৪৯-৫০ ফাওবা **হিন্দুস্থান ষ্টেন্দর্দ** কৌবা অংগ্রেজী পাউ-চেগী ইম্ফাল করেসপোন্দেন্ট ওইরম্মী।

(৪) ১৯৪৯ গী নবেম্বব ১ দগী ডিসেম্বর ৩ ফাওবা মণিপুব সরকারগী পব্লিসিটি ওফিসার ওইরম্মী।

(৫) ১৯৪৯ দগী ১৯৫১ ফাওবা মৈতৈলোন্দা ফোংবা নুংতিগী পাউচে **জন্মভূমী** গী সম্পাদক ওইরম্মী।

(৬) ১৯৫২ গী ভারতকী ইহান হানবা সাবালক ভোটকী মীখন্দা মণিপুরগী "ইলেক্টোরেল কোলেজ"গী মেম্বর অমা ওইনা কাখি। মেম্বর ৩০ না শাবা মীহুৎশিং অদুনা মণিপুবগী মীহুৎ অমা রাজ্য সভাদা খনখি। ..."

জন্মভূমী চেফোঙসিগী মিংগী হেক মখাদা **জয় হিন্দ** হায়বা ৱাহৈসি থাই। অদুগা মদুগী মখাদা ইংলিস ৱাহৈনা **Truth prevails in the long run** হায়না ইরগা মখাদা অমুক "অচুম্বনা মমৈদা জয় ওই" হায়নসু ইরি। চেফোঙ অসিগী জোইন্ট এদিটরদি অহন্থেম নিলমণি সিংহনি অদুগা মদুগী প্রিন্টব অমসুং পব্লিসরনা লোইতাম য়াইমা সিংহনি। বিজয় প্রেসতা নম্লগা ফোঙবনি।

ইং ১৯৫০, ওক্তোবর তাং ২৬, নোংমাইজিং নুমিৎকী **জন্মভূমী**গী কোপী এনেক্সর ৪ দা হাপচরি।

জন্মভূমীগী প্রিন্টর অমসুং পব্লিসর ওইরিবা লোইতাম য়াইমা সিংহ অসি রাজকুমার মাইপাকসনানা মতম শাংনা লোইনরকপা মীশক্তি। নিখিল মণিপুর মহাসভাদা সরকারগী থবক তৌবা মীওইশিংনা য়াওবা য়াদে হায়না মণিপুর ষ্টেট দরবারনা হুকুম থোক্লকপা অদুগী মতুং নোংমা নীনিগী মনুংদা মহাসভাগী লুচিংবশিংগী মীফম অমা কোইজম অমুবী সিংহগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা অদুদা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনখিবা অদু লোইতাম য়াইমা অমদি য়াম্না নহা ওইরিবা রাজকুমার মাইপাকসনা অনীসিনি। য়াম্না অথেঙবদা **নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা** হায়বা দোকুমেন্টশিংনা থল্লবা লাইরিক অমা ইং ১৯৮৩ দা ফোঙখিবা অদুসু আর কে মাইপাকসনা অমসুং লোইতাম য়াইমা অনিনা খোমজিল্লগা ইবনি অমদি ফোঙখিবনি। অনীসি রাজনীতিদা অমদি হীরম কয়াদা যাম্না নকশিন্ননা লোইনরকপা মীশকশিংনি।

রাজকুমার মাইপাকসনানা এদিট তৌরগা ফোঙলিবা **জন্মভূমী** চেফোঙদা মরক মরক্তা ইংগ্রেজি লোলদা ইবা আর্টিকলশিং হাপ্পী। ইমালোল নত্তবা লোলদা আর্টিকল হাপ্লিবগী মরমসি, মতম মতমগী ওইবা ৱাফমশিং লৈঙাকপশিংদা হকথেংননা খঙহন্নিংলকপা মতমদা মদুগী খুদোংচানবা হাপ্পনি। ইমালোলবু থৌশাদবা নত্রগা ইংলিস লোলবু চাউখৎনবা হোৎনরুবা নত্তে হায়না এদিটরনা হায়। এদিটরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদগী শরুক মতেক অমত্তং লৌখৎচরিঃ

> "...When important matters occur demanding a direct approach to the Govt. or some other higher authority for their solution with the unanimous voice of the people; we want to convey them through the medium of a language most convenient to them, without the intermediatory of the Publicity officer or Govt C.I.D Dept. about whose sincerity and honesty we may not entertain the least doubt; but we are afraid lest, facts might become distorted at their hands or they might "

ইং ১৯৫০ গী ওক্তোবর ২৩ নিংথৌকাবা নুমিৎকী **জন্মভূমী** চেফোঙগী অহুমশুবা লমাইদা সি ঐচ পিশক এম এনা ইংলিসতা ইখিবা মতমদুগী চীফ কমিসনারগী শাসনগা মরী লৈনবা আর্টিকল অমা ফোঙখি। মণিপুরনা ভারত্তা পুনশিনখিবা চহী অমা ফারকপা মতমদা মতম অদুগী সোসিয়েল থিঙ্কর অমা

ওইরম্বা মীশক অমগী ৱাখলদা করি ফাওবগে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎথোকপা আর্টিকল ওইবা মরম্না অমুক হন্না মীয়ামদা পুথোকপা কান্নগনি হায়না নিংঙি। অদুনা 'STOCK TAKING' হায়না মমিং থোনবা আর্টিকল অদু অমুক্না পুথোকচরিঃ

STOCK TAKING
By Ch. Pishak Singh, M.A

It is about a year since Manipur became a Chief Commissioner's State. Sri Amar Singh as the first Chief Commissioner inaugurated the ceremony on 15 Oct. 49. During his very short tenure of office, he brought about new changes in the administrative set up by the quick stroke of his pen. In doing anything he seemed to loath sloth, lethargy, the very attitude of mind, the people prized most because of their strong desire to make quick strides on the path of progress to enable themselve to raise their heads after their long remaining under the heels of a very reactionary Government. Sri Amar Singh responded to the yearning spirit of the people. He seemed to understand the latent faculties and the special talents of this small community, and the manner how to harness them to the best services of the people. People became hilarious and enthusiastic to see the first streaks of light of indipendence and thought that they were reaping the real fruits of Swaraj. But Amar Singh's career in Manipur was soon cut off The dazzling fire when only started to pour out a flashing light was soon removed though not put out, from the soil of Manipur without giving proper time to dispel the darkness.

With the heralding of the news of the appointment of a new Chief Commissioner in Sri Himat Singh, all our enthusiasm, all our interest soon turned around him. With their bitter experience of the quick changes of the administrative heads in Manipur during the British regime, still fresh in mind, the people now began to put

sundry questions among themselves regarding his past career as an administrator, personal inclinations etc. Above all this people feared much as to whether, the new Chief Commissioner would be carried ... by the flattery of a few self seekers, or by . . leaders of public opinion. For the last few years in the history of Manipur, flattery played a great role in making or unmaking the fate of a person. At one time, flatter was the only means and the only thing regarded as the best quality or qualification that a man can possess for rising to high positions in the state. Now the people put this question, --'Shall our State relapse to that ignoble condition again?' Thus being ignorant of the new Chief Commissioner's administrative capacity people became sceptic about their future. The enthusiasm, the hopes and aspirations infused into their benumbed spirit under the capable leadership of Sri Rawal Amar Singh soon turned out into fear, or rather, became mixed up with fear not knowing what the new C C. would do, or would not do for the people.

When we venture to give an assessment of the achievements of Sri Himat Singh as the Chief Commissioner in Manipur, frankly speaking, we are quite at a loss. Casting off the last vestiges of all prepossessed ideas, with the veracity of an historian and the truthfulness of a philosopher, with the courage of a true patriot and with all the precision at our command, when we try to give an account of his achievements, we seem to be merely groping in the drarkness as he has failed to attain as yet any tengible achievement as an administrator. To avoid misunderstanding let us examine some items, main heads of administration, well analysed under some criteria of judgement

As for Manipur, the main items should be:-

(1) The C.C. as unifying factor, (2) Educational Scheme for liquidating illiteracy, (3) Economic planning,

(4) Village reconstruction programme, (5) Day-to-day affairs.

Taking up the items seriatim

(1) As a unifying factor, he has miserably failed. He has carefully nursed caucus of interested persons, - "The Praja Santy" as a political body though it has no explicit policy, programme, though it does not maintain even the roll of register of its members. Under what credentials he recognizes this party as a political body still remains a wonder to us. In nominating the members on the Advisory Council, he has given much more importance to this party than even to the State Congress as though the latter is the only major political party with backings of the major portion of the populace The respective strengths of these two parties on the said council are seven and four Thus he has virtually created a party by making it loom large in the eyes of the ignorant public as a counter party set against the Congress. Why, he takes so much interest in this party by creating and nursing it so carefully, we are not aware of any palpable reason We surmise that he has been very much ill-advised by his henchmen, or he is naturally very weak as an administrator easily giving way to the coaxing or ... of the self-seekers. He seems to ... miserably failed in finding out local talents for his assistance His method of political gerrymandering is simply disastrous to the Manipuris. Instead of strengthening and consolidating a party devoted to the cause of the people, he tries to strengthen reactionary party.

(2) He has no educational scheme suitable or unsuitable to this locality, this country still drudges on its old path with the same old educational method, syllabus and out-look. No one in this locality has seen the new aspects in education introduced in other parts of India As a jest and mockery at this people, he has sent a person, not a bonafide Manipuri, for training in

Education, as if there were no local man suitable for the purpose, on the mere plea that the gentleman is a B.T., though M.A's. B L's. and even B.T. are not wanting among the local men. Any bonafide Manipuri graduate should have been sent out for this training even though it requires two years for him. While illiteracy stalks throughout the whole length and breath of Manipur such negligence of a constructive item does not ... well for this backward community.

(3) Manipur is an agricultural area and the Manipuris are born technicians. Vast arable lands still lie unexploited. The alluvial soils yeild enough crops at the least toil. Population is rather sparse and the climate is very agreeable. About five lakhs of willing people are eagerly looking to the signal of the commandent, or waiting for orders of the leader to carry it out to the letter.

With the above data in hand an efficient leader can easily solve the economic problems of the small state if he is only eager to do so. Though not taking up active economic programmes, a mere wishful-desire of the authority, even a mere favourable gesture of the Hon'ble Chief Commissioner would have done a great service towards the economic welfare of the people. The Chief Commission can easily induce the police, the military man, the officers, the college students to help the economic upliftment of the people by asking them to put on khadi he himself doing so as an example set before them. Thus he can easily increase the national wealth by leaps and bounds. In short sympathy and self identification with the mass is the essential quality of every leader.

As for any constructive programme for the rural area, the less said the better. He has no planning for ameliorating the condition of the village people who spend wallowing in the mud for the most part of the year exposing themselves to the various diseases which occasionally break out in epidemic form. These villagers

have no idea of sanitary life and have never tasted a palatable food, not heard a sweet music not seen a beautiful scene in life except their natural surrounding, and who are ... to the blood such sucking leeches in the field during daytime and to the mosquitos at night. Now we pose the question, who will save the villagers in the plain and on the hills? and how ?

The Chief Commissioners seems to be particular in observing formalism of the day-to-day affairs that accrue no material benefit to the people".

ভারতকী রাষ্ট্রপটি রাজেন্দ্র প্রসাদনা তাং ২৬ ওক্তোবর, ১৯৫০ দা অসামদা লাকপা মতমদা মণিপুর য়ৌশিনবিরক্লবা মাইপাকসনানা থাখিবা চিঠিগী পাউখুম মখাদা পীজরিঃ

D.O.No. 10-TS/50.



[illegible]

27 October, 1950.

Dear Sir,

In reply to your telegram dated the 24th October, addressed to the President of India, I am directed by the President to convey his thanks for the kind suggestion made therein of including a visit to Manipur in the President's itinerary, and to say that the President much regrets his inability to do so as the President's programme during his tour in Assam has already been finalised and will hardly give him any time whatever to be able to take on any fresh engagements.

Yours faithfully,

(B.Chatterjee) Colonel,
Military Secretary to the President.

Rajkumar Maipaksena,
Publicity Secretary, Manipur State Congress,
Imphal (Assam).

তাং ২৩, ওক্তোবর ১৯৫০ ইংগী **জন্মভূমী**গী ওরিজিনেল কোপী এনেক্সর ৫ দা হাপচরি।

মণিপুরনা ভাবত্তা পুল্লরবগী মতুংদা লৈরকপা সরকার অদুনা মণিপুর প্রজাশিংগীদমক করি করি থবক লৌখৎহন্নীংবগে হায়বদু ফজনা ফোঙদোক্লি। মতম অদু ফাওবদি ভারত সরকারগী থৌশিল মখাদা মণিপুরনা লৈবকপা অদুদা পেন্দবা অমদি য়ানীংদবা ফোঙবগী ৱাফম লৈবা উদে। আর্টিকল অসি লনাই মীওই অমগী অনিংবা অদু ফোঙবা ওইরগসু মতম অদুগী সমাজগী ফিভম, লৈবাক শাসনগী মওং অদুগী মশক্তি উৎলে। মতম অদুগী ফিভম অদু খরমখৈদি লাকশিনবা ঙমলে। প্রজাগী অনীংবা অপাম্বা মশক খঙনা সরকাবনা থবক তৌবীয়ু হায়বসিমদি কন্না হায়রি।

জন্মভূমী চেফোঙ অসিগী অনীশুবা চহী চঙশিল্লকপা ইং ১৯৫১ য়ৌবকপা মতমদদি চেফোঙগী মিং থাবগী মওং হোঙদোকখ্রে। মিং অদু ভাবতকী মেপ অমদি ফিরালগা কোন্ননা য়েক্লগা থারে। চেফোঙগী মিং থাবগী মওং অসিদা ভারতকী মেপ অমদি ফিরাল হাপ্লকপা অসিনা চেফোঙগী এদিটর ওইরিবা রাজকুমার মাইপাকসনানা ভারত্তা কয়া য়াম্না থাজবা অমদি ইকাই খুম্নবা উৎলবগে হায়বা অদু য়াম্না ময়েক শেংনা তাকলকপনি। মণিপুরনা ভারত্তা হেক পুনখিবা মতম অদুদা, মণিপুরগী ফিভম অসি ভারতকী মনুংদা লৈবা অচৌবা ষ্টেটশিংনা ফংবা খুদোং চাবা পুম্নমক ফংলক্লগনি হায়বগী থাজবা অদু মপুং ফানা লৈরে, ভারত্তগী মণিপুরনা আশা য়াম্না চাউনা তৌরি হায়বসিমসু চেফোঙগী মিং থারিবা মওং অসিনা তাক্লি। ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল অসিনা পীরিবা ৱাখল্লোন অমদি ৱাহঙ্গোক অদুবুসু চপ চানা ইকাই খুম্নবা উৎলি হায়বা অসিমসু **জন্মভূমী**না নিংথিনা উৎলি। চেফোঙগী মিং থাবগী মওংসিনা পীরিবা ৱাখল্লোন অমদি ৱাহঙ্গোক অদু নিংথিনা উৎপা ঙম্ন বগীদমক, তাং ২৮, ফেব্রুৱারি ১৯৫১, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী **জন্মভূমী**গী কোপী এনেক্সর ৬ দা হাপচরি।

মাইপাকসনা মশামক এদিটর ওইবতা নত্তনা অফবা অইবা অমনি। মহাক্না ইরম্বা আর্টিকল কয়ামুক লৈ।

আর্টিকলশিংগী মরক্তগী মহাক্কা ইরম্বা অমা লৌখৎচরি।

MANIPUR'S PARTICIPATION IN THE I.N.A.

Manipur was bombed by the Japanese army on the 10th May, 1942 after Singapore fell in their hands during the World War II when Japan drove out the British and American forces from East Asian countries subjugated by the Anglo-American allied powers and liberated them. They also captured nearly 40,000 Indian soldiers serving under the British. It may be noted that Netaji Subhas Chandra Bose transformed these captive Indian soldiers into the Indian National Army (I.N.A.) or Azad Hind Fauz in 1943 However, he constituted the provisional Azad Hind Govt. on 21st October, 1943 and a war cabinet of which he was the head. The Azad Hind Fauz was the armed forces of the provisional Azad hind Govt., which was recognised by nine countries including Japan. Netaji also took charge of the Supreme Commander of the I.N.A. and declared was against the Anglo-American allies in the mid night of 23rd October, 1943. He also made an agreement with the Govt. of Japan to the effect that any Indian territory to be occupied under the joint I.N.A.-Japanese Army fighting against the Anglo-American allied forces should be handed over to the Azad Hind Govt. The Japanese Govt. also agreed to help I.N.A. with military equipment including war planes. With the advance of the Japanese army into Burma in 1944 the I.N.A. soldier also came to Burma and established its headquarters in Rangoon. Netaji made a clarion call to all Indians in South East Asia and India to join the I.N.A. and fight against the British imperialists and issued pamphlets in different Indian languages.

Some of these pamphlets were brought by two tribals from Sugnu to (Imphal) Manipur. They were Mr. Lungjangam and his wife Haoyijam. They came to

Imphal and gave the pamphlets carrying Netaji's message to Thokchom Angou Singh, the Vice President of the Praja Sanmelani on March 7th of 1944. So Angou Singh contacted the workers of the party and they decided to join the I.N.A. and give all cooperation to fight the British When they reached Moirang, it was already under the occupation of the joint I.N.A.-Japanese forces. On the 18th April, 1944 the tri-colour flag of the I.N.A. was hoisted there by Colonel Mullik leader of Bahadur group of the I.N.A. Moirang became the first Indian territory to became free. Captain Naki Ahmed Choudhury the I.N.A. also came there before Col. Mullik with an advance group of I.N.A.

A batch of six Manipuris left Moirang for Rangoon with colonel Mullik. The group consisted of 1) Th. Angou Singh, leader, 2) Laishram Kanhai Singh, 3) Potsangbam Tomal Singh, 4) Longjam Bijoy Singh, 5) Irom Tombi Singh and 6) Moirangthem Jatra Singh, they reached Rangoon in July and met Netaji, who was overjoyed to see them.

On the 21st August, Netaji organised an I.N A. Festival in Rangoon. During the festival a public meeting was held at Bay Ground and it was attended by 10,000 I.N.A. soldiers. Netaji introduced the 6 Manipuris, who came to join the I N A. to the meeting and stood respect to them by garlanding before the huge public meeting. They were given ovation by the I.N.A. soldiers, who were encouraged by their presence Netaji emphasised the fact that the Manipuris from India came voluntarily to join the I.N.A. to fight for the liberation of motherland Later another batch of Manipuris also reached Rangoon to join the I.N.A. They were 1) Sarungbam Ibohal Singh, 2) Mairenbam Koireng Singh, 3) Hemam Nilamani Singh, 4) Laiphrakpam Sanaba Singh, 5) Mutum Amu Singh, 6) his wife Randhani Devi, 7) Wangkhem Jnaneswar Singh, 8) his wife Kanya Devi, 9) Laishram Irabot Singh, 10)

Khumbongmayum Jugeshwar Singh, and 11) Kiyam Gopal Singh.

It may be noted that Md. Naki Ahmed Chawdhury from Manipur had already joined the I.N.A. as captain. Kiyam Gopal Singh who joined the I.N.A at Moirang and died on the way to Rangoon, while travelling with the second batch

I N.A. & JAPANESE ARMY JOINT MANIPUR CAMPAIGN

The Japanese Army had already driven away the Anglo-American forces from Burma and established their Headquarters in Rangoon during 1942. The I.N.A had also established its Headquarters in Rangoon in January 1944 and was ready to launch the battle against the Anglo-American forces to liberate India.

The zero hour for such an attack was reached on 4th February, 1944 The I.N.A. commenced its attack on Arakan Mountains near the Indo-Burma border and Taung Bazar was captured in the same day.

ARAKAN SECTOR

1.3.44. Sactabin in Kaladan sector was captured.
5.3 44. Kaladan was occupied.
8.3.44 Fort white was reduced.
12.3.44. Lanacot was captured.

ENTRY OF INA INTO INDIA THROUGH MANIPUR UKHRUL SECTOR

18.3.44. Kennedy Peak on the Indo-Burma frontier bordering Ukhrul (north east of Manipur) was occupied by the INA soldiers under the command of Major General, Shah Nawaz Khan leading the Subhas Brigade of the INA.

19.3.44. In the early morning the troops of the I.N.A. first planted and hoisted the national Flag to

the strains of the National Anthem (Subh Sukh Chaina Ki), for the first time on the soil of Mainland India.

20.3.44. Toungjam was captured.

21.3.44. Ukhrul was captured.

24.3.44. Shangshak was captured.

5.4.44. Hengtam was taken over

6.4.44. Kohima was occupied (Capital of Nagaland)

7.4.44. Kanglatombi (in Manipur) was captured.

The joint Indo-Japan armies kept Kohima under their control for 21 days blocking all land traffic between Imphal and the rest of India. Fierce fighting took place at Nungsibung Hill in Sawombung about 8 miles in the north east of Imphal.

TIDDIM SECTOR

From the south eastern side of Manipur the INA made its attack to reach Imphal.

22.3.44. Tiddim on the Indo-Burma frontier bordering Churachandpur District was captured.

Mollon was also captured on the same day.

18.4.44. Moirang (28 miles from Imphal) was captured

Later fierce fighting took place at Maibam Lokpa Ching (Red Hill) between the British and Japanese troops within 7 miles from Imphal

MOREH & PALLEL SECTOR

From the eastern side the joint Indo-Japan forces marched towards Imphal through Moreh and Pallel. Maj Gen. M.Z. Kiani was in command of the Gandhi Brigade to carry out the Imphal campaign

31.3 44. Moreh fell into the hands of the INA.

1.4.44. Kabaw and Tamu were captured.

20.4.44. Both Tengnoupal and Pallel were taken over. At Tengnoupal the Divisional Headquarters of

INA was established and the Governor-designate of Manipur, Colonel A.C. Chattarjee resided at the HQ

7.5.44. The INA soldiers crossed the Indo-Burma border into India from the South.

It may be noted that by the end of May 1944 the joint Indo-Japan Armies surrounded Imphal from all sides within a redius of 8 miles and the fall of Imphal into the hands of the INA and Nipponese forces seemed imminent. It was even reported that the Allied forces wei ready to retreat from Imphal and were waiting only for a final signal of withdrawal.

Most of the high military white officials had already evacuated Imphal, it was further learnt that only two days more were left for a final retreat of the Allied forces.


On the other side the INA and Japanese soldiers encountered heavy casualties from lack of supply of ration and ammunition and diseases and difficulties due to the heavy rains during the monsoon. So it was decided to retreat from Manipur to the border of Burma and to make full preparation for a fresh expedition after the monsoon. Netaji as the Supreme Commander of the INA ordered a retreat and the Japanese command also separately ordered a retreat of the Japanese Army. This joint retreat from Manipur by the Indo-Japan forces took place at the critical time when the Anglo-American forces were also waiting to retreat from Imphal within two days. The information of the actual position of the Anglo-American forces could not be ascertained by the intelligence group of the INA and the Japanese Army.

The retreat of the INA and Japanese soldiers took place at the beginning of the July 1944. The retreat sealed the fate of Netaji and the INA to liberate India when his

ally Japan had to surrender to the Allied forces after Hiroshima and Nagasaki were destroyed by dropping the first Atom bombs by the American Army on August 6th and 9th, 1945. Netaji himself was to take shelter outside and on his fight from Taiwan to Tokyo he was involved in a plane crash and died due to the burn injuries.



লক্ষ্মী শেহগল, কর্নেল শেহগল, কর্নেল ধিল্লোন অমসুং
আর কে মাইপাকসনা ইম্ফাল, ১৯৯০ ইং



মরিশুবা তাঙ্কক

মাইপাকসনাগী প্রাক্তিকেল পোলিটিক্স

মণিপুরনা নিংথৌ পানবা মনীং-তম্বা লৈবাক অমা ওইনা শাংলবা চহী লিশিং অনীগী ইতিহাস অমা শেম্বা ঙমখিবা অসি লমদম অসিদা পানখিবা নিংথৌশিংগী মথৌনা, লৌশিং অমদি মতিক-মঙাল অদুদগীনি। অদুবু ইং ১৮৯১ দগী বৃটিশকী মখা পোনবা লৈবাক অমা ওইনা লৈখ্রবা মতুংদগীদি বৃটিশকী শাসন মওং অদুগা বৃটিশকী মখা পোনবা নিংথৌ অমা ওইনা চুড়াচান্দ মহারাজনা তৌখিবা সাসনগী ফিভম অদুনা মতমদুগী লাইরিক লাইসু হৈরবা নহারোলশিংগী ৱাখলদা বৃটিশতগী মনীং-তম্বা ফংবগী মথক্তা নিংথৌগী শাসনবু পাম্লক্রে। নিংথৌগী শাসনগী মহুৎতা প্রজানা প্রজাগীদমক শাসন তৌজবা, দেমোক্রেতিক ওইবা শাসন মওং অদু লৈহনবা পামখি। মদুগীদমক রাজনৈতিক্কী ওইবা খোংজঙ কয়া চঙশিল্লকপদগী লমদমসিদা প্রজানা পাম্বা পূর্না দায়িত্বশীল (Full responsible) শাসন হায়বদু লৈহন্নবা ইং ১৯৪৮ দা মীয়ামগী মীখল পাঙথোকখ্রে। মীখলদুদা রাজকুমার মাইপাকসনাগা য়াম্না নক্না চৎমিন্নজবা অদুগা মাইপাকসনানসু মাগী লুচিংবা অমনি হায়না লৌজবা এলাংবম তোম্পোক সিংহ অসি কৈশামথোং কেন্দ্রদা মায় পাকখ্রে। অদুবু ইহান হানবা সত্যগ্রহ আন্দোলন লোইশিল্লকপা মতমদা তোমাল কংগ্রেস অমসুং তোম্পোক কংগ্রেস পুনশিন্নবগী খোঙথাং অমা লৈখিবা মতম অদুদা মাইপাকসনাদি কংগ্রেসতা লৈদুনা ইং ১৯৪৮ গী টর্ম অদুদা মণিপুর ষ্টেট স্তুদেন্টস কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইবতা নত্তনা মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেসকী চেফোঙ ওইবিবা **প্রজাতন্ত্র** গী এদিটরসু ওইখি। ইং ১৯৪৯ গী নভেম্বব ১ দগী হৌরগা দিসেম্বর ৩ ফাওবা মণিপুব সরকারগী পব্লিসিতি ওফিসাব ওইরম্লবা মতুংদা সরকারগী থবক্তগী তোকথোকখ্রবা মতুং অদুদগীদি মহাক কংগ্রেসকা অমুক হন্না নকশিন্নখিদ্রে। সরকারগী থবক থাদোক্লগা মণিপুরগীদমক রাজনীতি তৌগদবনি হায়না হিজম ইরাবত অমদি এলাংবম

তোম্পোক সিংহ অনীনা লৌখিবা ফিবেপ অদোমদা মাইপাকসনাসু চঙশিনবা হৌখিবগা লোয়নবা ইং ১৯৫০ দদি **জন্মভূমি** কৌবা চেফোং অমা ফোঙলগা মদুগী এদিটর ওইদুনা মীযামগী থবক তৌবা হৌখ্রে। চেফোঙসি ইং ১৯৫২ ফাওবা ফোঙলম্মী।

চেফোঙসিগী এদিটর ওইখিবগা লোয়নবা মহাক্না রাখল মান্নবা গান্ধীজিগী আদর্শশিংদা খম থেংনা থাজজবা এলাংবম তোম্পোক সিংহগা অমুক হন্না পুনশিন্নদুনা "গান্ধী সেবক সভা" হায়বা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইখ্রে। অদুগা মণিপুরগী রাজনীতিগীদমক সরকারগী থবক ফাওবা থাদোকপ্লবা এলাংবম তোম্পোক সিংহনা পার্টিদুগী প্রসিদেন্ট ওইখি। গান্ধী নীতিবু থাজজবা মীওই কয়াসু পার্টিসিদা য়াওখি। অদুবু সত্যাগ্রহ আন্দোলনগী মতমদা অকনবা লুচিংবা অমা ওইখিবা সৌগাইজম সমরেন্দ্রদি "অচুম্বা পাম্বা কংগ্রেস" হায়বা অমা শেল্লগা মদুগী লুচিংবা ওইনা থবক তৌখি। তোম্পোক অমসুং মাইপাকসনাগী পার্টিসিদা য়াওখিদ্রে।

মতম অদু মণিপুরগী রাজনীতিদা যাম্না কোক ঙাওবা মতমনি। বৃটিশকী খুদুম মখাদা লৈখিবা নিংথৌগী শাসন অদু মতমদুগী লাইবিক লাইশু হৈরবা খোঙ্গুল তারবা প্রজা মীয়াম্না চঙফংনা য়ানীংদবদগী মদুগী মহুৎতা দেমোক্রেসিগী শাসন অমা লৈহনবা প্রজাশিংনা পামখি। মদুগীদমক মখল খবগী লড়াই চঙশিনখি। ভারত্তা বৃটিশকী মায়োক্তা চৎথবা সত্যাগ্রহ আন্দোলন অদুগী মতৌ তমদুনা মণিপুরদসু সত্যগ্রহ আন্দোলন চৎথখি। মদুগী কান্নবা ফল ফংবা ঙমখি। অদুমকপু কংগ্রেস লিংখৎলকপা মতমদা পুকচেল অমত্তা ওইনা পূনখিবা লুচিংবশিংগী মনুংদা দ্বিজমণি, কৃষ্ণমোহন ললিতা মাধব, যুগেশ্বর, তোমালনচিংবনা কংগ্রেসতা লৈহৌরগা লাইশ্রম অচৌনা সোসিয়েলিষ্ট পার্টি, তোম্পোক, মাইপাকসনানচিংবনা গান্ধী সেবক সভা, সৌগাইজম সমরেন্দ্রনা অচুম্বা পাম্বা কংগ্রেস, হিজম ইরাবতকী মতুং ইনবশিংনা কম্যুনিষ্ট পার্টি, ইং ১৯৪৮ গী মীখল মতুংদা শেমখিবা সরকারদুদা দিপুটি স্পিকর ওইখিবা তখেল্লম্বম বোকুল সিংহনা হিস্তোরিকেল রির্ছ সোসাইতি অসিনচিংবা শেম্নখি। মরক অদুদা নোংথোম্বম ইবোমচা সিংহগী হান্না সরকার পায়খ্রবা প্রজা শান্তি হায়বদুসু লৈরি। ইং ১৯৪৭ কী মণিপুরনা বৃটিশকী মখূৎতগী নীং-তম্বা ফংলকপা মতমদুদগী তমগী



মণিপুর ষ্টুদেন্টস কংগ্রেসকী মেম্বরশিংঃ
অরেপ্পা পরেং ওইরোমদগী– ১। নিংথৌখোংজম তোম্বী সিংহ, ২। রাজকুমার মাইপাকসনা সিংহ, ৩। গুরুঅরিবম ব্রজলালা শর্ম্মা
অফম্বা পরেং ওইরোমদগী– ১। লাইশ্রম অচৌ সিংহ, ২। নাবেংবম জুগিন্দ্রো সিংহ, ৩। নাওরেম বিরেন্দ্রকুমার সিংহ, ৪। লাইশ্রম জয়চন্দ্র সিংহ, ৫। হৱাইবম রনবির সিংহ, ৬। ৱাহেংবম মণিহার সিংহ

লুচিংবা শগোলসেম ইন্দ্রমণি সিংহ, চীংগী লুচিংবা আর সুইসানচিংবনা লুচিংদুনা লিংখৎপা ওল মণিপুর নেসনেল য়ুনিয়ন্নচিংবগা লোয়ননা চীংগী পোলিটিকেল পার্টি কয়ামুক লৈরে। চীংগী লৈরম্বা পার্টিশিংগী মনুংদা মিং পনবা য়াবশিংদি কুকি নেসনেল এসেমব্লী, মণিপুর মিজো য়ুনিয়ন, মণিপুর জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন, নাগা নেসনেল লীগ, মাও মরাম য়ুনিয়ন অমসুং পাইতে নেসনেল কাউন্সিলনচিংবশিংনি।

মণিপুরগী লুরবা রাজনীতিগী তাঞ্জা অদুদা মীয়ামগী লুচিংবা পুন্নমক্কা নিংথৌগী শাসনগী মহুৎতা ভারতকী অতৈ ষ্টেটশিংদা তৌনবগুম ডেমোক্রেসিগী শাসন অমা মণিপুরদা লৈহনবা পামখি। ভারত্তা পাল্লিবা বৃটিশনা ভারত থাদোক্কুনা চৎখ্রবা মতুংদা দেমোক্রেসিগী শাসন অমা শোযদনা লৈরগনি হায়বা অসি খঙবদগী মতম অদুগী মণিপুরগী লুচিংবা পুন্নমক ভারতকী ওইবল্লিবা রাজনীতিগী কাঙলোন পুন্নমক অদু কুপ্না য়েংবগা লোয়ননা মণিপুরনা ভারতকী শরুক অমা ওইরগদি মণিপুরসু দেমোক্রেসি লৈবগনি। মীয়াম্না মীয়ামগী মহুৎ শিনবা সরকার অমা শেম্বা ঙমগনি হায়বসিদা মতমদুগী লুচিংবশিংনা য়াম্না কন্না থাজবম্মী। অদুনা মহারাজ বোধচন্দ্রনা শিল্লোংদা মর্জর এগ্রিমেন্টকী সহি তৌনখিবা অদুগা ইং ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দা মণিপুরনা ভারতকী শরুক অমা ওইবগী থৌরম পাঙথোকখিবা অদুদা প্রজাশিংগী মবক্তগী মনা মনিল নাইনখিদবা অদু হায়রিবা দায়িত্বশীল সাসন অদু শোয়দনা লৈহল্লগনি হায়বগী থাজবদু মাঙদা থমখিবদগীনি। মণিপুরনা ভারত্তা পূনশ্রবা মতুংদা ভারতকী লুচিংবশিংনা মণিপুরগী প্রজাশিংদা নমথাক তৌরক্কনি হায়বসি কনানসু থাজনখিদে। অদুবু চীফ কমিস্নার মতোমতদা শাসনগী ভার পুন্নমক পীশিন্দুনা লৈখিবা অদু উব্বরগা, মতম অদুগী লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংদগী খোঞ্জেল থোক্লকপা হৌরকই। রাজনীতি তৌবা মীশক অমা ওইবতা নত্তনা মশামক স্কোলর অমা ওইবগী মথক্তা আইনবুসু মুন্না মশক খঙনরবা রাজকুমার ঝলজিৎ সিংহনা এদিটর ওইদুনা ইং ১৯৫১ দা **অনৌবা মতম** কৌবা নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা চেফোঙ অমা ফোঙলম্মী। চেফোঙ অসিগী ইং ১৯৫১গী সেপ্তেম্বর ২৩ দা ফোঙখিবা **মণিপুরগী সরকার** হায়বা এদিতোরিয়েল অদু য়েংবা য়াই। মীয়াম্না নীংনবম্বা গনতন্ত্র হায়বদুগী মহুৎতা মী অমগী শাসন্দা অদুম লৈরে হায়বগী নুংনাংবা ফোঙঙি। এদিতোরিয়েল অসিগী শরুক মতেক অমত্তং লৌখৎচরিঃ

"মণিপুর সরকারগী অশেংবা মশক অসি করিনো? রাজনৈতিক বিজ্ঞানগী মতুংইন্না শাসন হায়বা অসিমক্তুবু ওটোক্রেসি (মী অমত্তনা মরন্নাই খুশিদা ঙাকপা), এরিষ্টোক্রেসি (মী খরনা ঙাকপা) অমসুং দিমোক্রেসি (প্রজা মশানা মশাবু ঙাকপা) হায়বা মখল অহুম থোক্না খাইদোকই। মণিপুরগী শাসন অসি তৌববুদি ভারতকী নেহরু সরকারগী দায়িত্ব লৈ। নেহরু সরকারদি ভারত পার্লিয়ামেন্ট অমসুং ভারতকী আমজনতাদা দায়িত্ব লৈ। ভারতকি আমজনতা মনুংদা মণিপুরসু য়াওরিবনি। অদুনদি মণিপুর সরকারসু য়াম্না কোইববসু মওং অমা ওইনা মণিপুর প্রজাদা দায়িত্ব লৈ হায়না হায়বিবা য়াই। তৌইগুম্লসুং মদুদি য়াম্না থিওরিকেল ওইবা মরম্না চুম্লবসু প্রাক্তিসতদি কয়া কান্নবা ৱা নত্তে।

ঐখোয়না হৌজিক প্রাক্তিসতা উরিবদি করিনো? মণিপুর সরকার অসি রুটিন ওইনা চলাইরিবদি মী অমত্তনা চলাইবা শাসন্নি– এডভাইজরী কাউন্সিল লৈরবসু মদুগী পাউৱার য়াওদে, সেক্রেটরী ময়াম লৈরবসু মখোইগী ৱা অদু চীফ কমিস্নারনা লৌরোই হায়বা ইরাই লায়না ঙম্মি। হৌজিক প্রাক্তিসতা উরিবা মণিপুরগী শাসন অসিবু ইংরেজীদা কৌবা তারবদি ৱান মেন গবর্নমেন্ট কৌবা তাই।

অতোপ্পা মাইকৈদগী য়েংলগা মণিপুরগী শাসন অসি পাউৱার ইখাই-খাইদোক্লদে। মদুনা কয়া য়াম্না মাঙলকপা হায়বা অদুসু খন্নবা দরকারনি। গভর্ণমেন্ট অমনা পায়গদবা শাসন অসি রাজনৈতিক বিজ্ঞানগী মতুংইন্না অমুক অহুম থোক্না খাইদোকই মদুদিঃ– একজিক্যুটিভ (সাধারন ওইনা লৈবাক ঙাকপগী থবক), লেজিসলেটিভ অমসুং জুডিসিয়রীগী (বিচার তৌবগী থবক) হায়রিবা থবক মখল অহুম অসি মী অমত্তগী নত্রগা বোডি অমত্তগী মখুত্তা লৈববদি গনতন্ত্র লৈবা য়াদে। অদুনা চাওখৎপা লৈবাক খুদিংমক্তা পাউৱার মখল অহুম অসি য়ারিবমখৈ তোঙান তোঙান খায়দোক্কুনা থম্লে। ভারতকী গনতান্ত্রিক কন্সটিট্যুসন অসিসু, হায়রিবা পাউৱারশিং অসি য়ারিবমখৈ খায়দোক্লে। মসিগী নিয়ম অসিবু থিওরি অফ পাউৱার্স কৌই।

হৌজিক মণিপুরদা হায়রিবা নিয়ম অসি চৎপ্রা চত্তৰা হায়বদু য়েংলবদি উবিগনি– সভ্য জগৎনা খাযদোক্লরিবা পাউৱারশিং অসি

মণিপুরদদি ইপুন পুনশিন্নে। চীফ কমিশ্নারনা একজিক্যুটিভ অমসুং লেজিসলেটিভকী থবকসু পায়শিল্লি। করি করিগুম্বা মতমদা বিচারপতিগী পাউৱারসু শীজিন্নে। গভর্ণমেন্ট অমগী পাউৱারশিং অসি গনতন্ত্র লৈনবগীদমক য়ারিবমখৈ অমগা অমগা খায়দোক্কদবনি হাযবসি মণিপুবদদি চত্তে। ... ... ফত্তবা কন্সটিট্যুসন অমবু মহারাজনা ফাইল মবক্তা হাপচিন্দুনা আইন সভা পঙ্থবা তাখরবদা সত্যগ্রহ আন্দোলননা আইন সভা থুজিনহনখিবনি অমসুং প্রজাদা শক্তি খরা পীদুনা শাসন চলাইবা হৌখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মণিপুরগী রাজনৈতিক ইরাং অসি ইশি শিথখিবগুম তৌরে অমসুং মদুগা লোয়না লোয়ননা প্রজাগী অধিকাব অসি হঙ্গরকপগুম উবে। হৌজিক্কী বাজনৈতিক, আর্থনৈতিক অমসুং সমাজিক জীবন অসি অমুক হিংগৎহন্দুনা স্বাধীন ভাবত্তা মণিপুরগী মতিক চাবা অধিকার তানগে অমসুং সভ্য সমাজদা মাইবোং হাইগৎনা তিনগে হায়রবদি ঐখোয় খুদিংমক থৌনা ফবা তাই। ঙসিগী মণিপুরগী (সমাজদা) কনজার্ভেটিজমগী মফম লৈতে, বিপ্লবী নেতাশিংনা ভাগ্য লেপ্পা তাই।"

ইং ১৯৫১ দগী চৎনবা হৌখ্রবা ভাবতকি সংবিধান অদু মণিপুরদদি চৎনবা হৌদ্রি। মমাঙঙৈগী নিংথৌ পাল্লিঙৈদসু মী অমগী শাসন লৈবন্মী। অদুগা ভারত্তা পূনশিল্লবা মতুংদসু মী অমত্তগী হাযবদি চীফ কমিশ্নার মতোমতগী শাসন থল্লি। মসিনা প্রজাশিংবু নীংবা কাযহল্লে হাযবা অদু এদিতোবিয়েল অসিনা তাক্লি।

মণিপুবগী ওইরক্লিবা বাজনিতিগী ফিভম অসি কেন্দ্রদা সবকার পাযবিবা কংগ্রেসনা ওইহনবনি হায়ব, ৱাখলসিনা মাঙদা থল্লগা বাজকুমাব মাইপাকসনা অসি কংগ্রেসতগী লাপথোক্কুনা এলাংবম তোম্পোক সিংহগা লোযননা গান্ধী সেবক সভা হায়বা পোলিটিকেল পার্টি অসি শেমখিবনি। পার্টিসি শেম্লবা মতুংদা ইং ১৯৫২ দা পাঙথোক্কদৌবা লোক সভা অমসুং ষ্টেটকি ওইনা ইলেক্তোরেল কলেজ মেম্বর খনবগী মীখলশিং অসিগীদমক থৌরাং তৌদুনা লৈখি। মীখলসিদা পার্টিসিগী মীরেপশিং থাগৎখি।

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টকি মীখলদুগী মীরেপ ওইনা এলাংবম তোম্পোক সিংহ চোংথোকখি। অদুগা ইলেক্তোবেল কলেজগী মীখলগীদমক্তা শীংজমৈ কেন্দ্রদা রাজকুমাব মাইপাকসনাবু থাগৎখি। লোক সভাগী মীখলদুদা এলাংবম তোম্পোক মায়থিখি। অদুবু রাজকুমার মাইপাকসনাদি শীংজমৈ কেন্দ্রদা মাই পাকখি। পার্টি অসিদগী মহাক মতোমতমক মাই পাকখির্বনি।

ইং ১৯৪৮ গী মীখলদুদা মণিপুবদা এসেমব্লী কেন্দ্র ৫৩ লৈখি। অদুবু মণিপুবনা ভাবত্তা পুনখ্রবা মতুংদা ইহান হানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা ইলেক্তোরেল কলেজগী মীখল অসিদদি চীং অমসুং তম অনীমক্কী ওইনা কেন্দ্র ৩০ শক্তমক লৈখি। কেন্দ্রশিং অদুদিঃ

(১) খুরাই,
(২) ৱাংখৈ কোংবা,
(৩) য়াইস্কিপোক তোপ চিংথা,
(৪) লম্লাই-কৈবাও,
(৫) সগোলমাঙ,
(৬) সেকমাই লমশাং,
(৭) সলাম খুম্বোং,
(৮) উরিপোক থাংমৈবন্দ,
(৯) সগোলবন্দ,
(১০) কৈশামথোং,
(১১) শীংজমৈ,
(১২) ৱাংজিং ময়াং ইম্ফাল,
(১৩) নম্বোল কৈনৌ,
(১৪) বিষ্ণুপুর মোইরাং,
(১৫) থাঙ্গ কুম্বী,
(১৬) হিয়াংলম শুগনু,
(১৭) ককচীং ৱাংজিং,

(১৮) চরাংপাৎ খোংজোম,

(১৯) থৌবাল চন্দ্রখোং,

(২০) লিলোং,

(২১) তেংনৌপল,

(২২) মাও ইষ্ট,

(২৩) মাও ৱেষ্ট,

(২৪) ফাইসাত,

(২৫) চুবাচান্দপুর,

(২৬) উখ্রুল,

(২৭) আইমোল,

(২৮) তমেংলোং,

(২৯) থাংলোন অমসুং

(৩০) জিরিবাম অসিনি।

মীখল অদুদা কংগ্রেসনা পুন্না কেন্দ্র ১০ দা মায় পাকখি। কংগ্রেসকী মায় পাকখ্রবা মীরেপশিং অর্মদি মখোয়গী কেন্দ্রশিং অদুদিঃ

১। দ্বিজমনি দেব শর্ম্ম, উরিপোক থাংমৈবন্দ

২। সলাম তোম্বী সিংহ, সগোলবন্দ

৩। ৱাই মেঘো, কৈশামথোং

৪। এন তোমচৌ, ৱাঙ্গোই ময়াং ইম্ফাল

৫। গীরিমোহন, নম্বোল কৈনৌ

৬। এম কোইরেং, বিষ্ণুপুর মোইরাং

৭। ই নোদি, হিয়াংলম শুগনু

৮। পি তোমচৌ, ককচীং ৱাংজিং

৯। এল চাউয়াইবা, থৌবাল চন্দ্রখোং

১০। এস বিজয়, জিরিবাম (অনকন্টেষ্ট)

মীখলদুদা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মীরেপ ২ মায় পাকখি মখোয়দুদিঃ

১। তখেল্লম্বম ইবোতোম্বী, য়াইরিপোক তোপ চিংথা
২। সোয়াম ছত্রধারী, সলাম খুম্বোং

কম্যুনিষ্ট পার্টি অসি জননেতা ইরাবতনা লুচিংদুনা শেমখিবনি। ইং ১৯৩৯ গী অনীশুবা নুপী লাল মতুংদা মতমদুগী মীয়াম্না য়াম্না কন্না থাজদুনা লৈখিবা নিখিল মণিপুর মহাসভা হায়বা অদুদগী মোৎ মান্নরক্তুনা হিজম ইরাবতনা লুচিংবা কাঙবু অমনা মহাসভাদগী তোল্লুগা **প্রজা সম্মেলনী** হায়বা অমা শেমখি। হায়রিবা প্রজা সম্মেলনী অসিগা **মণিপুর প্রজা মণ্ডল** হায়বা অমগা পুন্না মিতিং অমা ইং ১৯৪৬ কী আগষ্ট ২১ য়ুমশকৈশগী নুংথিল পুং ৫ দগী ৱাকৈথেলদা পাঙথোক্লগা অনিসিগী অপুনবা ওইনা **মণিপুর প্রজা শঙ্ঘ** হায়বা অমা শেমখি। মণিপুর প্রজা সঙ্ঘ অমদি মণিপুর কৃষক সভা অনিসিদা লৈবা লুচিংবশিংনা পূনশিল্লগা ইং ১৯৪৮ গী আগষ্ট ২৩ দা মণিপুরদা কম্যুনিষ্ট পার্টি লিংখৎখি। পার্টিসিগী ইহান হানবা ডিষ্ট্রিক্ট ওর্গেনাইজিং কমিতি অদুগী মেম্বর ৮ লৈখি। মখোযদুদি

(১) হিজম ইরাবত,
(২) তখেল্লম্বম বোকুল,
(৩) তখেল্লম্বম ইবোতোম্বী,
(৪) লোংজম বীজয়,
(৫) লাইশ্রম কহ্নাই,
(৬) থোকচোম বড় সিংহ,
(৭) তখেল্লম্বম অমুশেলুং অদুগা
(৮) তখেল্লম্বম ওংবী যুবতী দেবী অসিনি।

লিংখৎপা নুমিৎতা পার্টিগী ফুল মেম্বর ২৮ লৈখি। মখোয়গী মনুংদা মণিপুর প্রজা সম্মেলনী লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লাইখুরাম খগেন্দ্র, সোয়াম ছত্রধারীনচিংবা য়াওখি।

মীখলদুদা সোসিয়েলিষ্ট পার্টিদগী মীরেপ অমা মায় পাকখি। মহাক্তুদিঃ

১। লাইশ্রম অচৌ সিংহ, ৱাংখৈ কোংবা

ইং ১৯৫২ গী মীখলদুদা শকখণ্ডলবা পার্টি অসি মথক্তা পানখ্রিবা পার্টি অহুমসিখক্কনি। সিট ৩০ শিগী মনুংদা মথক্কী সিট ১৩ খক অসি পোলিটিকেল পার্টিশিং অসিনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা সিট ১৭ তা মাই পাক্লবা মীবেপশিং অদুদি লোকেল পার্টি অমমমগী মিং লৈজববসু শকখণ্ডদ্রিবা পার্টি ওইবনিনা ইন্দিপেন্দেন্টতা চিংখি। হায়রিবা মায় পাক্লবা মীরেপশিংদুগী মিং কেন্দ্র অমদি পার্টিগী মমিং মখাগী অসিনিঃ

১। আর কে মাইপাকসনা, শীংজমৈ, গান্ধী সেবক সভা।
২। এম কে বীনোদিনি দেবী, খুবাই, ওল মণিপুর নেসনেল, য়ুনিয়ন।
৩। মুঃ তোম্বা মিয়া, লম্লাই কৈবাও, ইন্দিপেন্দেন্ট।
৪। আর কে অঙৌসনা, সগোলমাঙ, অচুম্বা পাম্বা কংগ্রেস।
৫। কে ঐচ চাউবা, সেকমাই লমশাং, প্রজা শান্তি।
৬। এন থোংলেন, থাঙ্গ কুম্বী, অচুম্বা পাম্বা কংগ্রেস।
৭। এস চৌরজিৎ, চরাংপাৎ খোংজোম, প্রজা শান্তি।
৮। মুঃ আলিমুদ্দিন, লিলোং, প্রজা শান্তি।
৯। অটনম অনাল, তেংনৌপাল, ওল মণিপুর নেসনেল য়ুনিয়ন।
১০। দাসো থোইসো, মাও ইষ্ট, মাও মবাম যুনিযন।
১১। হেপুনি হাইখো, মাও ৱেষ্ট, মাও মবাম যুনিযন।
১২। জাবেম, ফাইসাত, কুকি নেসনেল এসেমব্লী।
১৩। সুখোঙেন, চুরাচান্দপুর, কুকি নেসনেল এসেমব্লী।
১৪। আর সুইসা, উখ্রুল, ওল মণিপুর নেসনেল য়ুনিযন (অনকন্টেষ্ট)।
১৫। দি অথুইবৌ, আইমোন, মণিপুর জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন।
১৬। কৈবেন, তমেংলোং, মণিপুব জেলিয়াংরোং য়ুনিযন।
১৭। খুমা, থাংলোন, মিজো য়ুনিয়ন।

মথক্তা য়াওখ্রিবা প্রজা শান্তি হায়বসি ইং ১৯৪৮ গী মীখল মতুংদদি সরকার পায়খিবা পার্টিনি অদুবু ইং ১৯৫২ গী মীখলসিদদি পার্টিসি ফিভম ইফ ফবা ঙমদ্রে। অতোপ্পা ওল মণিপুব নেসনেল য়ুনিয়ন (শম্না মণিপুর নেসনেল য়ুনিয়ন) হায়বা অসি শ্রীহৱাইবম নিলমণি সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা শেম্বা পার্টিনি। হৱাইবম নিলমনি অসি কাইনথংদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইনা টর্ম

মরিরক্তা থবক পুখি। মহাক ইং ১৯৫২ গী মীখলদুদা লোক সভাগী মেম্বর ওইনা পার্লিয়ামেন্টতা চৎনবগীদমক মাগী পার্টি নেসনেল য়ুনিয়নগী মীরেপ ওইখি, অদুবু মায়থিখি। পার্টিসিগী অতোপ্পা ডাইনামিক ওইবা লুচিংবদি শগোলসেম ইন্দ্রমণি সিংহনি। ইং ১৯৪৭ তা কংগ্রেস অনী কায়নবা মতম অদুদা মহাক মতম খজিক্তং তোম্পোক কংগ্রেসতা য়াওরম্নগা তোকখি। পার্টিদুদগী তোক্লবা মতুংদুদা ওল মণিপুব নেসনেল য়ুনিয়ন হায়বসি লিংখৎপদা য়াওখি। পার্টিসিগী মুখপত্র ওইনা **ঐখোয়গী মণিপুর** হায়বা নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা চেফোঙ অমসু মহাক্না এদিটর ওইদুনা ইং ১৯৪৭ অসিমক্তদগী ফোঙবা হৌখি। মীখল মতুংদা পার্টিসিগী প্রসিদেন্ট হৱাইবম নিলমনিনা পার্টিদগী তোকখ্রবা মতুংদগীদি শগোলসেম ইন্দ্রমনিনা মকোক থোংবা লুচিংবা ওইনা থবক পুহৌই।

ইং ১৯৫২ দা পাংথোক্লিবা মীখল অসি পার্ট সি ষ্টেটস এক্ট ১৯৫১ গী মখাদা পাঙথোকপনি। অদুবু মীয়াম্না পাম্লিবা মপূং ফাবা দায়িত্বশীল শাসন হায়বদু মীখলসিদা মায় পাক্লবশিংদা শিন্নদে। অদুনা ইলেক্তোরেল কলেজগী মীখলদা মায় পাক্লিবশিংনা পাঙথোক্কদবা থবকসি রাজ্য সভাগী মেম্বর অমখক মণিপুরদগী খনবা অদুনি। ফিভম অসিনা মতমদুগী লুচিংবা পুম্নমক যাম্না নুংঙাইহন্দে। ভারত্তা পূল্লবা মতুংদা ফংগনি হায়না থাজনরম্বা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা থোক্লককপসিদা খোইরাং খোইশাওনরম্মী। ভারত্তা পূল্লুরবা মতুং অসিদনা মণিপুরগী ফিভম অসি খংশোক শোকচিনবা হেল্লি হায়না লৌনবম্মী। অদুনা কংগ্রেস নত্তবা রাজনৈতিক দল খরনদি ইলেক্তোরেল কলেজ অসি আইন সভা ওম্থোকপীয়ু অদুগা মী অহুম্না শাবা মন্ত্রী সভা লিংভু হায়না দাবী তৌই। দাবীসিগী মতাঙদা কংগ্রেস নত্তবা রাজনৈতিক দল পুম্নমক্কী মিটিং চহীসিগী জুন ১৫ দা পাংথোকই। মিটিং অদুদা কংগ্রেসনা য়াওদ্রিবা অসি, মণিপুরদা দায়িত্বা শীল লৈবা সাসন অমা লৈহনগদবনি হায়বসি পার্টিসিগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা য়াওখ্রবনি অদুনা মিটিংসিদা য়াওরুবগী দরকার লৈতে হায়।

মণিপুব ইতিহাসতা ইং ১৯৫২ অসি মরু ওইবা চহি অমা ওইখি। চহীসি মরু ওই হায়বগী মরমশিংগী মনুংদা পনবা য়াবা খরদি– ভারত্তা পূল্লুববা মতুংদা অহানবা মীখল পাঙথোকপা, চহিসিগী জুন-জুলাইদগী হৌরগা চাক্তাঙবা

থোকপা, ভারতকি প্রধান মন্ত্রি জৱাহরলাল নেহরু অহানবা ওইনা মণিপুরদা লাক্কুনা মণিপুরগী ফিভম য়েংশিনখিবা অসিনচিংবা অসিগীনি। কুম অদুদা থোকখিবা চাক্তাঙবা অসি য়াম্না ফিভম শাথিখি। চাবা ফংদবদগী মী শিবা য়াওই হায়বগী শাথিবা ৱাথোক লৈনখি। মীয়াম্না চাবা ফংদ্রে হায়না ৱাকৎলূবগা, মতম অদুগী চীফ, কমিস্নার ই পি মুন্না "চানিংঙাই লৈত্রগা হৈকক চাদুনা হিংবা তম্মু" হায়রকই হায়বগী ৱাথোকসু লৈখি।

চহীদুদা চাক্তাঙবা থোক্লিবসিগী মরু ওইবা মরমসি, সরকারনা চুম নমদুনা ফৌ ৱানশিল্লগা চেং তক্কুনা অসামদা থাদোকখিবদগীনি। চীফ কমিস্নারগী হুকুমগী মখাদা চেঙ থাদোকখিবনি। মসুম্না মণিপুরদগী চেঙ থাদোকখিবসি অরানবা থৌশীলনি। অদুনা মসিগুম্বা থবকসি মতুংদা অমুক হন্না তৌরোইদবনি হায়না নেহরুনা মণিপুরদা লাক্লম্বগী টুর নোটতা ইদুনা থনম্মী। মহাক্কী টুর নোট অদুদগী মতেক অমত্তং লৌখৎচবিঃ

> "Manipur has apparently always been a self-sufficient or even small surplus area in regard to food and possibly in regard to clothing also. The price of rice, I was told till a few years ago was Rs. 5 per maund. Only a year or so ago it was Rs 10. Then it started rising steeply and reached the figure at Rs. 45 or even more This was tremendous shock and caused great distress, I do not know all the details of the story, but abviously the principal reason for this was the export of 4000 tons of rice from Manipur to Assam. I suppose Assam's need was great, but that need was met at cost of great scarcity and much misery in Manipur. People naturally did not like this early fruit of their close association in an independent India and compared it to their previous more prosperous condition when there was no lack of rice. I was told that later some rice, about 400 mounds, was sent from Assam to Manipur. This was a very small fraction of what had been taken away. There is strong feeling on this subject and repeated demands were made for an enquiry as to who had bungled. The poor Chief

Commissioner at the time had to suffer most from this resentment. I hope that in future, no such considerable export of rice will be encouraged from this small area."

মতমদুগী সরকার অদুদা মণিপুর প্রজাশিংগী মীহুৎ অমত্তা য়াওদনা চীফ কমিস্নার অমদি মাগী খৃৎচাবী ওফিসার খরনা সাসন তৌবা অদু পোলিটিকেল পার্টিশিংনা য়াম্না কন্না য়ানিংলমদে। অদুবু কংগ্রেসনদি লৈবাক্কী শাসন পুবদা মীয়ামগী মীহুৎ য়াওহনবা য়ানবা এদভাইজরী কাউন্সিল লিংখৎলু হায়না অকনবা দাবী তৌই। পূর্ন দায়িত্বশীল লৈবা সবকার লিংখৎলু হাযবা অসিনা অনীশুবা দাবী ওইখি। ইং ১৯৫২ গী ওক্তোবরদা নেহরুনা মণিপুবদা লাকপা মতমসিদসু এদভাইজরী কাউন্সিল লিংখৎপীনবগী দাবী কংগ্রেসনা কন্না তকশিনখি।



১৯৫২ ওক্তোবর ২৩ দা ভারতকী প্রধান মন্ত্রী জবাহরলাল নেহরুনা মণিপুরদা লাকপা, কোইরেঙ্গৈ এরোদ্রোম

মদুনা মরম ওইরদুনা এদভাইজরী কাউন্সিল অদু ইং ১৯৫৩ গী মে ৬ তা শেমখি। কাউন্সিল অসিগী মেম্বর ওইনবা খনখিবা মীওইশিং অদুদি—

(১) সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ, কংগ্রেস,

(২) সলাম তোম্বী সিংহ, কংগ্রেস,

(৩) ঐচ. দ্বিজমনি দেব শর্ম্মা, কংগ্রেস,

(৪) ডাঃ কম্পু, কংগ্রেস অমসুং

(৫) এ দাইহো, ইন্দিপেন্দেন্ট অসিনি।

এদভাইজরী কাউন্সিলগী খল্লিবা মেম্বরশিং অসিগী মনুংদা ইলেক্তোরেল কলেজগী মেম্বব ওইরিবসি দ্বিজমণি দেব অমদি সলাম তোম্বী অনীখক্তনি।

মণিপুরগী এদভাইজরী কাউন্সিল অমা ভারত সরকারনা শেম্নক্লিবা অসিগী খোঙথাং খরা থুজিলহনখিবা অসিগী মরম খরা লৈ। ইং ১৯৫২ গী ওক্তোবর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নেহরুনা মণিপুরদা লাক্লম্লবা মতুংদা মহাক্না মীয়ামগীদমক ফোঙদোক্লম্বা ৱাফমদা দেমোক্রেসিগী মতুংইন্না পুর্ন দায়িত্বশীল লৈবা শাসন পীবগনি হায়রমদবা অদুনা কংগ্রেস নত্তবা রাজনৈতিক দল খরগী লুচিংবশিংদদি য়াম্না নীংবা কায়হল্লম্মী। অসুম্না নীংবা কায়রবা লুচিংবশিংগী মনুংদা রাজনীতি তৌমিন্নরকপা নেসনেল যুনিয়নগী শগোলশেল ইন্দ্রমণি অমদি গান্ধী সেবক সভাগী রাজকুমার মাইপাকসনা য়াওখি। মরক অদুদা, মণিপুর প্রজাশিংগীদমক্তনি হায়দুনা সরকারগী থবক ফাওবা থাদোক্লগা রাজনীতিগী পুন্সিদা চঙখিবা এলাংবম তোম্পোকসু, মহাক্না লিংখৎচবা **গান্ধী সেবক সভা** হায়বসি থাদোক্লগা ইং ১৯৫২ গী আগষ্ট লোইশিল্লকপা অমদি সেপ্টেম্বর হৌগৎলকপগী মরক্তুদা মাগী পার্টি অসি থাদোক্লগা কংগ্রেসতা চঙখি। মসিগী মতুং খরা লৈরগা ওক্তোবর থাদা পণ্ডিত নেহরুনা ইম্ফালদা লাকপা মতমদুদা কংগ্রেস য়াওদবা পার্টি ৪ না হায়বদি প্রজা শান্তি, নেসনেল যুনিয়ন, গান্ধী সেবক সভা অমদি কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিনা পুল্লগা শেম্বা **মণিপুর দেমোক্রেতিক ফ্রন্ট** হায়বা অসিনা নেহরুদা মেমোরেন্দম অমা পীখি। মেমোরেন্দম অদুনা হায়খি,

> "মণিপুর অসি খৃ: ১৯৪৯ গী ওক্তোবর তাং ১৫ দগী কেন্দ্র সরকারদা তিনবা নুমিৎতগী ঙসি ফাওবদা সমাজিক, রাজনৈতিক, অর্থনৈতিক অবস্থা নোংমা নোংমগী ফৎচিল্লকত্রে। ঐখোয়না গনতন্ত্র ফংগনি– শেল-থুম নীংথিনা ফংগনি হায়না খল্লম্বা আশা পূম্নমক কায়রে।"

ৱাফমশিংসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা দাবী খরসু তৌখি। দাবীশিংদুগী মনুংদা য়াওখিবা খবদি – (১) মণিপুরগী প্রজাগী মীহুৎনা খনবা আইন সভা অমসুং কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর লৈত্রে, চিফ কম্মিস্নারদনা পুরে, (২) কম্যুনেলিস্তিক আউট লুক লৈবা নন-মণিপুরী ৱাক্তা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক হাপচিনবা প্রজা য়াম্না প্রেন্দ্রে-নোংমা নত্রগা নোংমা ভারত সরকারগী পোলিসি অসি হোংদ্রবদি অকনবা আন্দোলন অমা তৌরকপা য়াই। অদুনা আইন সভা পীয়ু, এদভাইজরী কাউন্সিল পামদে হায়খি।

অসুম্না পুক্নীং নুংশিনা লৈনরিঙৈ মরক অসিদা ইং ১৯৫২ অসি লোইশিল্লকপদা মতম অদুগী ষ্টেট হোম মিনিষ্টর ডাঃ কাটজুনা পার্লিয়ামেন্টতা, মণিপুরগী ইলেক্তোরেল কলেজ অসি আইন সভা ওল্লকপা য়াবগী ফিভম অমা লৈতে হায়না লাওথোকখি।

অসুম্না ভারত সরকারনা লাউথোরকপা ৱাফমসিনা, মতমদুগী ইনর্জেতিক ওইবা, মরৈবাকপু নুংশিবগী ৱাখলতনা মতম পুম্বদা থূমহৎতুনা লৈববা শগোলশেম ইন্দ্রমনি অমদি নহা ওইরিবা আর কে মাইপাকসনা অমদি মখোয়গা নকশিন্নবশিংদি খাঙদুনা লৈবা ঙম্লমদে। অদুনা ইন্দ্রমণিনা লুচিংলিবা **নেসনেল য়ুনিয়ন** অদুগা মাইপাকসনানা লুচিংলিবা **গান্ধী সেবক সভা** অনীসি পুনশিল্লগা অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরম্মী। ফিরেপসি লৌবা মতমদা উখ্রুলদগী য়াংমাসো সাইজাসু য়াওখি। ইন্দ্রমণিনা লুচিংলিবা নেসনেল য়ুনিয়ন অসিগী চীংগী শরুক্কী লুচিংবদি, মতুংদা মণিপুরগী এম পি ফাওবা ওইখিবা উখ্রুলদগী আর সুইসা হায়বসিনি। ইং ১৯৫২ গী ইলেক্তোরেল কলেজগী মীখলদুদা মহাক উখ্রুল কেন্দ্রদগী অনকন্তেষ্টতা মায় পাক্লকখিবনি। অদুনা পার্টিসিগী চীংগী লুচিংবশিংগী মরক্তা অমা ওইনা লৈখিবা য়াংমাসো সাইজাসু ইন্দ্রমণি অমদি মাইপাকসনা অনীগী ৱা তানবা অদুদা য়াওরকখিবনি। নেসনেল য়ুনিয়ননা **মাদর মণিপুর** হায়বা চেফোঙ অমা ফোঙঙি। চেফোঙসিগী এদিটরনা ৱাহেংবম প্রহলাদনা ওই। অদুনা মণিপুরগী রাজনীতিগী মরমদা তত্তনা ৱা তান্নবা হায়বা অসি হায়রিবা লুচিংবা মরি অসিনি।

ভারত্তা তিল্লগা খরা ফগদ্রা হায়না খল্লুবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা লাক্লবদা নেসনেল য়ুনিয়ন অমদি গান্ধী সেবক সভা অনীসি পূল্লগা ‘‘রিভোলুসনরী

নেসনেলিষ্ট পার্টি ওফ মণিপুর'' হায়বা অমা শেম্লসি হায়বা ফিবেপ অমা লৌখি। হায়রিবা পার্টি অসি শেম্বগা লোয়ননা পার্টিসিনা তৌগদবা থবক মীয়ামদা লাউথোক্লবা মীফম অমা ইং ১৯৫৩গী এপ্রিল ১৯ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩ দা ইম্ফাল পোলো গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লবা লেপ্লখি।

এপ্রিল ১৯ গী মিটিং অসি পাঙথোক্লিঙৈ মমাঙদা গান্ধী সেবক সভা অমসুং মণিপুর নেসনেল য়ুনিয়ন অনী অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নেহরুদা অলটিমেতম অমা থাখি। হায়রিবা অলটিমেতম অদুদা পল্লিবদি, মণিপুরদা আইন সভা পীবীদ্রবদি মণিপুর অসি তোঙানবা ইন্দিপেন্দেন্ট বফর ষ্টেট অমা শেম্লবা আন্দোলন চৎথরগনি হায়বসিনি।

অলটিমেটম অসিগী পাউখুম অমত্তা ফঙদ্রবা মতুংদা এপ্রিল ১৯ গী মিটিং অসি চৎথনবা অচেৎপা ফিরেপ পার্টি অনীসিনা লৌখি। মিটিং অসিগা মরী লৈননা চেজাই অহুমথক চাইখি। হাযরিবা চেজাই অহুমসিগী মনুংদগী অমখক্লা য়াম্লা থম্মোই শোক্লা হায়খি–

> ''ঐখোই অরোইবা থবক লৌখৎলগনি। হিংবিনিংবা থোকপিরকউ। চেনগদবা, মীগী থৌজানদা হিংবিনিংবা মীদি লেঙবীরক্কনু। অরোইবী ৱা হায়দোকচগে।''

হায়বিবা লিফলেট অসিগী ৱাফমশিংদু ইং ১৯৫৩ গী এপ্রিল ১৮ গী **প্রজাতন্ত্র**গী অহানবা হেদ লাইন্দা ফোঙদোকখি। মদুদা ফোঙখিবা ৱারোলদু মখাগীসিনিঃ

> ''ঙসি মণিপুর অসিদা ময়াং মকোক মথংদগী মচেৎ মকাই কয়া মথং মথং লাক্লে। চেগাই মচেৎ হন্না হন্না উৎলবতা নত্তনা. মশাগী নত্তনা খনখিদ্রবা মী কয়াবু য়েংথিনহন্দুনা লৈবাক অসি মশুং মাপন থোক্লবা শিল্লরি। এসেমব্লী কাউন্সিল, ষ্টেট অমগী চপ চাবা রাইট, লমচৎলোন, হিস্তরি অমসুং চৎনবীদা সুকমান মান্নদবা অপীকপা জাতি অমগী পীনবা হৌনবা হক কয়া অসি মণিপুর অসিবু মতুদা উল্লকপা লৈবাকতৌনা পীদনা নমশিন্দুনা থল্লি। ঐখোয়গী জাতি অসি ফংফম থোকপা এসেমব্লী কাউন্সিল, ষ্টেটস রাইটস, মাইনোরিটি রাইটস অসিদি জৱাহরলালদি থমখো

লাক্লকবা মতুংদা সরকারগী থবক তৌবা মীওইশিংগী ক্বার্টর শাননবা হান্না লৈরম্বা মীওইশিং অদু তকথোকখ্রগা মফমসি সরকারনা লৌশিনখিবনি। সরকারগী থবক তৌবা বাবুশিংগী লৈফম ওইনবা বাবুপরা শেমগৎখিবনি। মতৌ অদুগুম্না সঞ্জেম্থোংগী কোলোনি অসিসু শেমগৎখিবনি। অসুম্না সরকারগী থবক তৌবা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংগী লৈফম সরকারনা পীদুনা থম্লবসু, মণিপুর পুলিসকি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ওইনা লাকখিবা এস পালিট হায়বা অমগা অতোপ্পা পি সি দেব হায়দুনা মণিপুরনা ভারত্তা পুন্দ্রিঙৈ মমাঙদগী এল এস ও ওইনা থবক তৌরক্লবা অদুবু ভারত্তা পুনশিনখ্রবা মতুংদা চীফ কমিস্নারগী মতেঙ পাংনবা এসিস্তেন্ট অহুম হাপ্পগী মনুংদা মহাক্না অহানবা এসিস্তেন্ট ওইহনখি। মঙোন্দা শিন্নবা থবকশিংদি, লেন্দ রেভিনিউ, ফিসরিজ, এগ্রিকলচর, ভেটেরিনরি, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, কো-ওপরেতিভস, ফোরেষ্ট, রিসেতলমেন্ট ওপরেসন, জিরিবাম, পেদি কমিতি, লোকেল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট, রেজিষ্ট্রেসন এন্দ এক্সাইজ অসিনি। চিফ কমিস্নারগী এসিষ্টেন্ট হায়দুনা মীওই অহুম হাপ্লিবা অসিগী থবকসি হৌজিক মতমগী মন্ত্রী হায়দুনা লৈরিবশিং অদুনা তৌগদবা থবকশিংদুনি। হায়রিবা পি সি দেব হায়বা ওফিসাবসি ইং ১৯৫৩ দদি মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইখি।

মণিপুবগী এদভাইজরী কাউন্সিলসু লৈত্রিঙৈ মতম অদুদা এস পালিট এস পি অমদি পি সি দেব অনীগী মিংদা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা ইং ১৯৫২ দা প্লোট অমমম পীখি। মখোয়গী প্রেমিয়ম অদু য়াম্না পীক্না থিখি। লম একব অমদা লুপা ২,৫০০/- গী চাংদা থিবনি। ওফিসার অনীসি নোংপোক পাকিস্তান্দগী চেল্লকপা রিফিউজিশিংনি। অদুনা মখোয়গী লৈফম লৈতবনা মখোয়গী লৈনবা ময়ুম শানবা লম অসি পীবনি হায়না লোক সভাদা মতম অদুগী হোম পুবা ষ্টেট মিনিষ্টর ডাঃ কৈলাস নাথ কাটজুনা খুম্মী হায়না লোকেল পেপবশিংদা ফোঙনৈ।

অতোপ্পা অমনা মতমদুগী ফম চাউনা থবক পায়বশিংগী মরক্তা অসামদগী লাকপা মীওইশিং য়াওরী। ইং ১৯৫২দা মণিপুরদা শাথিবা চাক্তাংবা থোকখিবা অসিগী অচৌবা মরম অসি মণিপুরগী চেঙ মেত্রিক টন ৪০০০ (লিশিং মরি)

অসামদা থাদোকখিবদগীনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নেহরুগী টুর নোট ফাওবদসু ফোঙখ্রবনি। অসামদা চেঙ থারিবশিং অসিগী মনুংদা খবদি ওফিসার খরগী ইমুংগী মীওইশিংদা মশাগী চানবা অমদি কববার তৌনবগীদমক থাবনি হায়না প্রজাশিংগী মরক্তা য়াম্না কন্না ঙাঙনখি।

অসুম্না অচৌবা ওফিসারশিংনা বজাবদা প্লোট লৌরগা ময়ুম শাবা, অসামদা চেঙ থাবদা তৌরিবা মওং ময়াম অদু য়েংলগা **গান্ধী সেবক সভা** অমদি **নেসনেল য়ুনিয়ন** অনীনা চাইবা চেজাইদুনা লম লৌবা অমদি চেঙ থাবগী ৱাফমসি পনখিবা ওইগনি। পালিট অমদি পি সি দেব অনীনা লৌরিবা লমশিংদুদা ময়ুম শাখি অদুবু মখোয়দি লৈখিদে। মখোয়না সরকারগী ক্বার্টরদা লৈরগা মখোয়গী ময়ুমনি হায়না শারিবশিং অদু ভাড়াদা শান্দোকই হায়বগী ৱাথোকসু লৈখি। মথক্তা পনখ্রিবা চেজাই অসিদা য়াওবিবা ৱাবোলশিং অসি মতমদুগী প্রজাশিংগী থম্মোইদা থঙ-থঙ পানবা ৱাবোল ঙাক্তনি হায়না মতমদুগী কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহ ফাওবনা ফোঙখি।

এপ্রিল ১৯ গী মীফমদুনা নৌনা শেমখিবা নেসনেলিষ্ট বিভোলুসনরী পার্টি ওফ মণিপুব হায়বা অসিগী লুচিংবনা শগোলসেম ইন্দ্রমণি সিংহনা ওইরগা রাজকুমার মাইপাকসনানা জেনরেল সেক্রেটবী ওইখি। মিটিং অদুদা দাবী মরিখক্কি ৱারেপ লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি—

(১) হৌজিক ফৌ অমসুং চেঙগী মমল অসি চেঙনা মন্দা লুপা ৮ অমসুং ফৌনা মন্দা লুপা ৫ দা য়াম্না থুনা পীহন্দুনা চাক তাংবা থীংবা।

(২) ঙসিদগীনা (এপ্রিল তাং ১৯) নুমিৎ ১৫ নি ফাওবগী মনুংদা এদল্ট ফ্রেঞ্চাইজদা বেজ তৌবা ফুল বেস্পোন্সিবল গভর্ণমেন্ট পীগনি হায়না লাউথোকপীয়ু। ঙসিগী মিটিং অসিনা কাউন্সিল ওফ এদভাইজর শেম্বা য়াম্না কন্না প্রতিবাদ তৌরি।

(৩) রেস্পোন্সিবল গভর্ণমেন্ট পুবক্লবগী স্তেপ অমা ওইনা ইলেক্তোরেল কলেজ অসি লেজিসলেচর ওলহনবীরগা মদুনা খনবা মন্ত্রী সভা শেম্বীয়ু। হৌজিক মরু ওইবা পোষ্ট পায়রিবা নন-মণিপুরীশিংগী মহুৎতা লোকেলমেন শীজিন্নবীয়ু।

ঐখোয়গী অসিদি মী পুন্নমক্তা চিঙাক অমসুং ফিজেৎ পীবীনবা প্রজাতন্ত্রগী সরকার ফংনবা দাবীনি। ফিভম অসি তাননবা ঙাইবনা ঐখোয়না থবক থিনংনবা লৈরম্বনি। হৌজিক্তি সরকারগী সুপনমগী নিতি অমসুং মাগী চোকথরবা ময়া কুম্নবা খুৎলাইনা অপনবা নাইদনা চৎথবিবা অসি ঐখোয়না থিংগদবনি। ঐখোয়না পামদবা, মথোং চাদবা শাসন অসিগী মহৈদি, চাক্লিবা মৈদা অকংবা শীং হাপচিনবা ওইনা খোকপা শোইদ্রবনি।

মথক্তা হায়রিবা অসিগী মণ্ডালদগী মিটিং অসিনা মণিপুর সরকারবু লৈবাক লাংবা অমসুং অরাজক থোক্তনবা ফাখ্রিবা মীশিং অসিবু থুনমক থাদোকউ হায়না লেপ্পরে।"

বিভোলুসনরি নেসনেলিষ্ট পার্টি ওফ মণিপুরগী লুচিংবশিংনা লৌবক্লিবা ফিরেপশিং অসি তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা য়াদবা মওং অমা ওইখিবদগী, পার্টিসিগী লুচিংবা মরিসিবু পুলিসনা ফাদ্রিঙৈ নোংমগী মমাঙদা মতমদুগী কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সিনাম কৃষ্ণমোহন সিংহনা মীয়ামদা ৱাফম খর ফোঙদোরকখি। ৱাফম অদু ইংলিসতা ষ্টেটমেন্ট ওইনা ফোঙদোকখিবনি। হাযরিবা ষ্টেটমেন্ট অদু মতম অদুগী **প্রজাতন্ত্র** চেফোঙগী এপ্রিল ২৪ দা ফোঙখি। ৱারোলদুগী টেক্স অদু মখাগীসিনিঃ

"Responsible government can not come if we behave in an irresponsible way. The irresponsible way in which the so-called Revolutionary Nationalist Party gave the ultimatum with the threat of demanding a separate independent statehood for Manipur betrays the said lack of sense of responsibility on the part of these people. Their recent move instead of quickening the pace of materialisation of some form of responsible government in Manipur, may defer, if not spoil it. If any part of India in the event of any exciting circumstance forgets the vital life blood the one and common motherland supplies for sustainining the part as well as whole and thinks still in suicidal isolation, will never deserve responsible government. But the pity is that the said party is

neither revolutionary nor national nor a party because with their communal insular outlook they can not be revolutionary and national; and they are never a party as they have got no organisation and following. No body would have turned up in their meeting had they not taken the advantage of present worsening food situation and war-damage compensations

However it is to be regretted that the inordinate delay in setting up the Council of Advisors in Manipur has given an opportunity to these reactionary people to indulge in such irresponsible feats by taking advantage of the feeling of frustration now looming large in Manipur in almost all the spheres of activities which could only be remedied for the present and in the present circumstances if the Council was set up. The Government of India should know, I regret if those who ought to inform, do not inform them, that there must be some thing seriously wrong with the officers here in Manipur which goadded these hot heads to go to the length they have done. I wonder why the Government of India still fumble in the case of Manipur where the Congress has got the strongest hold over the people as against the other parties though they have already set up a homoganeous Congress Advisory Council in Tripura where the congress is less strong.

The people also should remember that the longer they allow themselves to be disintegratd by these mushroom parties and groups the weaker they become to secure their rights. The alternate process of castigation and titillation with hard words and tears playing alternately upon the public sentiment is often a deceit in politics. Unostentatious yet firm stand with truth and love will prevail ultimately."

রিভোলুসনরি নেসনেলিষ্ট পার্টি ওফ মণিপুরনা লৌখৎলক্লিবা থবক অসিদা কংগ্রেস পার্টি তুমিন্না লৈখিদে। পার্টিসিগী প্রচার বিভাগনা ৱাফম কয়ামুক পাউ-চেগী খুত্থাঙদা ফোঙদোক্লরকখি। ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অদুগী মনুংদগী মতেক খরা লৌখৎচরিঃ

''রিভোলুসনরি নেসনেলিষ্ট পার্টিনা হায়দোরক্লিবা ৱাফমশিং অসি মণিপুর মচা পুন্নমক্কি পুক্লিংদা থং থং পানবা ৱা ঙাক্তনি। কংগ্রেস, কম্যুনিষ্ট, শোস্যলিষ্ট খাইদনা মণিপুরী পুন্নমক্লা পাম্বা ৱাফম্নি। মণিপুরী পুন্নমক্লা পাম্মী – মণিপুরীশিংগী অস্তিত্ব, মণিপুরদা মণিপুরীশিংনা পাঙ্জবা। মণিপুরগী আইন সভা অমসুং দায়িত্বশিল শাসন। তৌইগুম্বসুং মণিপুরীশিংগী মখুৎতা করম্না রাজনৈতিক শক্তি লাকহনগনি, মণিপুরদা করম্না আইন অমদি দায়িত্বশীল সাসন পুরক্কনি, অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইবদি করম্না প্রজাগী অফবা চাওখৎপা সাসন ওইহনগনি হায়বগী লম্বীগী মরমদা মত খেন্নবা লৈ। পান্দম চুল্লবসু লম্বী শেরান্নরবদি পঙ্ফুংফম য়ৌবা য়ারোইদবনিনা অমসুং প্রজা য়াম্না ৱাগদবনিনা 'লম্বীগী' মরমদা ৱাখল খবা ময়েক শেংদবা য়াদে।

মণিপুরগী ফম অচৌবশিং মণিপুরীনা করম হায়না পাইগদগে হায়বা অসি লাইবিক হৈবা থবক ফংদবা মিদল ক্লাসশিংগী দাবীনি হায়বা থবৎ ককথৎপা য়াদে। মসি মণিপুরীশিংগী জাতিয় সংগ্রামগী শরুক অমনি। অদুবু মসিদি মণিপুরীশিংনা সাসনগী শক্তি পাইরগা হেক মওইগনি। অদুনা মরুওইবা ৱাদি করম হায়না মণিপুরীনা পুবা সাসন, আইন সভা অমসুং দায়িত্বশীল সাসন পুরক্কদগে অসিনি।

আইন সভা অসি মণিপুরীশিংনা পাম্বা অদুগা মসিদা লৈবা মপানগী মীশিংনা পীদবগী ৱা ঙাক ওইনা খনবা য়াদ্রি। তৌববুদি মদুসু ইওই ওইদববুদি নত্তে। অদুমকপু ৱা অতৈসু লৈরি। আইন সভা মমাংঙৈদা মণিপুরনা ফংখ্রে। প্রজাশিংগী অৱাবা ওইখি। মীয়ান্না পান্নখিদে। ভারতকি ''পেপসু' হায়বা ষ্টেট অদুদা আইন সভা পী। চলাইবা য়াদদুনা প্রজাগী স্বার্থ মাঙদুনা শান্তি রক্ষা অমসুং মীওইবগী থৱাই হকচাংগী পুক্লিং মকা লাম্না ফাওবা থম্বা ঙমদদুনা কেন্দ্র সরকারনা

অমুক লৌশিনখ্রে। ভারতকি প্রধান মন্ত্রি শ্রীজৱাহরলাল নেহরু হায়বসি পৃথিবীদা খ্বাইদগী চাউবা লোকতন্ত্রবাদিনি। মহাক্না পাম্মী-- মণিপুর মরা চেৎপা গনতন্ত্রিক সাসনগী য়ুম্ফম অদু থুনা শেম্বা। হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ইলেক্তোরেল কলেজ অসিগী মীথিৎ অমসুং দলশিংগী মপাঙ্গল য়েংবদা করিগুম্বা দল অমনা নত্রগা খরনা মরা চেৎপা গনতন্ত্রিক সাসন চলাইবা ঙমগনি হায়বা উদে। মরম অসিনা মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেস অমসুং দল অতৈনা কন্না দাবী তৌদুনসু, ইলেক্তোরেল কলেজবু আইন সভা ওইহনবদি, মণিপুরবু গনতন্ত্রগী মযুম ওইহনবগী মরীদা অকাইবা থোক্কনি, অদুনা মণিপুরদা আইন সভা পীবা অসি অনৌবা ইলেক্সন তৌবগী ফিভমদা নত্তনা লম্বী অতৈ লৈতে।"

কংগ্রেসকি প্রচার বিভাগকী চেরোল অমসু মখা তাবা ৱারোলশিংগা লোয়ননা ইং ১৯৫৩ গী এপ্রিল ২৬ তা অমুকসু থাদোকখি। এপ্রিল ২৭, ২৮ দা মতমদুগী চেফোঙশিংদা ফোঙদোক্লখি। চেরোলদুদা য়াওবা মখা তাবা ৱারোলশিংগী মনুংদগী খরদংগা অমুক লৌখৎচরিঃ

"অমরোমদা ভাবত সবকাবনা হায়বি-- দায়িত্বশীল সাসনগী অহানবা পারা ওইনা মণিপুরীশিংনা কাউন্সিল অব এদভাইজর্সতা চংদুনা হৌজিকানগী সাসন মওং অসি মতম খরা থমগদবনি। তৌববৃদি থায়নসু ঐখোয় ইরন্নাই অসুম পঞ্জরম্মী। অদুবু মতম অদুগী নমুনা অদুনদি হৌজিক্কি মতমগী দুনিয়াদদি য়াদ্রে। হৌজিক্কানগী সাসনগী যন্ত্র অসি মন্ত্রি ওইনা চালাই অমসুং আফিসাব ওইনা চালইগদবা হায়বা অদু খরসু খংদবা য়াদে। অদুগা অমরোমদা প্রজাগী পুকচেলগা পুন্নওন ওন্নবা অফিসার ঙাক্তা অসুম থাদোক্লবদি আইন সভাসু থিঙ্খিনবা মরৌ কয়া তৌরকপা য়াই হায়দুনা প্রজাগী মঙ্গলগীদমক ষ্টেট কংগ্রেসনা হৌজিকমক্কিদি এদভাইজরি কাউন্সিলদা য়াবনি। মসিদা মণিপুর পুন্নমক্না ঐনা ওইনি, মানা ওইনি হায়বগী ৱাখল তোক্কুনা মণিপুব জাতিগী মতিক উৎননবা অমসুং ভাগ্য শেম্ননবা তাঞ্জা অমা লাক্লে, মসি মাঙহনবা যাদে হায়বা লিংজেন অমত্তা ওইনা হোৎনরবা, মণিপুরগী নোংঙানবা হৌবে হায়না লৌবা য়ারে। মসি ময়ামগী থবক্কি। মী খরতগী দল অমত্তগী থবক

নত্তে। মী পুন্নমক্না চংদুনা ওইবা য়াবা য়াদবদগী ময়ামগীদমক খরনা পুবতনি। ময়াম য়াওদনা থবক ওইবা য়াবদি নত্তে।

লাইবক থিবদি, মণিপুরী ঐখোয় অসে লিংজেন মান্নদবদগী ঐখোয় মশেল কল্লক্লবা য়েংথিনবদগী ঐখোয়গী ওইজবা হেক হেক মাংঙি। হিম্মৎসিংগী মতমদা মখোয়না ময়াং হায়রিবদুনা মণিপুর সুপগ্রবদা মুন সাহেবকী মতমদা প্রজানা চরা হেন্দুনা শিনগ্রবদা দল ময়াম চোংথোকপীরক্তে, আন্দোলন তৌবিরক্তে, থৱাই কৎথোকপীরক্তে।

নহানমখৈ কংগ্রেস মুক্লরকপা অদুগী ফলনা অফবা খরা উরক্লবা, মর্বাক মখুত্তগী মণিপুরী মখুৎতা শক্তি খরা লাকপা তারবা মতাঙ অসিগুম্বতদা মণিপুরগী আন্দোলন অসি হেক হেক হৌগল্লি। মমাংঙৈদসু মর্বাক মখুত্তা পুরা লৈরিবা মখৈ দল অতৈনা আন্দোলন অসি খক হৌবিদে। চফু কাইরগা ক্বাক্না হরাওই হায়বর্দুনি। মণিপুরগী ইতিহাস অমুক হঞ্জিনগনুসি। মণিপুরী পুন্নমক মুন্না ৱাখল তৌবীয়ু। আন্দোলন্দগী আইন সভা লাক্কদবা নত্তে। মণিপুরীনা পুবা সাসন মঙ্গল ওইহল্লগা প্রজা মচেৎ মচেৎ তানদনা শক্তি পুনশিল্লগা অমসুং পৃথিবী পুন্নমক্কি মমাংদা মণিপুবনা আধুনিক সাসন মতিক চানা পুবা ঙম্মী হায়বা উৎলগা আইন সভা অমসুং দায়িত্বশিল সাসন ইরাই লাযনা ফংগদবনি। নেহরুজিনা অপীকপা ৱাখলদগী মণিপুবদা আইন সভা পীনিংদবা হৌনদে। গনতন্ত্রগী অচেৎপা য়ুম্ফম থিবতনি। মৈতৈনা আন্দোলন তৌবীরগা অৱাইবা ওফিসারশিং ফমথোন কানবা, তলব চাউখিনবা মতম শাংথখিনবতনি। আন্দোলন ইতৌ তৌনুসি হায়বা ৱা নত্তে। সাসন পুবগী তাঞ্জা অসি নিংথিজনা থৱাই চংনা শীজিন্নসি হায়বনি।"

এপ্রিল ১৯ দা রিভোলুসনরী নেসনেলিষ্ট পার্টি ওফ মণিপুর শেমখিবা অদুগা নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা মণিপুরদা আইন সভা পীয়ু নত্রগদি মণিপুর অসি ইন্দিপেন্দেন্ট বফর ষ্টেট ওইনা লৈজনবগী সত্যগ্রহ আন্দোলন চঙশিল্লগনি হায়না লাওথোক্লবগী পার্টি অসিগী লুচিংবা মরি অসিবু ফাজিনখ্রগা, মতম অদুদা সব-দিভিজনেল ওফিসার সদর অমসুং মাজিষ্ট্রেৎ ফাষ্ট ক্লাস, মণিপুর হায়বা ফম অনীসিবু পুন্না পায়রিবা শ্রী নিলধ্বজ সিংহগী কোর্টতা কেস

চৎথখি। বিচার চৎথরবা মতুংদা লুচিংবা মরিসি হায়বদি শগোলশেম ইন্দ্রমনি, রাজকুমার মাইপাকসনা, য়াংমসো সাইজা অমদি ৱাহেংবম প্রহ্লাদ অসি আই পি সি সেক্সন ১২৪-এ অমসুং ১৫৩-এ গী মখাদা থা ৬ কী রিগোরস ইম্প্রিজনমেন্ট পীখি।

এস দি ও সদরনা পীরিবা রাই অসিগী মায়োক্তা মখোয় মরিনা জুদিসিয়েল কমিস্নার ব্রিজ নরায়নগী কোর্টতা অপিল চৎলম্মী। এপেল্লেন্ট মরিসিগী উকিলনা এদভোকেট নোংমৈকাপম ইবোতোম্বী সিংহনা ওইখি। অদুগা সরকারগীনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট এস বরধননা ওইখি।

এপেল্লেন্ট মরিসিবু থা ৬ জেলদা ফাদোক পীরিবা কেস অসিগী আই পি সি সেক্সন ১২৪-এ অসি আইননা লিংলিবা সরকারগী মায়োক্তা থবক তৌই। হুল্লান্দুনা ঙাঙ-শকপা চৈবনচিংবা তৌদুনা তুক্কচবা পোকহন্নবা তৌই হায়বগীনি। সেক্সন অসিদা হায়রিবসি মখাগীসিনিঃ

> "124-A. Sedition. – Whoever by words, either spoken or written, or by signs, or by visible representation or otherwise, brings or attempts to bring in to hatred or contempt or excites or attempts to excite disaffection towards the government established by law in India, shall be punished with imprisonment for life, to which fine may be added, or with imprisonment which may extend to three years, to which fine may be added, or with fine."

অদুগা অতোপ্পা আই সি সিগী সেক্সন ১৫৩-এ হায়বা অসিনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা য়েংথিনবা পোকহন্নবগী থবক তৌই হায়বগীনি। এপেল্লেন্ট মরিনা চাইখিবা চেজাই অমদি ঙাঙ-শকপা তৌখিবদা 'ময়াং' হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নখি। মদু কম্যুনেল ওইবা ৱাহৈরা হায়বদুসু কেস অদুনা থিজিনখি। কেস অদু থা কয়ামুক চুপ্পা হিয়ারিং চৎথরবা মতুংদা মখোয় মরাল লৈতে হাযদুনা জুদিসিয়েল কমিস্নারগী কোর্টনা ইং ১৯৫৪ গী মে ২৬ তা রাই পীখি। কেস অসিগী রাই অসি এ আই আর ১৯৫৫ দা ফোঙখি। ফোঙলিবা এ আই আর, ১৯৫৫ মণিপুর ৯ (ভোল্যুম ৪২, সি এন ২) অদু পাবিরিবশিংগী ইন্টবেষ্টতা টেক্স ওইনা এনেক্সর ৭ তা হাপচরি।



আর কে মাইপাকসনা, ১৯৬২ ইং

থৌদোক অসিগী মতুংদগীদি রাজকুমার মাইপাকসনাগী রাজনীতিগী পুক্সিদা কয়া মকা ফোংনা লাকখিদ্রে। তৌবগীদি মদু মণিপুরগী পোলিতিক্সকী থৌওংনা ওইহনখিবনি। পোলিটিক্স য়াওবশিংগী মোরেল নেমথবা হৌরক্লে। টেরিতোরিয়েল কাউন্সিল লাকখ্রে। কাউন্সিলদু থবক তৌবা ঙমখিদে। প্রজাশিংদা অনৌবা আশা পীখিদে। মহাক্কী মতমগী পোলিটিসিয়ানশিং বাজনীতিদগী থাপতোক্লখি। ফিভম কয়াসিনা মরম ওইরদুনা মহাকসু রাজনীতিদগী লাপথোক্লগা ওজাগী শিনফমদা চঙখি। মতুং কাইনথংদা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী পাউগী বিভাগতা চঙখি। অদুবু মহাক্লা ইরম্বা **মণিপুরগী অহানবা সতগ্রহ আন্দোলন** অমদি **নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা** হায়বা লাইরিক অনীসিদি মণিপুরগী অতাঙবা লন ওইনা লৈহৌরগনি।



সতগ্রেহ অন্দোলনগী খোঙচৎ অমা



মঙাশুবা তাঙ্কক

রাজকুমার মাইপাকসনাগী লনাই পুন্সি অমসুং লোইনবী নবনী

মী পুম্নমক্কী লনাই পুন্সি হায়বসি লোইনা লৈনৈ। মীয়ামগীদমক লৈবা পুন্সিগা লনাই পুন্সিগা খেন্নবা কয়ামুক লৈবা য়াওই। মাইপাকসনাগী লনাই পুন্সিগী নহা ওইবগী ইনখৎলকপা মতাং অদুদদি নুংশিবগী মরীদা মৈ-ঈশিং খঙদবা মীপুম খুদিংমক থবাক য়েনবা মতাং লৈখি। হৌজিক মহাক্কি য়ুমগী য়ুম্বুরেন্বী ওইনা লৈরিবী ঙাঙোম চনু নবনী ইনখৎলকপগী য়ৌনা লমঙানবা মতমদা রাজকুমার মাইপাকসনাগা থেংনখি। নুংশি শকখঙনখি। নবনীগী নুংশিবদা মাইপাকসনা ঙাওখি। নুংশি ৱাইথুংননবা 'চেল্লশি'' হায়না নবনীদা কন্না তকশিনখি। অদুবু নবনীবু পোকপা পম্বৌ ঙাঙোম তোনম্না সিংহ, শীংজমৈ চিরোম লৈকাইদা লৈবা অসি ৱারক চেৎপা মপানি। চেনবা চোংবা তৌগনু, হায়ন-শিংনরগা মীমাঙদা চাউনা হোঙগদবনি হায়না মচানুপীদা কন্না হায়খি। পম্বৌগী য়াথং হিক্তোকনীংদবী নবনীনা মাইপাকসনাদা অহল-লম্মন থারক্লুবা কন্না হায়খি।

অহল-লম্মন থারক্লুবা হায়বা ৱাফমদুদা ''অদুদি ঐ চৎলে, ঐনা পায়খৎলকপা থবক য়েংদুনা লৈহৌরো'' হায়রম্লগা মাইপাকসনা নোংমদি নবনীগী মনাক্তগী শাউনা চৎখি। মীপাইচাউবী নবনীদু পাখৎলি হায়।

মতমদুদা মাইপাকসনাগা লুনা তিন্নজবা লৈমপোকপম অচৌবী, ঙাঙোম মনিনচিংবনা নবনীগী মবুং অহল ঙাঙোম মনিদা ''মাইপাকসনাদি শিরুরনি হায়না চৎখ্রে'' হায়না পাউদমখি। পাউ অদু তাবদা ইমুং অনীমক মীপাইনখি। কোয়লাং লাঙনখি। মতমদু মাইপাকসনাগী মমা ইতোন তোনবী গৌরাঙ্গদু লাকপা কুইদ্রিরৈঙৈগী ৱানি।

থৌদোকসিগী মতুং অনীশুবা লাঞ্জাউ লোয়শিনখ্রবা, লাঞ্জেন্নরুবশিং হঞ্জিন্নরক্লুনা খুন্দা লৈতানরক্লবা মতমদা নোংমা য়াওশঙগী হলঙ্কার নুমিৎ অমদা মাইপাকসনাগী মমাতোন গৌরাঙ্গনা মচানুপী অহল তম্ফাসনা পোদুনা মৌ হায়বা চৎখি। মীতিক মীরৌ খঙবী গৌরাঙ্গগী হৈ-শিংবা থৌশিলদগী য়ুম অনিগী অহল-লম্মনশিং য়ান্নদুনা মাইপাকসনা নবনী, চহিদুগী কালেন থাদা লুহোংখি। মতমদুদা নবানীগী চহী ১৮ দি শুরে।

নবনী লাইরিক কা হেন্না তমহৌদে। অদুবু মীতৈলোল ফাওবদি ময়েক চৎলি। মহাক্তি তশেংবা য়ুমগী মৌনি। মপুরোইবা মাইপাকসনানা বাজনীতিগী, মীয়ামগী লৌখৎলিবা থবকশিং পায়খৎলিবা মওংশিংগী মতাংদা মহাক কা হেন্না খঙদে। মহাক্না য়ুমগী মৌ অমা ওইনা নোংমগী শোইদনা পাঙথোকচরিবা থবকশিংদি মকু ইবুংঙো সনাহল গুনেশ্বরগী থাঙ-তাগী শগোলগী লাক্লিবা মীয়াম অদুবু সেবা তৌবা অদুগা মনাও নুপা ময়াম অদুগী থবক তৌবনি। অচম্বা য়ুমগী মৌ অমা ওইনা পুন্সি লেনবনি। অদুবু লৈবাক্কী থবক তৌবা নুপা অমগী নুপী ওইরুবা মবম্না, মাগী নুপানা পুশিনবীদুনা মতমদুগী মহিলা সমাজগী থবক থৌরমশিং য়াওহনখি। মহিলা সমাজদা মহাক্কি মমিংসি **প্রেমোয়ি** হায়রগা খঙনৈ। সমাজ অদুগী অতৈ মেম্বরশিংনা মঙোন্দা ভায়-ভায় হায়বা মিঙ্গৌ অসি শীজিন্নৈ। মহাক্ন সু অতৈনা কৌবকপদা ভায় হায়না খুম্মি। মহিলা সমাজগী মীওইশিং অদুনা মাগী মাগী থবক থৌরমশিং লোইরবা তুংদা ঙাইহাক ঙাইহাক পোখানৈ। মতমদুদা অয়াও-অয়াওবা পুথোক্লুনা চানৈ। মহাকসু ময়ামগা পুন্না চামিন্নবা ক্বা পুদুনা চৎলি। মতমদুসু নহা ওইরিঙৈগী পুন্সি মশক অমনি হায়না হৌজিক অহল ওইশিল্লরুবী মাঙগী পুন্সি তেল্লরুবী ইমাশি নবনীনা নুংশিনা শোল্লি।

রাজকুমার মাইপাকসনানা বি এ থাবা মতম অসি মাগী পুন্সিগী য়াম্না লুববা, রাজনীতিগী য়ঙ-য়ঙ লাউরবা, মণিপুরনা ভারত্তা পূনখিবা মতম অদু ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মতমদুদনি। মহাক কলিকাতাদা বি এ পরিক্ষা থাবা চৎলি। ইং ১৯৫০ গী মতমদনি। মতম অদু রাজনীতিগী খম থেংবা মতম ওইরদুনা রাজনীতিগী মী ময়াম অমা তিন্নৈ। মখোয়গী মরক্তা মহাক্কা য়াম্না লুনা তিন্নজবা চীংগী লুচিংবা য়াংমাসো সাইজাসু য়াওই। মহাক্না কোলকতাদা বি এ থাবা চৎখ্রিঙৈদা নোংমা য়াংমাসো সাইজা মহাক্কী য়ুমদা লাকখি। মতমদুদা সনখ্যাহোয়গী য়াম্না লুবা পুখ্রি

অমা লৈরম্মী। নীংথিনা খঙহৌদবদগী পুখ্রিদুদা য়াংমাসো সাইজা মখোঙ নাম্মা নাম্ভখিদুনা তাগে তৌখি। মীয়াম পুন্নমক মীপাইনখি। থৌদোক্তু মাইপাকসনাগী ইমুংদা কাউভমদবা থৌদোক অমা ওইখি। মরমদি, চীংমীশিংদি মহৌশানা ইরোইবা হৈনদে, লুরবা পুখ্রিদুদা লূপ্পন্নবদি অচৌবা দষা অমা ওইরম্বা য়াই।

